ঈথক মচাশিংগী ৱাহং

নিংথৌজম সুরমা

ꯏꯊꯛ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ꯋꯥꯍꯪ

ঈথক মচাশিংগী ৱাহং

Eethak Machashing-gee Wahang
(A collection of sixteen short stories in Manipuri)
By Ningombam Surma
Published by Khorjeng ov Khutmaroup, Thoubal 795 138, Manipur

অহানবা ফোংবা : জুন ২০০৭
অফোংবা : অইবী মশানা খোইজেংবোয় খুৎমাকপ, থৌবাল, মণিপুরগীদমক।
মখূম : কৃষ্ণচন্দ [illegible]
মমল : লুপা ৯৫/ (লুপা [illegible])
নমখম : কংলা প্রিন্টার্স, [illegible], ইম্ফাল [illegible]
মণিপুর।

[illegible]

[illegible]

অইবাগী ফোংখ্রবা লাইরিক :
পাউখুম্না হংলি (*বারীমচা,* ২০০১)

পুন্সিগী তাঙ্কক খূদিংদা থেংনরকখিবা

ঐগী মরূপশিংগী মফমদা

নীংশিংবা অমদি যাম্না নুংশিবগা লোয়ননা ...

খোর্জ্জেরোয় খুৎমারূপকী মায়কৈদগী

মণিপুরী সাহিত্যদা খোর্জ্জেবোয় খুৎমারূপ, থৌবালগা খ্বাইদগী চাউববা দান অমনি মতং, লৈবরা নুপা অহৈবাশিং চোম্লপ ওইনা পুথোকপা ঙমজখিবা অদানা তাযজনাই। তুশিংবগীদি, লৈতাও কববা লমদম অসিদা মথন্নতা চোংথোবকাখিবা ওইনা, অহৈবাশিংবু খোর্জ্জেবোয় খুৎমারূপনা শপ্লতগী মখোং শেমজবখ্রনা অদুগা মদুগী মহৈরোয় লূপকী থৌশিল্লোযশিংনা যংজর্বনি। সতার্তি নিংথৌম্ম, সনাতোম্বী অমদি সাহিত্য একাদেমী এবার্ড ফংখ্রবী সুনিতা নিংথৌম্ম লমদমাসিদগী থোকখ্রে। মখোয়গী খুদুং ইন্দুনা থোবকখিবা সুবমা নিংথৌম্মসু সাহিত্যগী লমদা অচৌবা নত্তে। মহাক্কী হৈনবা নাবীমচাগী লাইরিক্কা তোপপরোল্লা মহাও মাযম্না তান্নবা তংখ্রবনি। মতমদুদগী মহাক্কী অনীশুবা লাইরিক মাযাম্না থৌবাংনা ডাইদনা লাকখিবদু মাযামগী খুন্তা যৌহঞ্জনবগী থৌদাং অদু লূপ অসিনা, মক ওইনা লূপ সগী থৌমাশিংনা লৌজবতনি।

তৌজিক্কী খুনাই অসিদা উবিবা থৌদোক বাথোকাশিং আসগা মন্নদে ইচল ইচেশিংগী থম্মোয়দা মখল মখা কয়াগী মৈনা চুবদগী অবা মৈশা লান্নবা,

কয়া'মনা তাঙ্গোয় ৬নাখবা অসিনা সুবমাগী থম্মোযদা হেন্না ইনাংবগী ৱাখলনা ঙা'ওতনবগী মমি **ঈথক মচাশিংগী ৱাহং** হাযবা লাইবিক অসদা উবা ফংই। 'থম্নাল মনম' দা মুহিনীনা ঙাওবা, সপনাগী পুক্নি কেমখিবা খুন্নাইসিনা পাউখুম পাবদা অকুবা ওইবকই। কাযবরা থম্মোয কয়াগী খোলইক তমর্জানিংই মরুপ মপীজা কয়াগা থম্মোযদা। অদুনা পুখোবকপনি **ঈথক মচাশিংগী ৱাহং**। পুথোকখ্রে বাবীমচা কয়া কয়া। পুখোবকখিনি লেপ্পা লৈতনা। অবাংবা চীংজাওগী মখোঙদা হৃৎপা হেন্দ পম্পানা। কুম্না থাবা নাইদনা চেঙ্গবকপা ঈচেলদু মচে ইবেম্মা সাহিত্য একাডেমী এবার্টা সুংনাতানা ঈবম চুম্না চেঙ্গইনবদা তেংবাংবা মশানা তাবনি। লাওরুক্তজরুবদি লাইবিক অ'স ইবা লাইবগা কুইনা নমশিন্দুনা থম্লবর্নি। অইবীসিনা ইজাবিবশিংসি মতম চানা খোংদোকপা ঙমহৌদ্রবদি বাখলগী চেঙ্গবকপা ঈচেলদা নুংনা পল থংখিদুনা থংখ্রবাদ মখা তান চেঙ্গবকপা ঈচেল লেপখিগদ্রা হাযবসিনি। অসিগুম্না তানংম অমদ' খোইজেবোয খুৎমাকপনা লাইবিক অসি যোংজনবগী থৌদাং লৌগবা ফংবসি নুংঙাইজে। অইবা অইবীশিংদা ইনবগা থৌনা পাবা অমদি অংক লাইবিকশিং লেপ্পা লৈতনা পুথোকপা হাযবা খোইজেবোয খৎমাকপকী পান্দম অদুনু লাইবিব আসনা খবগা মখোদ মপুং ফাহল্লগনি হাযনা থাজবা থমজাব। লেপ্পা লৈতনা খুদোল তেমজবদা শরুক যাৎবিবা অইবা অইবীশিং অসিবু লমদম সম সাহিত্যদ নুংশিবশি, তমাদ ওপাবাশংনা মিনুংশিনা মীৎযেংনা হেনবন্থু। মখোযগা ইনাংবগী থৌনা হাপকৎপায়ু। খ্বাই তবাগী খুবাক্তা লাইবক মচা অসি লাপ্তোকচাব।

এল বীর

প্রেসিদেন্ট, খোইজেবোয খৎমাকপ

থৌবাল, মণিপুর।

তা' ০৯।০৮।২০০৭ ইং

অইবীগী বারোল

লাইবাক অমা পুথোকপা তায়বগীস ঐহাক্না ইবায় লাগব' অমা নাত্তে। অদুবু নুংশিবা মফমগী মমল যাম্লবা মতেংনা লাইবাক অসি পুথোকপা ঙমজবা খল্লি।

পম্মম্ভুগী মশক্তা খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং, লৌবাখিবাদা ইপ্পা ইমোজাং লাংজাম্নমা। মাগী 'চনাখ্রবা মতম্শিংদুদা অমুক মীংকুপ অমা থাগৎলা পোং।' হায়না হংজদবা মীং দুং ঙাঁশিন্দুনা পোংলমসিমসু থোক্লকখি। মাংসু চব ও চন ও লৌবাখিবা অমাদি মাগী চেকশিঙ্গবা মতৌদুনা মচোন্দা পম্মক 'শংগধে ভুং' এং ইকোম কেম্মা লৈথোকপা ঙম্মখিবনি।

অদুগা বানাশিংসিবু মমুৎ তানা পাবাবগা অমংবা, মমল যাম্লবা পাংথোক পাবাবকখিবা বিদ্যা বাচস্পতি (এনা তাবিদা কৌইজ্জে)গী লমনসু শিংথোকপা ওইনা লৈবগনি।

ইতেং পাংবীবকখিবা অমাদি পুক্নিং থৌগৎপাবকাখিবাশিংগী মথংদা খোঞ্জেলবোয় খুৎমাকপকী মেম্বরশিং মিং ওইনা পঞ্জবনদা ওজা লৈশাংখেম বাব, ওজা যুগেশ্বর বাইখা, ইচে সনাবাতি সিংজাম্বম, থাব্রজমোহন, ও কে মৈতৈ,

ঙপ্পাশিং ৫ এস মৈতৈ, সাপম বোবিন্দ্রো অমদি ইমোজাৎ নিংথৌজম্নম যাওনা অতৈ মেম্নব পূন্নমক্কী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎচবি।

হীবম কযাদা তাথোক তাশিন তৌমিন্নাখবা ঐগী ইচে নিংথৌজম্নম সুনিতা, ইমান্নবা নী দেবী অমদি ঐগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মফমদগীসু ঐনা পূক্লুংগী থৌনা ফংজখি।

ঐগী বাবী খবগী কেবেক্টব শেমগৎপদা পূক্লুংদা ঈথিল পাখিবা, পুন্সিসিনা তন্থবক্লবা মতমাশিংদা হৈনিংবা হেক হেক পোকহনখিবা মন্দপ নঙসু ঐগী ইফমদা মমল নাইদবনি।

অবোযবদা লাইবিকসি মাযামগী মফমদা শিন্নজবি।

তাং ৩১।০৫।২০০৭ ই,   অহৈবী

য়াওরিবশিং

থম্বাল মনম

য়ৃমসিদা হেক চঙলকপদগী মুহিনিগী পৃক্লিংদু লৈতাবা ঙন্নক্ত্রি। যূমসিমক্তদা কাব খোকখিবা হায়বদু মহাক ইখঙমক খঙখিদবাদি নত্তে। অদুবু লুহোংলাক্লিবৈ মমাঙদুদাদি অদুক হাক্লা খাঞ্জল্লুদে। হৌজিক্তো খঙলকই মদু মাগী কথা চাউবা মবালনো ' মানা তাখিবা তাযববু যৃমাসগী ভাডাদা লৈদুনা লাইবিক তমদুনা লৈবল্লী নুপীমচা অমা দলান্দগী ওস্তুদুনা শিখি হাযবখক্রনি। হৌজিক্তদা কদোমদগীনো খঙদে, চিংনবা অম চেৎনা মধ হুল্লক্লি। চিংনাবিবা বাফমসি মতাক কনাদসু ফোঙদোক্তে। অদুবু অচুম্বদু খঙনংবগী লাঙতক্লবদি খক হন্থখিদে।

নুমক্তু পার্ণমা মযা ওইবমাল্লে, থাবল যাম্না ফৈ। মতাক্লা মৌ ওইদুনা লাকখিবা মতুং ইকুই কুইদ্রবৈর্দনি। অহীংদু মপান্দা মখোল অমা তাদুনা থোঙনাও হাংদোক্তুনা য়েংথোক্লুবানি। যূমগী মখা থংবদা ভাডা শান্দোক্লবা কা খবা শাবিবদুগী মনীং ইথং থংবা যুমগা নক্লবা কাদুগী মমাঙদা নুপী অমা হনগং হন্দা চৎপগুম উই। মাগী মপৃক্লিংদা নুপীদু সপনা ওইনা উকই। মহাক সপনাবু মশক খঙদে। নোংমতা ফাওবা উাখদ্রি। যমসিগী দলান্দগী ওস্তুদুনা শিখিবাদু সপনা কৌই হাযবতনি খঙলিবা।

নুপীদু হঙ্গৎ হন্দা চৎলম্বদগী কাদুগী দাবিদুদা ফমথস্ত্রে। মখূৎ অনীনা মমায

খুমজিন্দুনা হীক হীক কপখ্রে। মখোল তাবা নত্তে। লেংজুম অনীদু নীল্লিবদুনা মহাক কপ্পি হায়বা মীহিনিনা লায়না খঙবা ঙম্লনি। তূগ্লিবা মাগী নুপা ধিবেনবু হৌদোক্লুই।

"অসোয়বগী ভাডাগী কা মমাঙদা নুপী অমা কপ্পি, অমুক্তা যেংলু লাউনে।"

ধিবেননা থাজদনা খুন্নকখি, "কদায়দগী নুপী? নঙদি কবম্লা উকবিবা?"

মখোয় অনীমক থোঙনা ও ময়াদা চঙশিন্দুনা যেংবা মতমদদি নুপীদু উখিদ্রে।

"হৌজিক্তা লৈরম্লনি। খোঙথাং মখোল অমা তাবদগী যেংলুবনি। নুপীদু চনাগৎ হন্দা চৎলগন্দগী ময়খখি। অদগা হীক হীক কপখ্রিবনি।"

"মচু ওইবমগনি। হৌজকপু, কদায়গা নুপী লাক্নুনা কপ্লদৌবিবনো?"

ধিবেনগী মায়খোঙদ হুমা, মবীক মবীক কাবিবগুম মহাক্লা খল্লুই। খংতং ইং ডিল্লুই, "সপনাদু যেংন্দা কমদৌই?"

"মদুনা অমুক কদোম্মদগীনো?"

"হৌজিক্কদু সপনাগা ভট ওইবম্লবাদ?"

যাম্লা থাজদবা মওংদা ধিবেন্দু খংশাউ শাউগৎলকই।

"অদুম্বা বাদু ওনিংদে। য়ুমসিদা মদু অমুক হন্না পনগনু"

কানিনো মহাক্লা ত্রানিংদ্রবদু? সপনাগা বাবা নৎত্রগা ভূটকা বানা? মদু মীহৌনা চম্লবা অমনি। মতুংদা ধিবেনদা হন্না সপনাগী বাযম পল্লুদ্রে কিবগা নত্তে। মতাক্কি চংনবদুগী লৈবোলদু মশাং হেনগৎলকপদগীনি। অশেংবা বাফমদু খঙনবা তোংনবদা মাগী নপাগী মহৎমদগী অশেংবা পাউখুমগী আশা তৌকদ্রে। মদুমক্তসু মহাক্লা বায়মসগী মনমদ লেপেনদা বাবী শাবদবনি। য়ুম পাল্লবী নুপা অমনা মাগী মপুৎনাইনবু থাজবা ভমদে হায়বসি খাইদগী লাইবক থীবনি হায়বা মহাকসু খঙদবা নত্তে। অদুবু কাব তৌগদগে? চংনবগী মকদি য়মসিদা থোঙ থাংজিল্লকপদগী হুনখ্রবনি।

মতানা কয়াবক হংজে নুপামচাদু কাবিগী মতোমতা শিজগদৌবিবনো? মদসু ময়সগী দলান্দগী চোংথদুনা? নৎত্রগা ওন্থদুনা? কবম্লা ওন্থগদৌবিবনো? খাঙ যৌন চিৎ বালনবা বৌলিংদু লাম্থোক্নুনা? যাম্লা চিংনৈ। কাবিগীসু চিংনবোই? লৈশাবা মচা ইনহৎলাক্লিবনি। অদুগা য়ুমসিদনা মখোয় মচান মনাও পাখঙ অহুম। অতোম্বদুদি মপান্দা লাইবক তমদুনা লৈখি।

কাবিগুম্বা মতমদা য়ুমথংনবশিংগী মচান্দগীসু তাকই। মাগী মমাঙদা তাবসনু হায়দুনা শাগবদুম ওইবিদ্রা?

"কদায়দগী ওন্থবা ওইকদগে? নাতৈ চাদে। হূগুম্বা থক্লগা চোংথবদুম মাল্লি

হায়নখ্রিদুনি।"

"মচীনবান মুশিন মুর্শিল্লি, মযাদা কোঙ্গোলগুম্না তৈবম্বগুম ভৌইগা হায়নখিদাই।"

"হোযনে পংব্রাং বাংবসু নত্তে, চোংথবদা শিবা যানা।"

"মতোমদা শিজবগী মবমদুনিনে ব্রাহংদি।"

মখোযগী ব্রাবীদু মুহিনিগী নাকোংদা ঙংদুনা লৈর্বক্লি। মবাযবক থীববীদ্ অদুম্না শিজনবগীদমক্তি মফমদুদা লাকপা ওইবিনোই। মহাকসু খল্লি মবম লৈত্রনবু মতোমতা শিজবা যাববা" কবিগুম্না থবক্ত মাগী নুপা ধিবেনগা মবী লৈনবম্লবদি নত্তে, মদু ওইববদি মহাক খাঙবা শুকচম ঙল্লোই।

চিংনবগী শম্বলদি মফম অমত্তদা মবা চেৎনা খাবা নত্তে। মাগী চিংনবদু ধিবেন্দখক নত্তে। বিজযগা মফমদসু মাগী চিংনবা লৈ। বিজয মাগী মতৈনি, ধিবেনগীনা মযাম্বনি। হৌজিক ফাওবা মযম পান্দ্রি। মহাক্লা" মদুদা ওইথোকপসু যানা লৈ। মাগী না কযা ঙাঙ্দবা মত্তৌ, নুমিৎ চুপ্পা মপান থোক্কন্দবা। কবিগুম্নদনা কদাযদনো চৎখিবদগী নুমিৎ নীনি হুম্নি ফাওবা হল্লক্কবনচিংবা অঙকপা লমচৎশিংসিনা মাবু চিংনবদা মুহিনিগী মনালবু কাবিনো" অসিগুম্না নুপা অমনা কবি লমচৎ চৎলিবগে হাযবা কনানা খঙলুবা ঙমগনি?

অদুগা মাগী মকুবোক্তু কযাদা অকে অমৌ পামখ্রবা চট্টী মতাঙদুগা চান্নদবা মওচদা শেৎলিবা ফিজোল, পাঙাঙ শাচাঙদা কযাদা চেকশিন খোমজিনখ্রবা কবিগুম্না নুমিত্তসু কাপ থাদবা খোঙউপ তোংখিদ্রি। ফি ইস্ত্রি তক্কনা শেৎ চাখিদ্রি। অদুক হাক্লা কে মৌই হাযবখক্কীসু নত্তে। মৌনহা লৈশাবী মচা উবদা মমীৎ মনা ইচোই চোইবগুম, বাবী-বাতাই শানগদৌবগী তোৎনবিবগুম মুহিনিগী পৃক্লিংনা খল্লুই।

মবকাসিদা থৌদোক অমা থোক্লে। নুমিদাংগী পং তবামুক হেল্লে। নুমিত্তু ধিবেন অবাপ্পদা লৈবা মমান্নবা অমগী লুহোংবা চৎখি। অহীং হল্লক্লোই হাযবন্মী। মকৃবোক্লা মনেমবোক্কা লোযননা ড্রামা ফেষ্টিভল তৌবি যেংলুনি হাযদুনা চৎখি। বিজয হল্লকখ্রববা হল্লাক্ত্রববা হাযবা ঙমদে। মাগী কাগী মৈ থানবা উদে। নোংসু থিৎলি-থিৎলি চুবি। অতিযা পৃম্বা পৃম্মম মমখিবনা ঙাল্লবা ওইদুনসু অথেঙবা অহীংগুম অকিবা ফাওই। তাঞ্জাদুদা, তাঞ্জাদুদনি, পোৎ-চৈ লংখাই খোৎকাইবগী মখোল অমা তাবকপদু। যাম্না নক্লা তাবনা যুমসিমক্তদনি হাযবা মুহিনিনা খুদক্তা খঙবা ঙম্মী। থোঙ হাংদোক্কনা কোযনা যেংই। কনাসু কবিসু লৈবগী মমি উদে।

[illegible] নুমিৎ অমদা পম্নবা মচুম্মী। বুমযাকদদা হৈইহাক্তং কোয়চৎ চণ্ডলা লৈরম্ভ। মনম অমা [illegible] হাপ্নবকই। যাম্না মেঙবা নুংশিবা মনম অমা। কানগা [illegible] [illegible] ডাকপ বদাযদগী থম্বাল মনমা থম্বাল [illegible]

[illegible] থম্বাল হাম্না পামখি। শিগদনা [illegible] চীনদা [illegible] পবকপা শাঙ্গম য়োনবা নুপামচাদগী খুৎনা থম্বালদ [illegible] শংলকপগা অচৌকপা খামম্না অহীংগা [illegible] কায়না [illegible] য়োংলম্লগা মশাগী বা তম্না হুব থংবমখৈ [illegible] তম্নবা হৌৎখৈ। মতীং চঙ্গা তুম্না যাখিদে। [illegible]

[illegible] চৎপা [illegible] বারকনদগী চাকশংদ [illegible] হাংলকপদ [illegible] খালগা লোয়নন [illegible] খাল্লা মমাংদ [illegible] অহাননা [illegible] পাইদনা [illegible]

[illegible] নুপীমচ [illegible] [illegible] গ্রীখোর্যদ [illegible] [illegible]"

"[illegible]" [illegible] হায়খি, "কাব হৌই হায়নগে।"

"[illegible] দ্রব না।"

[illegible] হায়রকই, "যাম্না [illegible] হায়নে। ঐখোয় কাকানা [illegible] হাবাল্লকপদা [illegible] অঙৎবা শুবে হায়।"

[illegible] মনমদা নবী শাবদু অফবা [illegible] হায়বা মুর্শিদনা [illegible] তংলাংই, লংলা লংজীন খজাক্ত ওইবরম, [illegible]

"[illegible] [illegible]"

বানা শ[illegible] তাপ্পা থংলবদদা নুপামচাশিংদু থৌনা ফগৎলকই।

"সপনাগা ভটা"

পাউ ওম্লিবাদুনা ভটওগী মওঙ মতৌদু তাকই, "মুশিন মুবদনা ভাডাগী কা লৈবিকশিংসিগী মযাদা ফগৎ হন্দা চঙ্গনা লৈ হায়।"

অমনা অমুক হায়বকই, "হান্না মী লৈনবিঙৈদদা খবসু ফৈ। হৌজিক্তি মীগা

লৈত্রে, অহাওবা যুমসি যাম্না তম্নগল্লি হাযনৈ।"

মুহিনিনা খল্লকই - তশেংনা সপনাগী ভূটনা মফমসিদা নৈশিন্দনা লৈবরজাৎলা?

অমনা হাযবকই, "সপনাদু মশক্তি ফজবানি। মশক ফজনবদুনা মাগী মোংফমস্ ওইখ্রেদনা।"

বাবাদু হৌগৎলম্লগা ঙাঙলিবাদ কবিনো অবানবা অমা তৌথ্রবগুম চপ লেপখি। মাগা মাংথেং মতুং ইন্না নুপীমচাশিংদু পল্লপ যেংলম্লগা মবা মশা চৎলাগ মুহিনি না মায লৈহোনবকপদা মাগী মনেম্লোঙু মাঙ্গোলগী মচীন্দা লেপ্লগা মখোযনু যেংদুনা লৈলম্মী।

অহান নু থিলচপ্পা চিংনবা মপাইনতনা মাগী পুক্নিদু অর্থ থোকচিল্লঙবগুম মুহিনিনা খল্লকই। কবিগী, কবন্না সপনানা শাখননো হাযনা হংবা থাবা মী অমতা নহাক্কা থিবদা যংদে। কবিগী থবেপ্না সপনাগী বা পননা যাদ্রবনো? কয়া চাউনা মবাল লংশল্লম্লবগে সপনানা?

সপনা সপনা মাগী ঙাইবংস মগুলানসু সপনাতা ঙাযাশিল্লক্লে। কবম্না খুঙ্গাংদা, কনাদা হংলা, কদানদা থবানা হনবগী লোইবা নাইদে। অদুগা মতংগা চদা লেপ্না চংদনা থকনাদ , কবিগুম্না খঙবা যাবা পোৎকা থোংনবরা? বিজয়না চংথোকখনা নুংমং অমনা হংগা চঙদনা যেংলুবদি অদুক হাক্লা লুনা ওইবোই। নোমবোল্লা তোংম্না হাযখি, "নতৈ উবুংঙোদি শৈবেং ইবা খোৎপাসি ওংহাক্লা পামদ্রেম্প্রপোৎনি। কবম তৌবনো খঙদে ফঙ্কশন নংশন চৎপগা চপ তেঙ্গা লেপখি।"

হান্নগী খোংহ্লোঙু খংওন ওল্লগা মখা তাবকই, "অদুবুনে কনানা খঙবা, অখাবা লাইনক অমা কোক হেক পুথোবকপসু। মানা কাদগী মপান থোঙনা লৈবিবা মতমদুগু ইবা খোৎপা তৌদ্রবদি কবি তৌকান হায়গে?"

কবিগী বিজয়গী লমচৎ শাঙৎতা হংক্লো, হোংবা অমা লাকাখ্রবা? কবন্না মতমদগা? মুহিনিনা চপ চাননা থাজবে, বিজযদু শোযদনা ঙাযাব ইবগী হৈনবা লৈবমগনি। কানগুম্না তান চাদুনা মাগী দাযাবদু ফংবা ভূল্লবাদ কননা খঙবা, কবগুম্না খবা ফংবসু।

নুমিত্তু লাক্লে, ইমংগী মী কনাস লৈতে। নুংথিলনি, বিজয ঙবাংদগী চথোকখি। খবা লাপ্পা চৎকদবা মাল্লি। এযব বেগ অমদা ফি খবা হাপ্পুনা থোকখিবনি। ঙাসিদ চপ চাবা তাঞ্জানি। বিজযগী কাগী মমাঙদুদা চঙশিল্লি। ঙাশিন্দুনা লৈবিবা থোঙদু তপ্পা নমদুনা হাংদোক্লে। থোঙ কানাশল্লমদ ইদু নীংজং মাঙজিংনবকই। অদব তৌগে

খনখিবা থবক্তুনা চিংদুনা কা মনুংদা চঙলক্লে। অহানবদা লাইবিক থম্লিবা বেকতুদা যেংই। মথংদা টেবলগী ড্রাৱাবদা। অদুবু থিবা তাবনি। ড্রাৱাবদু চিংথোক্তুনা শো র্থিবঙৈদুর্দনি কাদুগী থোঙজিন্দগী খোঞ্জেলদু।

"কর্বনো র্থিববদু?"

খংপ্রেক খংনা যেংথোবকপদা বিজয লেপ্তুনা লৈবম্মী।

"মপ্ লৈতবা কাদা চঙদুনা পোৎ চৈ থিবা, হৌনবা খঙবা মীগী শাজৎ নত্তে।"

মুর্হান তিংঙক মাযঙক্রদুনা অদুম্মক লেপ্লে। কবি খুমগনি? কবম্না হাযগনি সপনানা শিখিবর্গী মবমদা র্থিবিবর্নি হাযনা।

"হাযযুনে কবি থির্বম্লিবনো?"

হন্দাঙ্ক খুমদবা যাদ্রে। কিথি কিকম ইক আক তৌনা খুম্লকই, "সপনা কৌবী নুপীমচা অমা শিখিবদুগী মবমদা খঙনীংদুনা...।"

"ঐগা কাদা মদুগী মবম ফংগনি কনানা হাযবগে?"

মুর্হান তুমিন্না লেপ্তুনা লৈ। বিজয মশানা মখা তাবকই, "ওহ! নঙনা ঐবু চিংলে।"

মহাক হন্দকসু তুমিন্না লৈ।

"নঙবু সপনা কনানো খঙলববা?"

বিজয মশানা ৱাবী লাবর্গা মওঙদা তৌবকই, "সপনা, ঐখোয যুমর্গী ভাডাদা লৈবী নুপীমচানি। অসোমগী মনীং ইথং থংবা যুমগা নক্লনা লৌববা কাসি মাগী কর্নি। মহাক্কী কনাসু লৈত্রে, মখা লুখ্রাবীদুমগা মৌপ্পা অমত্তংগা নঙনা। যাম্না ঈং তপচবী, মবম ওকপী লাইবিক লাইশু থবায যাওজবী নুপীমচানি। ইমানা যাম্না নুংশিবা। ইমাদা নঙনা ইমুংসিগী মীপুম খুদিংনসু মখু লুনা চান্না তৌবী। মসিদা নঙনা ইমুংসিদা চিংনবা থম্লবদি নঙগী শাথীনা অবানবনি।"

মার্হানা মবক থর্গল, "অদুবু ঈশ্বরনা মাগী আত্মাবুদি শান্তি খক পীবিদমাল্লে। যুমসিগী মফম খুদিং মাগী আত্মানা কোইপাই পাইদুনা লৈবি।"

মাগী বাদ্দা বিজযদু যাম্না ঙক্লা মঙোন্দা যেংখৎলকই, "সপনাগী আত্মা?"

মতুংদা মখা চৎথনকই, "চুর্মী, যুমসিগী মফম খুদিং মাগী নীংশিংবতনা ইথন্ত থন্দুনা লৈবি।"

"নওে, সপনাগী ভুটনা মফমসিদা অহীং নুংথিল নাইদনা তম্নবাই ওন্দুনা লৈবি।"

"তৃমিন লৈয়ু। কবিনো নঙনা ঙাঙলিবদু?"

মুহিনিনা খুম্মী, "নৎত্রবদি অহীংদা কদাযদগী থম্বাল মনম লাক্কদগে? অদুগা .."

"অদুগা করি?"

মহাক তৃমিন্না লৈ। বিজয মশানা হাযবকই, "নোং চুবা অহীংদুদি না নৎত্রা? সপনা থম্বাল যাম্না পামজে, মনমদুদনি। ঐনা মঙোন্দা থম্বাল মনম নম্বা পবযুম অমা লৈদুনা পীগে খনখি। পীবা নংদনা মহাক অদুম চৎখি। লৈকববা পবযুমদু চেৎনা থমখি। মদু মাবু নীংশিংনবগীদমক্কি। অদুবু নোং চুবা অহীংদুদি ঐ অমুক খাঙবা ঙমাখদে। যাম্না নীংশিংলকখি, থৌদোক কয়া, পাবী কয়া। ঐ যাম্নসু কপখি। পবযুম হাপ্পা বোটলদু লৈমাযদা লংদুনা থুগাইখি। মখোলদু তাবদা নঙ মপান থোবকখি। কোযবেং যেংখি মাযকৈ পুম্বা। কনাসু উখিদেদনা? ঐনা ঐগী অমম্বা কাদগী নঙনা তৌবিবা পম্বা উখি। অমুক নঙ, নঙগী কাদা থুনা চেনশিনখি।"

মুহিনিনা শৎ হংজিল্লকই, "অদুগা অসোমগী কা মমাঙদা থাবলদা উখিবা নপাদুদি?"

"নুপী?"

বিজযনা যানিংদনা হাযবকই, "নত্তে, নঙনা নুপী ওইনা উবা ওইবমগনি। ঐদি মফমদুদা তোযনা অহীংদা হনগৎ হন্দা চত্তুনা লৈ। সপনানা ইনাক্তা লেপ্পুনা বাবী শাবরোই থাল্লি যাম্না নুংঙাইবা পোকই। অদুবু মহাক শপ্লগী ঐগী মঙলানদতা লাকপানি হেক খঙলকপগা সিডিদা খোঙ যাম্বদুনা পেল্লা কপথোকই। হিংলিঙৈ ফাওবা মপাক্লিংগী বা অমত্তা খঙহল্লমদবা মানা কদাযদগী অাম্বানা লাকুনা ইনাক্তা লেপ্লনি?"

হেন্না হেন্না মুহিনগী চিংনবদু মযেক শেংগৎলকই। মশানা যানিংদবা সপনাব মপাম্বনা হেনমনখিদনা । নত্তে, মাসিবু ওইথোকপা যাদনবরনে? মপাক্লিংগী ঈদিলদু ফাজিনবা ঙমদনা বিজযনা মতেম তা হংজবগী মওঙদা হাযবকই, "কবিগানো মানা অদুম্না চৎখ্রিবা? কনাবুনো মানা বাবৌখ্রিবা?"

"মহাক মতোমতা শিজখিবান নৎত্রা?"

"নত্তে, মদুদি শুক্রুৎ নত্তে।"

ঙাইহাক অমুক তৃমিন লৈকববা মতুংদা হাযবকই, "ঐখোয কনাসু মাগী যেক্লুবা নত্তে। মানা শিজনবগী মবম্বু কবিনো? অবেম্বদা নশাবু অমম্বদা চিংথজগনু।"

ব্রাহৈদুগা লোযননা বিজয থুনা মপাম্দা থোকখ্রে। মাগী মাযথোঙ যাম্না হেন্না

মর্কশিনর্খিবগুম মুহিনিনা খলহৌই। অমম্বা কাদা মুহিনি মতোমদা লেপহৌবি। হৌজিক মহাক্না কনাবু থাজগদগে অদুগা কনাবুনা চিংনগদগে? নৎত্রগা শোযদুনা নাম্থখিবনি হাযবা মহাক থাজসিবা? অদুগা সপনাগা বিজযগা মবক্তা লৈনবিবা মবীনা কবি? বিজযনা লীবল্লিবা ব্রাবীদুনা অচুম্বা ওইবল্লবদি মানা বিজযবু চিংনকবা অবানবা ওইবোইদ্র। ? অদুগা মাগী নুপাদি? নত্তে, নত্তে মদু ওইববদি মহাক খাওবা ওল্লোই। মাগী প্নাসদা অদুক লাইবক থীবদু তল্লমদবা ওইসনু। তল্লমদবা ওইসনু। মাবু কবি লানখ্রবগে? কৈদৌবগী অদুক শাথীনা তৃকৎচনিংঙাই ওইববা লাইবক্তু মঙোন্দা তল্লমগদৌবিবনো?

কবিগীনো মাগী পাক্লিংনা অসুক লৈতাদ্রিবা? কবিগীনো অসুক নীংজিং মাভ্রজিংনবিবা? চিংনবা চিংনবসিনা মাবু অহীং নুংথিল চুপ্পা লৈফম খঙহন্দে। অচুম্বা অদৃতদি খঙনীংই। কবম তৌনা খঙবা ওমগদগে? কনাদা হংলুনি?

মাগী পাক্লিংনা চিংদুনা ধিবেনগী চেকশিন্না থম্লিবা চে চাং, লাইবিক্লচিংবা হাপ্লবা উপুদুগী নাক্তা লেপ্লই। চে চাং পুম্নমক ফাক ফাক্লনা থিবদা নুমিৎ তাখিবা খঙহৌদ্রে। কবিশুম্বা খঙবা যাবা পোৎ অমত্তদি ফংদে। হঞ্জিন হঞ্জিন ফাক্লবা লাইটানকশিংদু ইচাই চাইবা। কবিশুম্বা ধিবেন খুদকসিদা লাক্লবদি কবি পাউখুম পীগনি। পৃং মপ্তা তাবগী ফক্লাং ঘডানা যৈবকপদা নীংশিংলক্লে ধিবেন হল্লকপা মতম যৌবে চাইবিবা পম্বা থুনা লোইশিন্দুনা উপুদুদা হাপচিনবা হোৎনৈ। খঙহৌদনা লাহবক অমনবা অমগী মবক্তগী অথপ্পা চে অম মাচ খর্জাক্তং লীৎথোবকই। শৎতোক্লনা যেংলুই। মথক্তা হীব 'দা ধিবেন।'

ধিবেনদা ইবকপা চিঠিনি। কনানা ইবক্লিবা? ইবক্লিবগী মিংদি থাদে। মুহিনিনা খল্ল – মসিবু পাখিসিবা? মখাগী বাহৈ পবেংদু হাইফেভ্রং যেংলুই।

"ঐবু হিংহল্লবগী কনানা লাম্ভেংনবীগনি?"

কবি হাযলিনো মাসদি? মখাদু পাথবকই,

"ঐবু নঙনা নুংশিবীবিবদুমক ঐনসু নঙবু থাজৈ। অদুনি হায়দুনসু মপাগী ইজ্জৎকা চাংদম্নবা যানা কবম্বা মচানা লম্লানবী অমগীদমক লেপ্পীগদগে? হাযযু, নঙবু অপোকপা ইপাদুগী মাযোক্তা ঐগীদমক লাম্ভেংনবা ওমগদ্রা? চাউখ্রবা সংসারসিদা ঐগীদি কনাসু উদে। ঐগীনি খঙবা নখোযসু মতাঙসিদদি ঐগীদমক কবি তৌবীবা ওমগনি। ঐগীদি শিবা নত্তনা উপায লৈত্তে। খঞ্জখিবনি মহাক ঐগীসু ইপানি, ইপাগুম্বনি। অদুবু লৈখা তাবা মাগী লমচৎতুনা মপা মচাগী মবক্তা লৈনবম্বা মবীদু

শাথীনা মোংহল্লে। ঐ খাঙবা ঙমদ্রে। ঐগী বাসি তাবদা শোযদনা কোক্তা বক্র তাবর্ক্লনি। ঐগী কনাসু খঙবীদনা লোইশিনখ্রগদবা পুর্ন্সিসিনা নঙগীদমক কবি তৌবপ্প। ঙমগনি, শৃপ্লতগী মৈচাকসিখক পীবম্বা নত্তনা। নত্তবু অমম্বদা থম্লমদুনসু চৎনিংদে মসিগীদমক ঐবু বাবৌগনু।"

কবিনো মসিবু মতাক হৌজিক কবি তৌগনি, কনাবু থাজগনি, খঙনা খঙনা খৰশিন্নদনা লৈবিবা ধিবেনবু গ্রাবৌগদ্রা, কবিসু খঙদনা অমম্বদা চাওদুনা লৈবিবা মাগী মতৈ ইবুংঙোগীদমক থম্মোয শোক্লা কপকদ্রা, মাগী মপা শল্লবা মকৈবোকপ, তৃক্কৎচবনা যূর্মসি থাদোক্লুনা চৎকদ্রা, হৌজিক মুর্তিনগী কোক্লা বাহং চান্সনা অকনবা নোংলৈ তৌবক্লি।



লাইবক ফবা

থৌরানী ঙসিদি চৎখ্রগনি। হোষ্টেলসিদা চাকথোংবী ওইদুনা চহী কয়া লৈনকপদগী ছাত্র পূম্না মহাক্কী মচানুপীমক্কুম লৈবক্লবসু মখোয়না মাগী খম্মোয়গী অহাঙবা মফমদদি মেনশিনবা খক ঙমখিদে। মহাক্কী ইনাওবগীদমক চাউববা মফম অমদি অদুম খাক্কনা থম্লকই। ছাত্র কয়ানা হেক্তা লক্লে, "থৌবানী...।"

মখোয়না থৌবানীবু ইনে থৌবানী, অমুক্তা ইমা থৌবানী অমুক্তা থৌবানী হায়দুনা কৌনিং কৌনিংবা মিংগৌ শীজিন্নে।

"নঙগা ইনাওবদু মবাযবক ফবকখ্রমাল্লে। মতম চপ্পদা ঐখোয়গীসু শোনবীনবা থৌবানীগুম্না ইমা অমত্তং লৈজবদি নুংঙাইজখ্রনিদা।"

"অঙাওবীশা, মমানবু মচা নুংশিদে হায়রা? নখোয়গীসু নমানা মীৎকৃপ কাংদনা নীংশিংলমগদৌবিনি।"

হায়জবা শাই হায়দুনি, মপুক্লিংদদি খল্লি— ঐনা ঐগী ইনাওবা নুংশিবগুম কনানা নুংশিনমগদগে?

"থৌবানী নঙদি নঙগী ইনাওবগী নাক্তা লৈখ্রগা ঐখোয়দি কাউখ্রনিদো?"

ছাত্রি অমনা অমুক হায়বকই, "নচানুপাদু থবকসু তৌবে হায়, নমৌনুপী

অনৌবীগী সেবাদা কদাযদগী ঐখোয নীংশিংবা শংলদগে?"

থৌবানী থৱায তানা নোকচৈ। ইনাওবনা অঙাং ওইবিঙৈ, স্কুল চৎলমদাইগী নিঙাই, হল্লকপদা মহাক থিবগী ৱাবী, কযা কযানি মহাক্না লীখিবা। বাবীশিংদু হাঞ্জন হাঞ্জন লীবদা অতাবা মখোযনা চোকথববসু মহাক্কী মফমদদি ইনৌতা নৌবা বাবী অদুম্মক ওইদুনা লৈ।

ঙাঁসিদি চহী নিপাল মাপল মযুম ওইদুনা লৈবক্কুবা মফমসি থাদোক্লগনি খনবদা থৌবানীগী পূক্লিংদু ইনৌ নৌথোবকই। মফি ফিজি থাঙজুনা পিনা চোৎলবা মমীত তৈথোকই।

"থোবানীগী উশোয কাঙশুদু হাউবনিদা।"

ছাত্রি অমনা হাযবকই, "ইনে চাউবীগী ঙা থোংবদগী থৌবানীগী উশোয কাঙশুনা হেল্লি হার্যবিপোৎনি ঐখোয বার্ডেনফাও।"

থৌবানী অবাবা কাউথোক্তুনা নোক্লকই। ছাত্রিশিংদসু নোকই। থম্মোয নৈগনবা ওইনবগী পিবাং চেল্লবসু মাগী ইনাওবগী নাক্তা লৈকৎবগনি হাযবগী নুংঙাইবনা শাৎকাইহল্লবা মকা লাম্লবা মমিদু মীনোক্লুদা মথন্তা চোংথোবক্লে।

"থৌবানা নঙাক ঙাঁসিতা খঙঙি, বাশি যাম লৈজাৎনিনা।"

"মচানুপাগী নাক্তা চৎলমদাইগী, নহালমখৈ লোৎশিন্দুনা থম্লম্বদু ঙাঁসিতা পথোবকপা ওইর্বনি।"

মানা মানা ঙাঙানবা ঙাংদুনা লৈশাবীশংদু মখোযগী থৌবানীবু থিন্দোবকই। বসতা ফমহল্লম্লগা মতম কইনা পোযনবক্লবা মহাক্কী মচানপীশিংদু মাবু নাইতোম থম্লমদুনা চৎখ্রে। মতোমতা ঙাযবর্বাসিদদি মাগী থম্মোযদু ইনাওবগী নাক্তা যৌনংবনা মনাং তম্লক্লে। মাবু উবদা মাগী ইনাওবনা কযা হবাওজগদবা। মমাৎ তপ্না উইর্শিল্লি উৎকই নিংাই চাউগল্লবা ইনাওবনা মডোন্দা চৈগদবদো।

"নহাক্না লাকপাদ কৈদৌই?"

মাবু খোঙদগী কোকফাওবা যেংলগা মখা তাবক্লনি।

"ইমা নঙ নযাং হম কংশিল্লে। অহলসু ওইশিল্লমাল্লে?"

মানা ইনাওবব যেংলগা খুমগান, "ঐনা হেন্না লাক্লংলিবনিনে। অদবু তেংফা লাকপা যাববা?"

ইনাওবা লুহোংদৌবে হাযবগী পাউ হেক তাবদগীনি মানা হোস্টেলগী বার্ডেনগী নাক্তা চক্লনা পোথাজবগে হাযকৎবদু। বার্ডেননা নুমিৎ মঙা তবাদংদি লৈখো, মাগী

মহুৎ অমা শিন্দ্রিফাওবা হাযবদুদা যাম্মা ৱানা ঙাইবকখিবনি।

মমা নৌনা কাযনববা নুপামচাদুবু মহাক্লা কযাদা নুংশিজখিবা। মাগী নুপা বাসুদেবনা অবাপ্পা মফম অমদা চৌকিদাব ওইনা থবক তাবিঙৈদা পুবকখিবনি। নুপামচাদুগী কনাসু লৈত্রে তাবদা থৌবানীনা মহাকপু মচা ওইনা চেৎনা কোনশিঙ্গখিবনি। ইনাওবনা মচা লৈতবা মহাক্না মচা ওইখি। মহাক্লা নুংশিনা ইনাওবা হায়না খোনবীখ। নপামচাদুনা মশাগী মমিং ওস্থোক্লা খুৎলোইদবা অমদি হাযখিবনি। তৌজাক্ত কনানা নীংশংলমগনি মহাক্কী মামং ইনাওবা নত্তবা অমা কৌবম্মী হাযবা।

ইনাউ বাউবা, মনপ চোনা নুপামচাদুনা মবোল ইশেং শেংদনা হাযখিবা মশাগী মংদু নীংশিংদ্রবসু নুপামচাদুনা উপঙ পঙবা মতৌ, ইচম চমজবা মীৎযেংদু নীংশিংলুবদা থৌবানীগা মান্না নুংশি মানোক অমগী মমি ত্থবক্লে।

নুপামচাদব মচোন্দা ইমা কৌতন্নবা হোৎনবদা কযা বাখিবা।

"ওস্থোক্লসু মনং কনস্রবান," মচান্দা মথন্তা শোইঞ্জ, "মানা চেক ভুমদুনা খাম্নগা তাদবমইখীনা মানা সিংফায যাওখিবদো।"

অদুদগী নাংশি লকই মথত মথঙ ইনাওবনা সিংফায যাওখিবা। বাসুদেব লৈখিদবা। অহানবা যমদুনা মতোমতা লেনখিবা। অদুদগী হোস্টেলগী চাবুংপনবা ওইদুনা লাকাখিবা। শাংলবা মতমদ মহাক নোংমতা মাগী ইনাওববু নীংশিংদবা নুমিৎ যাওখিদে। ইনাওবগী চাক, ইনাওবগী ফোন মংভান্দাদ খ্বাইদগী মমল যাম্না পোৎশাক্ল। মদুনা মহাক্কী পোত্থানফম্নি। ইনাওবনসু ওত্তনা হংলকাখি ইমা নড নাদববা'

"ভাডা তৌবাস হমা"

গাডিগা কণ্ডক্টরদুনা মাগী মঙলান থুগাযবকই। লুপা তবা চৎপা লেপ্চ অমা লৌথোক্লনা পা। কণ্ডক্টরদু শেলদু লৌবগা প্রপ প্রপ চৎখি মথভুগা ভাডা খোম্ন। লুপা মাপলথব লৌগাদবস লুপা তবা অদুম লৌখ্রে।

"ইবু চে লুপা অমা হল্লমাদ্রনো।"

কণ্ডক্টরদু হোয মই হাযবমদে। মতোমতা লাকপা তাহৌই। মাগী ইনাওবদু ওস্থোক্লা কপচর্বনি। সিংফায থনবগী পরীক্ষা যাওবা চৎলমদাইদু মহাক্লা লুপা যাঙ্খ্রেথক পীখি। ভাডা চৎনখ্রগা লেমহৌবদু চপ চানা হল্লকপগা পীশিল্লে। অদুম থমাজঞ্জৌ হাযবা যাখিদে। অদুম্না কযার্বক্লি তৌখিবা।

"ইমানা বানা তানবা শেলসি অবেম্বদা শীজিন্নবা পাম্মুই।"

মচান্দা কবিসু খুমখিদ্রবসু মপৃক্লিংদাদ খুমখি ঐনা তাল্লিবসিবু নঙনা

শাজিন্নাদ্রবদি কৈদৌননি।"

ইনাওবনা সিফাযদা চঙখিবদগীদি হান্নগী এঙ্খাং নাপী লল্লোনবগী কানবাবদ্ তোক্লগা হোস্টেলাসদা লৈবকখিবনি। মতোমতা ঙাযনবা যমদুদা লৈবদু নুংঙাইতবদগী লৈকাযগী মচে ইবেনিনা হোস্টেলগী চাক থোংবা যাওহনখিবনি। ইবেনি হান্নদগী চাক থোংবা ওইবাক্লিবনি।

ফনা কুইববনি ইনাওবনা মহাকপু লাকও হাযনা কৌবাক্লিবসি। ইনাওবা হৌজিক্ত মাগী থবকসু মণিপুরদা তাববনিনা যুমদা চথোক চংশিনগী মতম যাম্না হংলে। নুমিৎ কযানি লৈথোকপা ফাওবা যাবে। অদনু থৌবানী ফনা যুমদা লৈনিংলনসু চংখিদে মবমদি লৈবা তাববদি ইনাওবনা মযুম মকৈ পাল্লগা নে না তানা লৈনীংই। হন্দাক্তি ইনাওবা লুহোংগদৌবে। কনম্মা যুম থাদোক্লনা লৈকগনি। ঙবাংতা ওইনবোই নাই, ইনাওবনা নিঙাই তৌদনা স্কুল ছুটি থাবা ফাওবা মহাকপু ঙাইহন্দুনা হেক হেক লেহনখিবদো। নযাদা থাজাখিদ্রবা অচুম্বনে" থৌবানীগী মীত্তা পিবাং ঈহৌবকই।

"মতম নঙনা পুবকপা অহোংবাসি কযাদা পূক্লিং নুংশিখ্রবনে অদগা কযাদা নুঙশিবা।"

মশাবু কাইথোকচনকই। ইনাওবগী সংসারদা মশামকপু তিনাশিনাখ। মমৌ, নশা.. .

"লুপা মঙাতা পাবম্মুনে থোইবা। ঐ শোযদনা শিংগানি। হান্নগীদুসু পাশিল্ল, শেন্দোযানে, শেল্লেপনে।"

"যাওদ্রে, থাউ হান্দোকখ্রে।"

"তৌনুদা, ইচানুপাগী তলব হেক ফংবগা শিংগদৌবিনি।"

"নচানুপানা হেক ফংবগা লৈহল্লো নঙনা লৈগদবদো। ঙবাংসু মঙা লৌখিদাই।"

গাডিগা কঞ্জক্টবদুগা ঙাঙনাববদু তাবদা গাডিগী থোঙনাওদা যেংথোক্লুই। কৈথেল মচাগী মনাক্তা লৈবা গাডি পার্কিং মচাদুদা গাডি ঙাইহাক খাল্লিঙৈদুদনি।

"নঙগী লুপা মঙাদুদি ঐগী ইচাতোম্বদদি কবিসু নত্তেহে। মাদি অচৌবা থবক অমা ফংলবনি। মাগী তলবত্তু হেক ফংবগা তঙ্খায অমদুম হাপকৎপীগে।"

নুপীদুগী মতৌবু মুন্না যেংলিবা থৌবানী যেংদুনা, মাগা থংননা ফল্লিবা নুপাদুনা হাযবকই, "মচানুপাদু আর্মিনা ফাখিবদগী মফম অদুম খঙখিদ্রবনি। মদুদগী বাখল চোইখিবনি।"

"ও। মচাদু থৌজিক্কালগী নহাবোলকাদ্ যাওবনিনে।"

"যাওবদি যাওদবজাৎনি। চিংনৈ হাযদুনা ফাখিবা ওইবমাল্লে।"

"ওন্থোকইদা।"

থৌনানাগী মান্ডা মহাক্কী ইনাওববু উবকই। ইনাওবগী মথবাক্তা নোংমৈ মক মশা খংদনা পান্দ। অঁাঙ, নাহি, তৈনা তাদনা লৈবগা শক্তম।

"ঙমা তে অশূব, অদু ওইব্বদি কবম্না হিংগনি?"

"অদুঙ, লৈবাকসি ঙংবা ঙংহেদ্রবজাগনি।"

হংনা নিনা নপাদনা হাযনবই, "মচানপাদু মদুমতা যাওজবনি। লাইবিক্তা হংবব্রবন মমাসংস তাশা পাম্না তৌজখ্‌বনি।"

খং খবা থৌবা হৌববা গাডগী থোঙনাওদা নপাদুবু যেংলুই। তাবানবা লৈতনা মনা লৈনদবা বা কযা ভাউ ভাংদুনা লৈহৌই।

"ওবাইবক ওন্থোক্লস্ থাস্রেদকো।"

মাংদস শোল্ল থৌবনি। লাক্লবোইদবা মচাদুগ আশা তৌহৌবাদুগাদমক পাবাকখং চেশ্লনকই।

নাঁডদনা লৈবক অচৌবগী মপাদদা থাম্লবতদা মাগী মঙলান কাযাস্রে গাঁড়গী কণ্ডুন্নবনা হ ধবানকপা মাগা মফি মংবাল সাওবা ওযব লেগাঙ পাহদুনা মাগা অপাকপা মমানা যমদুগী থোঙাজন্দা থুংলবে। নী হিজনা কোইবাদ্রবা ইচেথোলদ্ কাযাগী অমু গ যেলবগা শোল্লকই, "ইনাংবো নঙব্ ছুটিগী অমত্ত যংদ্রবনা? ওঙ সিংগং সতা ওইদনা হাযবব হেক যাদব যমদা লৈবস্ ফদনা হবক্তুব ননা অদক পাম্ল্বনা বানিগানো?"

মশা মতোমতা অমুক চৈজে, "এসনলো নুমিৎ মঙা তবানিদং ছুটি লৈদুনা ইথোলাস যাংলবা হাবনি।"

মপক্লিদা খল্ল তাদগাদি যমদা লৈবগদবনিনা এঙ্গাং মখল শুনবা থাবগে।

চসাইমাখ উকদে, ইমংদা চঙগে হাযদুনা থোঙদু নল্লবদা উবকই, শো লোল্লি। মাঙ্গোল মচা অমদা যমথনকই ইনাওবদু থবক অমা চখোকখিবম্লস্ যাই খন্দুনা। মপ্লক্লিংদা খল্ল লুতোংগদবা নুমিৎ নীনি হুম্নিতা ঙাযববসি ফাওবদা যুম ইথোলাস শেমজিন্দবনি, ওন্থোক্লা থৌশাদেদকো।

"ইন্দোমচা কযাম কুইবে?"

"ভাইতাক ওইলে ইবুংঙো।"

যুমথংননা লৈমিন্নবা ওকেননি। মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা হায়বকই, "ইন্দোমচা, যুমগী শোবুদি ঐঙোন্দা ইনাওবনা পীবস্মী। ইনাওবদি কুইবে, লাকখিদবা।"

"মহাক লুহোংলনি হায়বদুদি?"

"ঔ, অদুমাইনা তায়। নুপী ময়ুল্লোমদা অদুম হোংদৌবা ওইবমাল্লে।"

থা অহুম মবিসি থৌবানী ইনাওবগী মৰা মপাউ তাখিদ্রবনি। নোংমা ইথা থাজদনা তাবকখি ইনাওবা লুহোংদৌবে। লৈকায়গী, ইনাওবগী মমান্নবা অমা থেংনবদা তন্নৰ্ম্নি মদুসু। ইনাওবগী মফমদগী নৎত্রগা ইনাওবনা পাউ চেল্লক্লনা তাখিবা নত্তে হায়বদু হৌজিক্তা থৌবানী নীংশিংলকই। মতমদুদদি ইনাওবনা হায়বকপা হায়বক্তবগী ৰাফমদু মহাক শুকখনবু খল্লুদে। মহাক্কী আশা পুম্নমক্কী মপূ ওইবিবা মচানুপাদু লুহোংদৌবে তাবদা হবাও নুংঙাইবনা মহাক কবিমক্তা খল্লুদে।

"কৈদৌঙৈ লাক্লস্মী?" মপূক্লিং ফাজিন্দুনা ওকেনদা হংলকই, "কবি কবিদি হায়বস্মি?"

"থামুক্ক' ময়া ওইবল্লনি মহাক্লা লাক্লস্বদু। ইন্দোমচাদা খবা শিন্নবীয়ু হায়দুনা শোন্স পীবৰ্ম্নি। ৰাদি কবিসু হায়বমদে। মহাক্তি নুপী মপামদা অদুম লৈগদবগী মওঙ ওইনা তৌই।"

হৌজিক্তি থৌবানা কবি অমুক তাখিনি। মগী ইনাওবনবো ? মহাক্কী মীত্তা পি তাবক্লিবা কাবগানো ? মহাক ঙসিদি মাগী ইনাওববু ৰাবৌবব্রা ? অসুক কুইনা খল্লক্তবা বাফমদু ঙসাদ মপূক্লিংদা ফাওবকই।

হংজনকই, 'কবিগুম্বা নঙনা ঐগী অশেঙবা ইচামক ওইবল্লবদি অদুম্না তৌবা ঙম্লমগদ্রা?'

থৌবানীনা মপূক্লিংদা মশাবু চৈজদুনা হায়বকই- মীওইবদি মিনুংশি ঈখৌলাংই। কনাগুম্বনা নুংশিবীবকপা পাম্মী। কনামত্তগী নুংশিবা ফংলক্লবা ইনাওবনা ঐগী নুংশিববু মতমদুদদি মমল বাংনা লৌখিবনি।

মহাক্কী মীত্তা উবকই- ঙসাই বস পার্কিং মচাদুদা লৈহৌবা অঙাওবীদু। মহাক্কী মফমদদি লৈহৌবি, হল্লকখিদ্রবা মচাদুগী থম্মোয়দা হাপখিবা নুংশিবদু অদুম্মক লেঙদনা, অদুম্মক মযেং তাদনা। মহাক্কী পূক্লিংদা নুপীদুবু কল্লকউই। মচীন্দগী থোকখি, "নঙদি কয়াদা লাইবক ফত্রবা।"



করিগীনো...?

তুংদা কবি ওইবক্কনি কনানসু তম্বা ঙমদে। খঙলুবসু ঙমদে। অদুবু কবিনো খুদোংথাবা অমদাদ তাবা শোযদ্রে খঙনা খঙনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙদ লেপকে খল্লুদ্রে। মাঙ্গোল মচান যৌশল্লকপদা মিঙুলগী খোঙজেল কনখৎলকই। কৌগে থনবা মংদুদ চান্দগী থোবক্রে। মচন্নুপী অতোম্বাগী মংদু নাশোন পীক্লা, খোঞ্জেল নাক্লা কৌবকই। খোঞ্জেলদু তপমনাখিবনলা নংএগা তশেঙনা অনকপদা কনাসু নৈতবনবা কবিনো পাউখুম অমত্তা লাক্তে। অমুকসু কৌকই তন্দাক্ত থৌনাসু খঙাব লাক্লমাল্লে, হান্নদগী খোঞ্জেলদু খবা কনখৎলকই।

"কনানো?"

অতল অমা বাহংাসগা লোযননা থোবকই। হান্না ওইবা যাবা কযা শাগগুনা লাকখিবা চাংদুদগী হেন্না পাখৎপা ফাওবকই। মমীত্তু কিবনা তথক তথকই। তনীক তনীকপা খোনফমদা খুন্নকই।

"ঐনি ইমা।"

"এ! নঙদি কৈদৌবগী?"

রাহংসিমক্কী পাউখুমসু শেম শাবকখি হাযবা যাই। মশানা খঙখ্রবান, রাহংসিদি

মানা যুমদুদা চঙলুবদা শোযদনা হংলক্লনি হাযবা। মতম চপ্পা শাগঙুনা লাকখিনা পাউখুম ঙাসিদি মহাক্কী চান্দগী থোবকউ যাখিদ্রে। মফমদুগী উপাল বাপালদগীনা থবাথ পান্দবা যুম ইস্কোল ফাওবনা বাহংদ হংলিবোই খল্লকই। কনশিনখ্রে হাযনা মশা মতোমতা চাউথোকচনা কযা পুদুনা লাকখবা থম্মোযদ্ কর্নাশিল্লমদ্রে। হেন্নদুম পেশ্বখ্রমাল্লে খল্ল। নোংমা মাগীনি হাযনা তাকখিবা মফমসিমক্তদা বাহংসি হংলক্লি 'কাব তৌবা লাক্লিবনো ?' নুমিত্তুর্দদি ব্রাহংদু হংবগী কনাগীসু হক লৈখিদে। মতমদুদা হংলক্লমল্লবদি চাউথোক্লা পীনবা পাউখুমসু লৈবস্মী।

যাম্মা ওপ্পা অশোংপা সুবদা অমুক হংলকই, "যর্মসিদা নঙগী কাবনু লৈহৌবিবগে ?"

হাযনিংলর্মন পম্মমক লৈহৌবি, ইচা লৈহৌব, নাংাশংবা লৈহৌব, হেক ঐগীনি খঞবা পুম্না লৈহৌবি। অদুনু কবম্না হাযবা ঙমগানি।

"ইমা এ চনচনগা অমুক্রা উনজগে ?"

"চন চন লে৫৩, কোচিং চংখি। ইবোচৌবা খঙলাদ নাতে চাববোইনে।"

মহাক মশাগী যুমদা মানা চঙবদা কবিগী অপনবাস লৈবিবনো ? মহাক লুখ্রাবাং অদুনু যর্মসিদা মাগী হক লৈযম থোক্তববা ? মচানা লৈবিবা মফমদা মমানা চঙবগী হক লৈ এরাসিন মাগী কনম্না মবালদগীনো ? মখোযনা মাগী মবালনি হাযনা পাবিবদ্ মহাক্লা শংলম্না ও বর্বদি মহাক্কী বাকৎ লৈবম্লোইদবনি। যুর্মসিদা চঙবগী থৌনাস লৈবম্লোই।

"ইমা, নমৈনুপা অতোম্বাদা হাযখো, যর্মসিদা মদু এ যানিংদে।"

নুমিত্তু মানা স্কুলদগী হল্লকপগা ফি হোংদোক্কে তৌবৈদুদা থংনবা কাদগা। মতে অহন্না হাযবা তাখি।

"এখোযগী ইজ্জৎ সম্মান, ইমুংসিগী ইকায খুম্মবা খজীক্তসু ঙাক্তনা হাযবাসব ।"

"কাবনো হাযবদ্ মযেক শেংনা খঙখিস কৈদৌগে ইবোচৌবা। মীনা পঙহায হাযজিনবীনসু ওইবম্না যাই।"

"খঙবা হাযববু কবিনো ? ঙবাং স্কুলদগা হল্লকপদা লাকমিন্নৈ হায। মীনা ঙাঙনবসি এ যাম তৈনদে।"

মমৈ মকোক শম্মবমর্দবা বাকমদু ভাব তাবক্লে। হল্লকপদা সনাযাইমগা থেংনদুন

লম্বী মতেক অমা চৎমিন্নবকই। সনায়াইমগা অদুম্মা লম্বী মতেক অমা চৎমিন্নবগীবু অসুক লাল্লমগনি হাযবসিবু কবিনো?

সনাযাইমা কবিগীনো সনাযাইমগা মহাক্কগী মবক্তা অসিগুম্বা পল অমা থোবক্লিবা? মখোযপূম্বনা খঙদবা লৈত্রবনি সনাযাইমা মাগীদি কনানো হায়বা। মাগী পূম্নমক ওইদুনা লাকখিবনি। মাগী মপৃবোইবনা মাবু থাদোক্লম্বা মতমদুদা সনাযাইমা লাক্তুনা হাযবখি, "নঙবু কপহন্দনবা শবৎনা ঐঙোন্দা শিন্নবম্মী, ঙবাংসু কপমাল্লে ঙসি অহীংগী মঙদা শবৎনা কযা শাথীনা চৈবমখ্রে। নশাগী খন্দ্রসু ঐগীসু খবা খল্লু কৈদৌগে।"

নমদুনা মাবু নোকহনখি। মখোয মযামবুসু নোকহনখি। মতমদুদদি মখোয়না মাবু কনানি হাযদুনা চিংনখিবদবনো? শবৎকী লাযেংবগী দাযিত্ব পূম্বা লৌদুনা ভাবতকী মমিং চৎপা কেন্সব হোস্পিটল পূম্বা কোযপ্‌ পুদুনা চৎখিবদা কনানা থিংখিবগে? হাযবসু হাযখি, "সংসাবদা ঐনা খ্বাইদগী পামদবা অমা হাযববদি নঙনা নুংশুক নুংজান্ননা লৈবসিনি।"

মহাকপু ব্রাহন্দনবগীদমক কযাদনো সনাযাইমনা হোৎনখিবা। কোযচেন চেন্দুনা শবৎনা তৌবম্বা থবক্তুগী মহুত্তা মহাকপু থবক তৌহনখি। মতমদুদা কবিগী মখোযনা মাবু লম্নানবা ওইনা খনবা ঙমখিদবনো?

"ইহে, লেপ্তুনা অদুম লৈবগেবা? ইবোচৌবা লাক্লিবৈঙেদা চৎখ্রোনে নঙবো?"

মীকপ খংথোক থোকপগুম অমুক্তং মশাদ্‌ লেঙলগা হংলুই, "ইমা, চনচনবু কবি স্কুলদা তম্লিবগে?"

"সিদা লৈতেনে, আ... মীবমদা বোর্ডিংদা লৈদুনা তম্লি। হন্দক্তা কালেন ছুটিগী থোবকপনি।"

"অমুক্তংদি উনহনবীযু ইমা। মানা ঐবু উবদা শোযদনা হবাওজগনি।"

"নঙনা নচাবু উনিংবদু ঐ খঙই অদুবু ঐনা ঙমদেনে ইবেম্মা। নঙ খঙবা নৎত্রা ইবোচৌবনা কবি হাযখিবা।"

হৌজিক্তি মফমসিদা পম্থনবগী মাগী কবি থৌনা লৌব? মাগী মচানা মাবু নীংশিংলদবা? নোংমতা ওইববসু হংলম্লোইদ্রা? ওম্পোক্লা খঙনিংলুই।

"নযাওবু ওম্পোক্লা কংলেনে। না যেকপদি তৌদেদনা?"

ব্রাহংসিনা মাগী মীত্তা পিবাং ইহৌহল্লক্লে। চহী কযা মাঙলুববা পোৎ অমা

খূদর্কাসিদা ফংবগুম থম্মোযদু নৌথোবক্লে।

"উমা নাদে।"

মাবু নাদববা? পূক্লিং হকচাও অনীমক তশেঙনা নাববনি। অহীং কযানো মানা তূল্লক্লিবা? তোযনা মকোক ঙাওবা হৌই। খোঙ খূৎ চীকই। পৃক শৌগৎলি। সনাযাইমনসু হেক্তা ঙাঙখিবনি।

"ডোক্টবদা অমুক্তং যেংথোকহনাসি হাযবসি নঙনা সুকযা হেক যাদবনি। ফবেনে, মদুনবু কবি ৱাখল থোক্তোইনো? নঙসে অনমদি কনবজাৎনি।"

"ডোক্টবনা য়েংলগবু ফগদ্রা?" মহাক্না যানিংদনা হংখি, "ঐগী পাক্লংবু ডোক্টবনা নুংঙাইহনবা ঙমগদ্রা? মখোযনা ঐগী কীশ্বর্বাক্লিবা সংসার্নাসি অমুক শেমগৎপীবা ঙমগদ্রা?"

মাগী বাহং মযামদ্ সনাযাইমনা খূম্না ঙর্মাখদে। কপম্নসু ঙল্লগনি। ডোক্টবদা যেংহনবগী বাফমদ্ মানা ঙমদুনা অদুম্না হেক্তা লোইশিনখি। সনাযাইমগী পূক্লিংনা ফনা যানিংদদুনসু ঙমিন্না লৈবা তাখি।

মাগা নুপানা কন্না নার্বিঙৈদসু সনাযাইমনা মাগী হকচাঙগী মবমদা যাম্না বার্জখি।

"নঙ পাবক্লনিকো। চাব থকপা চাং নাইদবা তৌগনু।"

"শিনবা পাবর্বাদি ফগদর্বনি। ঐ সূর্কাহিং হিংলনিংদে।"

"তানিংদে অদুগুম্বা বাদু," সনাযাইমনা চৈখি, "পুম্নাসবু শিনবা পোল্লিববা?"

থেমর্জিন্দুনা হাযবর্কাখি, "পম্মমক ঈশ্বরগা অনীংবানি। মানা পাম্বদ্ ঐখোযনা থাংলনবা উপায লৈতে।"

সনাযাইমনা ফনা খেমর্জিন্দুনসু মহাক যাম্না কপাখি।

"কাবগানো মানা ঐগী পুন্সিদা অসিগুম্বসি থেংনহল্লবা। ঐনা কাব লানথ্রবগে?"

মীওইর্বাদি মশাগী ওইজবা থিদুনতা লৈ হযদুনসু পীথোকপগী পেনবা নাইদবা মফমসু লৈতবা নত্তে। মী মীদুনা মশানা খ্বাইদগী নক্লবনি খঞ্জবা কনাগুম্বদুগা মফমর্দাদি পীবগী নুংঙাইবসু ঙমখে নাইদে। ঙাসসু মহাক্না নীংশিংলি। কবম্নসু হেক কাউবা যার্গনি। সনাযাইমগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মমল লৈনা ফংখিবা সনাগী তকমান ঙাস মাগা খূত্তা তাদুনা লৈবি। সনাযাইমগী এম এস সি ফাইনেল পরীক্ষাদা মকোক ওইবকপগী

মংলকপা সনাগী তকমানদ্ পুদুনা উৎলৈ।

“যেংউ, নঙণা মতম খদিং হায়দুনতা লৈবদ্রা।”

“মাসাদি ইনাক্তা থমজবগেকো।” হবাওনা মখুত্তগী তাপ লাক্কুনা যেংদুনা হায়খি, “মসি নঙনা ফংদনা কনানা ফংদোইনো। ঐদি নঙবু খঙই।”

“হোয়ানে ইবেম্মা,” মাগী মচৌ তমদুনা সনাযাইস্ হায়বকখি, “নঙনা খঙদনা কনানা খঙদোইনো। নঙগীদমক্তে ঐনা লৌবক্লিবসে।”

মাগী ঙক পম্মক সনাযাইমদা লৈবত্তুম তৌখি। নোংমতা খল্লুদে মহাক্কা সনাযাইমগা কাব মরী লৈনবগে। অদুবু সনাযাইমা মাগী পোৎলুম থোক্নিংংনফম্লি। মাগী সমস্যা খুদং চাম্লম্মি। নোংমত্তা যানিংদবা উৎখিদে। হবাও হবাও মশানা পামজনা থোক্নিংলক্লিবা পোৎলমদ পুদনা চৎখি।

“মসাম মকুক পাল্লবা মহাক্কা লম্নানবা অমগবু মফম মতম হায়বা নাইদনা কৎলোই লোম্নংবা থানবা।”

মহাক্কা মতেংগা বাঙাঙদ মখাঙদা কেয়া শাখানা চৈথু অমা ওইখিবা মখোয়না সনাযাইমবু লম্নানবা হায়দুনা শক্তাক্লিবদ্ মহাব যানিংখিদে। অদুবু মহাক্কা কাবদি খল্লানি। লম্নানা নাঙবা পরিচয় অমা পানবা মম্লি, মগী মফমদা লৈখিববা কাবশুম্ব লৈনম্ম চাবগাসমক সমাপ্সিনা যাবা লৈল্লোই। মতমাদ ঙসি খাওবদা সমাজসিগী মরক্তা লৈরিবা মাংখোং অদুবু হাম্না পাক চাউদে। এইখোয়গী সমাজদা সনাযাইমগী মদুম্বোয়শুম্না অদগী মহাক্কী লেকই কায়থববা পুক্নিংগী মখাম মচেং অমফাওবা থম্না চম্দে। অদম্বীদমাক্ল সি মশোয় মশাল লৈরবা মশাল লৈনা চাঁবা।

মহাক মশেনবক্কা কাব খুমখিবা মহাক কবিসু খঙখিদ্রে। থাম্বলশুম পম্পাঙ পঙ নম্মা চসিংশুম্না বায়ম অমা লকপা যাই হায়না খল্লদ্রবদুস মহাক্কী মবাল্লা। অদুবু মনোমবেব মশাদুব চঙশিল্লক্লা অতম্লা হেক হায়বকখি, “সনাযাইমদ যাম্না ফৈনবগা, এইখোয়গা মদগী চংচংগী লৈংং কয়া পাংদুনা লাক্লি এইখোয় খঙই। অদুবু মদুম হায়দুনাস্ হৈনদবা মতংদা এইখোয় তেংনা পামদবনা কৈনে ইবেম্মা।”

মনেমবোক্কা থোৎনা শাফ কল্লবা পাউতাক মানবা বাঙাঙদু হেক্কা তবাই তবাই কপ্পোকপা ঙমবা খম্লোযদু মহাক ওইবা ঙমখিদে। খনবমখৈ খল্লুববা তুংদা সনাযাইমগী মাঙদা লেপ্লই।

"নঙ লুহোংলোদনা?"

ব্রাহৌদোক্না ইযাও যাওদনা হাযকই। সনাযাইমদু ঙক্লা মঙোন্দা যেংখৎলকখি। অদুগা ইচম চম্বা মীনোঙ্গা লোযননা খুল্লকই, "ইমানসু হায্রিবনি। অদুবু খর্জা ক্রং লৈখিগে খল্লি।"

"কবিগীনো? অকনাবা যাদবগীবা?"

"মাদি কবিসু হাযদে। মাগীদি হৌজিকমক ওইবসু অদুম যাইনা।"

"অদু ওইর্বদি হোঙলসি। যাম্নমখৈ থুনা।"

মাগী তকশিনবা মতৌদুদা সনাযাইমদু কবি খনবগী নোকথোনকই।

"ইচে, ঐগী থবক লৈবনে। কবিগীনো নঙনা তহা তহা হেঙং হাযর্বনিসিবো?"

"কৈসু তৌদে কনানা খঙনি অকনাদ্ মশকস ফজে থবকসু তৌবে"

"ঐ মাবু থাজে। মঙোন্দা ঐগী চিংনবা অমগা লৈতে। নঙসু খাজৌনে।"

"কবি থবক্লো নঙগী লৈবনবো? লুহোংলগা তৌবা যাদনা থবক্লা?"

"যাবর্দি কবিগী যাদনি। ঐনা খল্লিবসে নঙগীনি। নঙনা অদুম্না লৈবাস ঐগী নাখল অমত্তা থোক্কে। যাম্না বায।"

"ঐগী কবিবু বাৎপগে? ঐ যাম নুংঙাইবেনা। থবক তৌহল্লে। শেল থোক্লে। অদুগীস্ মগক্তা নঙ লাপ্না চৎখিগদবস্ নত্তে। যম পানবাদ মী পুম্নমক্না তৌনর্বিবান। কনানা হাযবগে নঙনা লুহোংদ্রবদি ঐ যাম্না নুংঙাইগনি হাযনা?"

নুমৈগা নাদু হাযবদা অশাওবগী সুব অমা খংচেন চেল্লকই। মদ সনাযাইমনা হুদুনস মশাওবা সুবদুগী অর্থদি খঙখদে।

"কাবনোনে নঙনা ঙাঙালদ্রবো?"

"নঙবু ঐগী কনানো?"

বাতংদু মহাক্না সনাযাইমদা হংবগী কবি থৌনা লৈবগে? অদুব নুমিত্তদি মহাক্না খুম্মাম্নগী ঈহাও ফাজিনবা চেমখদে। সনাযাইমদা তাইননকই।

"ঐ লখ্রবানি হাযর্বস নঙনা খঙালর্বান।"

হন্দক্ত মহাক তশেঙনা কপ্লক্লে। কবিমগা ফাজিনবা চমাখদ্রে।

"হাযযু নঙ এঙোন্দগী কবি পাম্বগে? কবিগীনো নঙনা ঐগী ফাঙর্মাসদা ইতোমতা থাদোক্লর্মদ্রবা?"

"ঐ নঙবু নুংঙাইতনবা পাম্মী। ঐনা হাযবদুনি, ঐদি নঙনা বাবাস যেংবা

ঙমদে।"

"অদুবু নঙনা ঐবু নুংঙাইহনবা ঙম্লববা? নুংঙাইহনবদি লাযবদনা নঙনা ঐগী কযাম মাংঙহল্লবগে হাযবা যাওবা নঙ নশাদি খঙদে।"

"অসুক কুইবসি ঐবু নঙোন্দগী কবি পামখিবগে? নঙগী ঙসিগী ব্রাহংসি ঐ ভব তাদে।"

"নঙনা ভব তাদবদুনানি ঙাস অসুক যাম্না ঙাঙনবিবসে। হাযযুনে নঙবু ঐগী কনানি হাযদনা ইতেং পাংগদৌবিবনো?"

সনাযাইমনা মাবু হেক্না নংশবী। মদুগীদমক চৈনাদু ফংবদা মহাক মতীক চাববা অমবা? চহী কযা চঙনা শাগৎলক্লবা মবীদু সমাজসিনা মশক খঙদে হাযদুনা অদুম্না হেক্না ২১ ৩৫লম্বদু অচুম্ববা নুমিতগী সনাযাইমগী মীৎযেংদু কবম্না মহাক্না কাউনা থমগা।

কাবনে সনাযাইমনা খল্লমগদবদো? মদুবু হৌনববা? হৌনদে হাযদুনা মাগীবু কান উপায় শৈখবগে?

মহাক্না সনাযাইমা উনববগা হল্লকপা নুমিত্তুম ক্রুদা অচৌবা লাঞ্জাওদু থোকখি। মাব যমদদা লৈবা যাববোই হাযবা মখোযগী যাথংদু পুদুনা মহাক মপামদা হল্লকখি। মাগী চহী মাবত প্রাযবিবী মচানুপীগা উনবা যাবোই, মমাগী বদনাম মখোযগী শাগেগা ঈ দদি তাহল্লোই হাযবা তমথাখ্রবা মতৌগা বাবেপুগী বজ্রনা শাংকপ শানা থুগাযবাবনা থম্মোযদুগা লেযননা মহাক মপামদা লৈবক্লি। পাক্লিবী মচানুপীবু হুন্দোক্লম্না মাংকপং নাংশিংনংদবা থৌদোক ওইদুনসু মহাক্না কাউবা ঙমদে।

অদুগা অদক চাউবা বাথোক্তুগী মবম ওইখিবা সনাযাইমনা ঙাস কদাযদা? সমাজসিনা মাংঙহবগ ২ থম্মোযগী মবাক তেক তেক কবেম্নবী। মবু মৌপ্পা নওনা নপা নুপাগী মবক্তা শপ্পতগী মনা অমখত্তংবু সমাজনা উই। মদমক্না ঙাস মহাক্না সনাযাইমগী মমল যাম্লবা থম্মোযদু মাঙজাখ্রবনি

"বোরোব, হৌদিব থোকাখবদু কনাগো?"

মহাক্না থোঙ্গাল যৌবকপগী অদুদা তুংদগী নুপীমচা অমগী খোঞ্চেলদু তাবদা তুং ওয়্রোক্লনা যেংথোক্লই। হৌজিকা মহাক্না লেংথৈনখিবীদুনি। বাখল অমদা খোবকপনা হন্না যেংশিল্লদবনি। হৌজিক্তা ভাব তাবকই মহাক্নী মচানুপীদু অসুম্না চাউবম্লনি। মানি, মহাক্নী মচানুপীদুমক্লি। কনা অমবু ওইববসু মমানা মচাবু খঙবদা মীৎকপ ফানা

চঙগদ্রা?

মচানুপীগীদমক মহাক্লা আশা কয়া শাগৎখি– মঙোন্দা ইমা হাযনা কৌববগী, লৈশাবী ফারক্লবী মচানুপীনা মাগী নাক্তা লাক্তুনা অরাৎ-অপা তাল্লদুনা কেজববগী; অদুদগী মচানুপী লুহোংবগী। অদুবু র্মচিং থীবী, মনুং কনবী মাগী মচানুপীনা মঙোন্দা অমুক্তসু ইমা হাযনা কৌবরোইদ্রা?

"খঙদেদা, কনাবু থিবা লাকপনো?"

"অঙাওবী ওইরমগদ্রা বোবোক?"

ও! মচানুপীগী মফমদগী মহাক্কী পবিচয় ঙসি তাবির্বাস তাদ্রিবৈগী মমাঙদা কিরগী চৎহৌদ্রিবনো?



দাগফম

অযক্কী লৌ শঙম অমা মখোয মঙানা খাওকবগা হল্লকপদু পূং অমা তাদৌবে। চৈশানা চাক্লৈ। শলম অচৌবদ লাম্লোবক্কী সড়ক লাবকপগী অদুদা ইঙোচানা তুংদগী সাইকল মন্দিলা ক্রীং ক্রীং খীংলগা মখোযগী মপা হৌবকপগা সাইকলদু থাম্মী।

"ইম্ফা তৌরোল পং মবিদা সনাথোইদু লাক্লনি, থোবকই হাযরনি। ঙসাই যোনা চৈবকপানি।"

মমাংবাশিংদ ইম্ফাদা যেংলগা মরৌ লৈনা নোকই। লবক্কী বানা থবক শকবগী চাওবা পাঙ্গ শল্লবা মাযথোং শ দু যেংনদা অবানা মচেং অমনা পঙ্কবগুম উই।

"হৌজিক চাওবা জেনগী পাঙ্গ ওদা ফোঙ্গ চৌবক্লি। যাবা নংত্রো, হাযখগে।"

ইম্ফাদু খুম্মম খঙদে। ইন থিলগা খাওবা লোইশিনগদবা লৌ শঙম অমামখাযদু মমানা পৈশা লৌশিল্লক্লবানি। অদুগা তাঙনা ফংবা মমল যাম্না মীৎকপ্পুসু তবা তবাইনা থাদোকখিবসু পাম্মুই।

"কবি হাযবিনো ইম্ফা?" ইঙোচানা তকশিল্লকই, "ইম্ফালদগী সি যৌনা

লাক্লগা নঙন'মুক থোকপীদ্রবদি মী নুংঙাইখিবোই।"

"লাকও কোক হাযখো কৈদৌগে, তা'ঙোচা নঙসিমা।" ইবেযাইমনা তম্ফাগীদমক হাযবীবক্লিবা ব্রাদুনা তম্ফাবু বা ঙাঙদবা যাহন্দ্রে।

"হৈবীবেদা, হোবেনদি লৌ খাওদৌ লৌবিসিদি?"

"নোংমখক লেপথোকপবু নঙসিদি।"

"ইমানা পৈশা লৌশিল্লক্লবনি যাবোই হাযবা। হোবেন্দি ইন্দোমচাখোয ইমাখোয লোই যাওদৌবিনি।"

মখোযনা মহুৎ শিনবীগদবসু মখোযসু নুংথিলগী লৌ খাওফম লোইনা লৈনৈ। অদগা মমাখোযসু যাওবনিনা মনা চত্তবদা মবম শোযদনা হংনবক্লনি।

"হাযদোকখ্রোদা তা'ঙোচা, ঐ ঙসিদি শংলবোই।"

পাম্মু পাম্মু হাযদোকখ্রে। মতেং পাংলুবসু ঙমদবনিনা মমাল্লবীশিংদুস নুংঙাইতে।

ইম্ফালদগী লাকপা মশক মতৌ ফজবা, কুচু কমেন চঙখোনবা সনাথোইনা তম্ফাগা নাক্তা লাকপদা গাড়ি হোং হোংদুনা পুবকপা, তম্ফাগীদমক মমল যাম্বা অংক অমৌগী পোৎ লৈদনা পুবকপদু উবদা তম্ফাবু মমাল্লবীশিংনা লাইবক ফৈ হাযনা ঙাংলে। তম্ফাস মপোযগী মাংদা সনাথোইবু লেল্লৈজে। সনাথোইনা হাযবা বাতৈ খুদিং মমাল্লবীশিংদা চমজবগা নুংঙাইজে।

"সনাথোইদু নপী অমা চেল্লে। ইম্ফালদগীনি মখোয'নাক্তগী ওইবমাল্লে।"

ইংলোচোনা পাউদু তল্লবদ তম্ফা মমাওগী পখ্রি মনাক্কী ইখ্লোলদা হবাই লিংল মহাক থাজদে অদুনা থৌবা ইশা শাদনা হংলকই, "তা'ঙোচা নুমিদাংবাইবম যৌদ্রি, যু থকচিল্লক্রব?"

"যগা থক্তবা কুইবে, হকচাং নংঙাইতবসিদা। নুপীদ হায়দগা মাগা খঙলমন হায। ঐগা বর্কশোপ থংনবদা দুকান যম্বা সনাথোইগী মযাম্বনা হাযবকপনি।"

তাবিবাসবু কনিনো? মশামক্কী থবাওনা কনানো অমনা শীংজঙনা যানশিল্লকপগুম চৌবম্মী। মসিবু মহাক্তা খৌবাংনা ঙাইজখিবা সনাথোইগী মপাউবা মহাক থাজবা শুকঙম ঙমদে। খল্লি– হৌজিক মহাক মঙ মঙলিবনি। মীৎকপ অমুক থোক্লবোইদৌবা মঙ।

"নঙনা নুংশা মবক্তা লৌ শবা, হঙ্গাম যোযবদু খল্লুবদা ঐনা হেন্না বায তম্ফা

ঐদি নঙবু মীৎকৃপ অমা ফাওবা ৱাহন্নিংদে।"

সনাথোইনা হাযখিবা ৱাদু মনাকোংদা তাবকপগুম তৌই। মাবু মীৎকৃপ অমফাওবা বাহন্নিংদে হায়বন্না সনাথোইদুনা ঙসি অসুক মিনুংশি লৈতবা ওইরক্কনি হাযবা খঙলুদবদুগীদমক তম্ফানা মশাবু শাউনিংলকই। খুঙ্গংগী ওইবা শিনফমশিংদুদা হৈনদুনা লাক্লবা মখোযগী পুন্সিগী অশেঙবদুদা তম্ফা সনাথোইগী মমাঙদা খজীক্তসু ইকাযখিদে। অদুবু সনাথোইগী নুংশিবীবা ৱাঙাঙদুবুদি মহাক যাম ইকাযজৈ, মপূক্লিংনা হাযজৈ, "ঐবু অদুক যাম্না নুংশিবীবদা মতীক চাদে। হেন্নসু নুংশিবীগনু।" অদুবু চীন্বালথোক্লা হাযবদি ঙমদে। কবিনো'ম হাযগে তৌবদা ইকাযবনা হেক্তা পল্লি।

"নঙগী খুৎসি পাযবা মতমদা কবি খল্লি খঙববা? খল্লি—নঙসি পুন্নমক্তগী পৃমতোপ তোপ্লী। মসিনা ঐবু ননাক্তা হেক্তা চিংশিল্লি।"

মহাক্কী ককই চুবা, শেম্বী শাবীদবদগী ইকায কাযববা খুৎতু সনাথোইগী খবাম্লুংদা লৈবদু যাম্না হৈনদে। মপূক্লিংদা খল্লি- মথঙ উনবদদি মেমতোনগী নেলপোলিশতু শঙদুনা চৎকে।

ইকাযবনা তঙাঙ তঙাঙলবা মাযথোঙদু সনাথোইগী খুবাক অনীদুনা চপশিল্লগা থাঙ্গৎহন্দুনা হাযখি, "তম্ফা, নঙগী নশকসি যেংবগী পেনবা নাইদে। নঙবু শেম্লকপা ঈশ্বরদু ফা ওবা শোযদনা ঙাওবমগনি।"

সনাথোইগী অঙাওবা, লমহেল্লবা মতৌদা তম্ফানা মশাবু চেকশিঙ্গবা ঙমদনা লৈজবা পীথোকপদা খজীক্তসু নীংহন্নাখিদবদু মহাক্লা সনাথোইগী মফমদা থমাখবা থাজবদুননি। মশাবু অদুক শাথীনা পঙথখিবদু তম্ফা মতোমতা ফাওবা ঙকচখি।

"ঐবু থাজৌ, ঐ লেপ্লি, মতম খবদং ঙাইখো, নুমিৎ খবনিদং। ঐগী বেক্ককী লোন অমা তান্নবিবদুগী যৌজিক্তি খবা চিল্লি, নঙনা খঙলিদুনি।"

"নঙ শোযদনদি লাক্কনিকো?"

"ঐবু থাজদ্রবা কবিগীনো' লোনসি ফংবগা লুহোংগদৌবিবনি, শোযদ্রবনি।"

তম্ফা থাজখি। খুঙ্গংগী ইচম চমজবীনি। থম্মোয শেংনা নুংশিজবনি। নুমিত্তু থেঙনা হল্লকপগী মমানা যাম্না চৈখি। মপানা মাগীদমক লেপ্লীখি। মপানা খ্বাইদগী থাজবী মচানুপী অহলনি। মঙোন্দা মপাগী মিনুংশি পুম্বা হৈথগ্রমাল্লে হাযদুনা মমাদা হেক হেক মনাওশিংনা বাকৎলি। মহাক্লসু খনখি—মপাগী থাজবা কৈদৌনুংদসু মাঙহল্লোই।

হৌজিক্তা ইঙোচানা হায়বম্মী, সনাথোইদু নুপী অমা চেন্লে।

পাউসিবু তম্ফানা কবম্না হেক্তা থাজগদগে? অদুবু মসি অচুম্বান, ইঙোচানা মঙোন্দা কাবগী ফাগী তৌগদৌবিবনো? মহাক হৌজিক কবি তৌগনি? কবিনো অমদি তৌবা তার্বান। মহাক পাঙদবী ওইবা যাদে। ইঙোচা নীংশিংলক্লে। পাউ পীবম্নগা লবক্লোমদা চৎখিবা ইঙোচাগী নাক্তা চঙলক্কুনা লেপ্লে। সন্ধ্যা ওইশিল্লকদৌবে, কাবগে খনবা তাঞ্জাদুদা তম্ফাবু উবদা ঙকই। কবি হায়না হৌদাক্কদবনো, কবম্না খঙহনগদদগে কাবমতা লাম্না ফংদদুনা তম্ফা চপ লেপ্তুনা লৈ।

"কৈদৌবে তম্ফা?"

তৌফম খঙদনা লেপ্লবা তম্ফক উবদা ইঙোচা ভাবনা শাংজন্দুনা অম্মক হংলকই, "সনাথোইগী মফমদা কবি হায়নিংবগে? চৎপর্বুদি ঐ হয়েং চৎকনি অদবু কৈদৌনি নুপী চেন্লে হায়বিরসিদ্দি অচুম্বনি।"

"তা'ঙোচা, নঙ ঐবু সনাথোইগা অম্মক্তং উনহনবা ঙমগদ্রা?"

"তম্ফা, খল্লবনুদা। ঐসু ন ঙাইতে। থাসু থাজদে তিঁন্না হায়বগী বানি, ইম্ফাল মচাগী মর্বাক্রি। ঐখোয়না খঙলুবা ঙমদর্বানি।"

মনা নাইলিবদ তম্ফা তাদে।

"ঐ অইং অমত্তা খঙদে। ঐবু ইম্ফালদা অম্মুক্তা পুবিয়ু। মাগা উনদবা যাদে।"

ইঙোচানা ঙক্লা মাংকপতনা যেংলুবগা হায়বকই, "কবম্না উনগদগে? নঙবু খাওনব্রা?"

"এ খঙদ।"

হন্দক্তু মাগী খোঙ্জেলদু মওঙ অমা তৌবক্লে। মদ ইঙোচানা খঙদবা নত্তে। অদুবু ওইথোক্লক্কৌইদবা বাদুব কবম্না যাগদগে?

"তম্ফা নঙ মাবু কাউবে মদুনা ফর্বানি।"

"তা'ঙোচা, নঙ এ শিরাদ নুংঙাইগদ্রা?"

খবা নুংঙাইএবস তম্ফানা অদক হাক্লা হৌজিল্লমগনি হায়বাদ খল্লুদবান। তম্ফাগী মায়থোঙগী ফাংম অমদ বাঙাঙগী মওঙদুনা ইঙোচাব চমক্কহল্লে। সনাথোইবু খুঙ্গংসিদা পুবকাখনদু মা নানি। মাগী বর্কশোপকা থংননা ফম্বা সনাথোইগা মযাম্বগী দুকানদা লাকপদা মাগা সনাথোইগা শকখঙনখিবনি। ইঙোচাগা লাকামন্নবগা ইঙোচাগী যুমদা নুমিৎ মাব মঙানিসু হেক লৈথোকই। অদুনা ইঙোচানসু থোক্লিবাসিগী দাযিত্বদু মাগীসু যাওই হায়বা মশানা খঞ্জে।

"ফবে, তম্ফা, থেঙলে। নঙ যুমদা কাবো। হযেংদু ঐ সনাথোইবু থিবগা ৱাবী শানবগে।"

"ঐস্ চৎকে তা'ঙোচা, নঙনা ৱাবী শাবনা যাবোই।"

তম্ফাগী ফিবেপতুনা ইঙোচাবু ঙকহনবদা নত্তনা অকিবা অমসু পোক্লকই। অদুবু মহাক্না তম্ফাবু থেম্লবগী থৌনাদ্দাদ লৈত্রে। মহাকসু যাবে।

হযে, ভম্বা অহানবগী বসতা মহাক্না চৎমিন্নবগা মাগী ৱর্কশোপতা তম্ফাবু থনান্নগা মানা সনাথোই খিদনা পুবকপা হায়না ভাঙনবে।

তম্ফানা হঞ্জিল্লকপদ ন্নমৎ পমতা তাবল্লে। মমানা পুখ্রিদগী ঈশিং শোক্লবগা কাবকপদা থেংনৈ।

"নঙ মচাযবেনে, সম্বাদদা থবক থনা লোইশিন্নি খঙদনা চৎলুবিদুবু কদাযদনো? পোৎ থাবম্নগী পোৎচৈফাওবা পুশিনবা নংদনা চেল্লুবিদুবু কবম্বা ওল্লোযনানো হায়বা?" মমানা ভাঙই।

ভাঙলিবদ খুন্নমদনা প্রপ প্রপ চঙলকই। মমাসু ঙাঙ ভাঙদনা মতুংদা ইন্নবকই। মাগী কাদা চৎলগা তুমিন ফমদুনা লৈ। মৈসু লাঙে। অমম্বা কাদদা মৈ চুখৎতনা লৈবদু উবদা মমাদু অমুক চঙলকই।

"কর্বিনো, তমিন অঙাওবীদৌনা উং উংদুনা হেক লৈবদনা? ঐ চাক থোংগে, ফিদো হযে ককপা নংনবা হৌজিক খবা শাজিল্লু। নম্দোমচানা ইম্ফাল চৎপদা পুখনবা। হন্দক্কি খুদৈ ওইনা হৌসি। নঙগী পরীক্ষাগা যোর্ম ফিল অপ তৌনা তাযদাই মদগাসু খবা শাক্তবা যাবোই। ফনেক অদুম তৌবদ কোন্নানি থাজদে।"

মমানা মবী মনী ভাঙথবকই, "কযানোবা নঙগা যোর্ম ফিল অপর্কী চৎলেদো?"

"পরীক্ষাগা থাবোই।"

"এ! কর্ব তৌদৌবিবা, নযুম পাল্লগেবা?"

তম্ফা খুমদে যনা বাকবমু মপানা মহাকপু লাইবিক যাম্না হৈহন্নংই। হন্দক মবক তম্ফাগী মওঙ মতৌ, লাইবিক্তা থবায ইযাও থাওদবা মতৌদুনা মমাবু যাম্না খোযশাওনহল্ল। মহাক্না পরীক্ষা থাবোই হাযবদো মপানা তাববদি বা থোক্লনি। মদু তম্ফানা খঙদবা নতে হাযবা মমানা খঙঙি অদুনা তম্ফাগী ৱাদু পত্তহায হাযবিবনি হাযনা মমানা খল্লি।

"চাক লোইদ্রিফাওদা শাকবো, চাক চাবগা পাবো লাইবিক্তু।"

মমা চাকখুম চঙখ্রে। কবিগীনো খঙদনা তম্ফাগী মীত্তা পিবাং চেল্লকই। মমাও চহীদা ইথোই চেনখিবদুদা মপানা হাযখিবা বাদু নীংশিংলকই।

"জ্ঞান তাদেদা, লাইবিক তমগেদি হাযদদুনা হৌজিকপু মযূম পাল্লগা কৈদৌনদৌবিবা? লবায থবাইদা পেকই হাযবগী মতৌক চাওখৎপা, লাইবিক লাইশু হৈবা, মপান থোকপগাদু পামদবমখে মযম পানগদৌবিবনিনে।"

মমানা খুমখি, "মীগী মচাগী না চাঙবিকন। অপাম অপান্না তৌজসনু। মমাদুদি ওথোক্লা হবাওতৌই। নচানুপীদা শোযদবা লাই খুকম্মু।"

"তানাংদে। ঐগী ইচানবো? ঐগী তম্ফানবু জ্ঞান তাদে হাযব্রা?"

তম্ফানা মযমদগী থোকপা মতমদু কনাসু তূম্না তৌশৎনতৌদ্রি। বস লাকদন ঙাইহক বাৎলিবা ওইববসু মা যাহৈনদ্রিঙেদা কনাসু খঙদনবা থোবক্লবান। সঙক্লা বস ঙাইফমদদা যমদুনা ইথোচা থোবকপা ঙাইবদ লাঙক্লবা, লাইঙমদবা বাখলদনা ওথোক্লা শা থ্রবা লোইবা নাইদবা মতমশুম খল্লম্মা। মহাক ওথোক্ল লাই চির্লি

ইথোচনা সনাথোই পুবগা লাকপা মতমদু নামৎ পনত তাবে। নম্মিৎ চপ্প ইমা চনা নর্কশোপতুদা মতে মতা নৈবদ যাম্না হৈনখিদে। অদুবু অদক নানা লাই চাখিবনা মহৎ ওইনা সনাথোইনা তম্ফাগী না অমত্রা গানবা হোৎনাখদে। অদুক মংনম চাউখিবা সনাথোইদনা মসিবো? মাবু মাংকপ অমত্তা নাহান্নদে হাযনম্না নহক্লা সি তম্ফাগী মীৎকী পিদু টবাখিদ্রে।

নচ চাওবব্রা, ঐ নুপ চেল্লে থাবমত্তদা কাবনো নংনা তৌবব্রসে। তৌজাক্ত যমদা হল্লে তম্ফা"

"বাফমদ নংনা কবন্না হাযবা চম্লিবনো? নত অদুক তমথাবা ওইগন হাযবা ঐ খল্লদে।"

"তম্ফা মসি হৌজিক নঙ ঐখক্তগী বাফম নচে এনা চেল্লবিবাদনাসান, অদুগা ইমুংগী ইকাযখুম্নবা ঙাক্লবগীসুনি। যেংঙু অদুম্না নঙবু ঐনা হৌজিক পুশিল্লববাদ সমাজসিদা ঐখক্তা নত্তনা শাগৈ ফাওবা কবন্না মায উৎকদগে?"

"পম্লমক্লাদি ইজ্জৎ দবকাব ওই। ঐগীদ ওইদববা?"

বাফম অমত্তং মনীং তম্না হাযজবা ঙমখিদবী ইকাযথৌবী তম্ফাদুনি হাযবা সনাথোইনা থাজবা ঙল্লমদে। অমুক্তা হেন্না ঙকহন্দুনা তম্ফানা মপাক্লিংগা অবেপ্পা

ৱাফমদু হাযবকই, “নঙনা পুবা নৎত্রগা শিবা মসিনা ঐগী বাবেপনি। ঐনা শিববদি মদুগী দাযিত্ব নঙনি খঙঙু।”

সনাথোইনা থেন্না, নাম্থোক্লবা হোৎনবা খুদিং অবেন্না তাহন্দুনা তম্ফা সনাথোইদা চেল্লে। সনাথোইগী মমাগা নুপী অখুমগা নোংঙানবদা তম্ফানা লৈবিবা মফমদুদা যাম্না শাউনা লাকই। তম্ফাবু মুন্না যেংদুনা ফনা কুইনা লেপ্পুনা লৈ। অশাওবদু ফাথনবা হোৎনবিমাল্লে।

মতংদা বন্না হোৎনদুনা খোঞ্জেল তপথহল্লগা হায়বকই, “ইবেম্মা, লাকও থানবাবস্লগে। নঙনা শাল্লবদো লাল্লি। সনাথোই নুপা চেল্লে হায়বা খঙদদুনা লাকপা ওইববসু নুপীনা নপাগা নাক্লো থিদনা লাকপা হাযবসি নঙগী ইজ্জৎ শোকপনি।”

তম্ফা কাবিমত্তা খুমদে। তামন্না অদুম ফল্লি।

“নুপানা চেনবসু নঙনা মশানা লাকচবা নুপাবু কথম্না লৌগদগে? ঐখোযগী মসদাদ মাপুম থাদং ইজ্জৎতা হিংনাবর্বনি।”

তম্ফাগী মীতগা পিদু কবম্না নংশৈতেবা হিংচাবনা থক্তোকপ্রবনো খঙদে। মীৎকপাসদা পি তাবদে। মশা মথান্তা খল্লি কাবগানো পি তাবক্লিবা, মৈবা ওইনা থোবক্লব্রা? মাগা মীৎ অনিমক চাকথেক্কদবগুম শাগৎলকই। কাবিন্তুম্না মীৎতুনা যেংলুববাদ তান্তাববা পোৎতু ফাংনা মৈশা ফাওগনি।

“বা চাউথোক্লুইদা চৎহৌবাস। মৈবা পাযবা, ক্লনকা নহাবেল মযাম লাক্লববাদ নঙগী কাবি ইজ্জৎ লৈহৌখিনি?”

তন্দওঁ তম্ফাগী দাউনবা মীৎতু যেংশৎলকই মীৎতু উবদা সনাথোইগী মমা অমদি লাকামন্নানবা মখোযপম্না অাকনা ফাওবকই।

“ঐ মফমসদা ইশা'গা ইজ্জৎ হৈদোক্লবগে লাকপা নত্তে। ইজ্জৎ কঞ্জনবগাদমক লাকপনি। মদু মযাম্নসু খঙবানমগনি।”

ইশাও খঙাশংদনা সনাথোইগী মমানা হাযবকই, “লৈশাবানা নুপাগী নাক্তা লাক্লুনা লৈশিনবাসবু নখোযগা ইজ্জৎলা?”

তম্ফাগা পুক্লিংদা বাহদুগা পাউখুম পীনিংলকই নখোযগা নচানুপাদা হংউ কাবিগী লাক্লিবনো? অদুগা নুপী অমনা তবাই তবাই হেক নুপা অমদা লৈবনি লাকপা যাববা?—অদবু মহাক কাবিসু খুমদে।

“ইন্দোমচা, গাড়ি লাক্লে,” মপান্দগী নুপামচা অমনা কৌদুনা হাযবকপনি।

“লাকও থিনবাবগে, নিংঙাই তৌদুনা কান্নবোই। ইচানুপানসু যানীংদে।

ঐখোয়নসু পামদে। হৌগৎলকওনে।"

তম্ফানা হৌগৎলক্তবদু উবদা সনাথোইগী মমানাময়ামদা ইঙ্গিৎ তৌদুনা মখোয়বু কৌশিল্লি। মখোয় অমা অনীনা তম্ফাবু চিংখৎলি। মখোয়গী মরক্তা মহাক মতোমতনদি কৈদৌনি। মাবু নমদুনা গাড়িদা কাখৎহন্দুনা মাগী খুঙ্গংদু তান্না গাড়িদু থৌবক্লে।

খুলদুগী মচীন্দা খামদুনা তম্ফাবু কৃমথহল্লগা গাড়িদু মমায় লৈথোক্লুনা উফূল মরক্তা থৌখি।

তম্ফা মফমদুদা জ্ঞান মাঙনা লেপ্পুনা লৈ। মহাক হৌজিক কদাযদা চৎকনি? নুমিৎ নীনিগী তুংসিদা করম্বা থৌনানা যূমদা চঙদুনা মমায় উৎলুনি? কদায়দা চৎলুই খুমগনি? উপায় লৈতবী ওইনা, মায়থীববী অমা ওইনা কবম্মা মাগী মশুং মমান্নবীশিংগী মমাঙদা লেপ্পুনি? পূম্মমকসি তাবদা মাগী মপা কবি ওইগনি? মমানা করি হায়গনি? নুংবংননা ফনা কুইনা ফম্লুববা তুংদা হৌগৎলক্লে। লৈকায়গী ক্লবকী শঙ মচাদুগী মায়কৈদা মঙদা চৎপগুম লাকই। ক্লব থোঙ লোল্লম্মী। শঙদুগী দাড়ীদুদা মখোঙ য়াম্নদুনা ফনা কুইনা ফম্লবা তুংদা লৈমাযগী উফূল মরক্তুদা জ্ঞান মাঙনা হীপথবকই।

ক্লবকী নহাবোল ইবোতোম্বা সাইকল অমা তোংদুনা চঙলকই। তম্ফানা ফীভমদুদা লৈবম্নদুদা পূমঙক ঙক্লা চঙশিল্লক্লুনা কৌই।

"ইচে তম্ফা, কৈদৌবন্নিবনো? নহান্দগী নঙ মাঙখ্রে হাযদুনা মযাম ব্রা বা লাউনববনি। নঙবু ইম্ফালগী সনাথোইদা চেন্দববা? হাযদোকপসু লাক্তে হায়দুনা হংবা চৎনবা খন্নখিবনি।"

তম্ফা কুইনা থিংগৎতুনা থল্লকপা পিদু নুপামচাদুগী মাঙদা জব জব চেম্বরক্লে। থম্মোয পেন্না কপথোক্লুববা তুংদা মহাক্লা ব্রারী পূম্বা ইবোতোম্বগী মফমদা শীৎ নান্না তল্লে।

"ফবে, যূমদা চঙলসি, সিদা সুম লৈবগা কৈদৌদৌবিনো?"

"ঐ যূমদা চঙলবোই ইবোতোম্বা, চঙবা ঙম্লোই।"

"অদুবু সির্দদি কমায় লৈদোইনো ইচে তম্ফা।"

কবিসু খুমদে। মহাক্লা তৌফম খঙদবদুমুক ইবোতোম্বসু তৌফম খঙদে। কুইনা চপ চপ যুংনা তৃমিন তৃমিন লৈনরুবগা ইবোতোম্বনা হায়রকই, "ইচে তম্ফা, কোন্না খন্নসি, ক্লবকী নহারোলশিংসু কৌরগা। হৌজিক্তি যূমদা চৎলসি।"

"ইবোতোম্বা, ঐ বা অমা হংগে, ক্লবগী নহাবোলশিংনা ঐগীদমক কবি তৌবিবা ঙমগনি ?"

"ইচেনা পাম্বদু হায়বদি, ঐখোয় পম্মমক তৌবা ঙমগনি।"

"অদুদি ক্লবকী মীওইশিংদু কৈকুখো।"

"ফবে, ইচে ইন্দ্রা, ঐ কৌবগে, মৈবা পাযবাশিংসু পাউ পীবস্মুবা ?"

"পাবস্মু।"

প অমমুক্তা তুংদা ইবোতোম্বগা লোযননা ক্লবকী নহাবোল মযামদু শঙদুদা লাক্লে। ডাইতাক্কা তুংদা মৈবা পাযবাশিং, পাখঙ মচা, লৈশাবী, নুপী অঙাং অহল খুলদগী মা মযাম্বা ক্লবকী শঙদু পুমথন থনখ্রে।

মযাম্না পুমকোয় কোযশিল্লগা তম্ফা তুমিন মক লক্লা মযাগদা ফাম্ল। তম্ফাগী মমা মচানুপাগী ফাওমদু উবদা অঙাওবীগুম কল্লি। মপানা অশাওবা অমদি ইকাযবগা যানা মাযামদুগা মকমদা তুমিন ফল্লি।

ক্লবকী সেক্রেটারি ওইবা বিমোলনা মীযাম তানা বা ঙাঙলি, "হৌজিক ঐখোয় কবি তৌসগে ? তম্ফাবু ইম্ফালদা সনাথোইগা যুমদা পুদুনা থিল্লুসিবা ? ইজ্জৎ দাবী ওইনা শেল লৌসিন্না ?"

মাযামদ মানা মানা পাম্ব মোং পঙুপাদা পাই। পল্লাং লাকই। বিদ্যে নং, মাযামদগী বাদ তাবগা তেনাশিল্লগা হায়বকই, "ফবে, মযাম পম্মমক্লা থোক্লবা হৌদাকসিদা সনাখোইগী মবাল লৈবে হায়না লৌনে। ঐখোযগা ইচে ইচলবু মমল লৈতনা লৌবা, শেল পাযবনি. সঙ্গ লৈবান হাযদুনা লবাযদা লৈজবা ইচম চমজনা কযাব নমথাক লাংদা থুইনবসি মতু তৌদনবা, ইজ্জৎ দাবী ওইনা অদুগা তম্ফাগাসু তংগা পুঙ্গিদা লাযনা চিংজবা ঙম্লবা নুপা লাখ অহুম লৌবা নৎগা তম্ফাব সনাথোই থাদনা ? কৈন্যা কৎপা অনাসিদা লেপ্লস হৌজিক হনে অমদি মাম্ফাগী অপাম্বা হায়বাযু।"

তম্ফাগী মাদা হংলকপা বাহংগী পাউখুমদা মমানা হায়বকই, "ইবুংঙো, পাদা হংউ, ঐনা কাব খঙনি।"

তম্ফাগা মপাদা অমুক ওনশিন্দুনা হংলকই, "মাম্মনা কবি পাম্বীবগে ?"

"ইবুংঙো এগাদি লমহেনবী ইকাযদবী মহাক্কী মশকসি ইমীৎসিদা অমুক উহল্লনু।"

ক্লবকী এডভাইজর ওইনা লৈবা ওজা মণিনা থেমজিল্লি, "তাদা অদুম্বা

খনবীগনু, তম্ফানা তাবিবা দশাসি, লৌনম চাউবা, লমচৎ চুমদবা সনাখোইগুম্বা সমাজগী মহীকর্শিংনা থোকহনবনি। খুঙ্গংগী ইচম চম্মা হিংজবী নুপীমচাশিংনা কবি খঙলুনি।"

"মাগী মবমদা ঐ কবিসু ঙাঙনিংদে, মণি। ঐবু যাওহল্লনু।"

"নত্তে, তাদা তপথবীযু, তম্ফাবু ইচা নত্তে হাযবা যাবোই। ঐখোয খঙজি, তম্ফাদা তাদগী কযা চাউবা আশা থল্লিবা হাযবদো। অসুম্বা তৌর্বাস, ইজ্জৎ দাবী ওইনা শেল মতাক চানা লৌবসি মদুনা তাদনা পাল্লিবা মওংদা তম্ফাবু মী ওইনবা শের্মসি। মখোযগী মাঙদা মতীক চাবা মী ওইহর্নসি তাদা।"

"নখোযনা ফৈ খনবদু তৌ মণি। মাবু মযাম চঙদুনা হাৎতোকখ্রবসু ঐ নুংঙাইতবা তৌবোই।"

তম্ফাগী মপাগী থম্মোযদা ফাওবিনা ইকাযবা, শাউনিংনদু মীপম খুদিংগী থম্মোযদসু ফাওনকই। মঙকপা থৌনা অমা মীযামদগী থম্মোযদা তৃমিন তমিন চঙলক্কুনা মশা খাংলক্লে।

"এখোযনা অহুম্বা মওংদা তম্ফাগীদমক লেপকনি। হাযযু তম্ফা নঙগী অপাম্বা কবিনা।"

"নঙনা পাম্লবদি সনাখোইবু যাদুনা পুবক্লগা নমাংদা লাল্লে হাযহনগনি নৎত্রগা মথবায ফাওবা লৌ হাযববসু হাযযু।"

"হায়ই তম্ফা, নঙগী কবি অনীংবা লৈ।"

"[illegible] বিমোল [illegible]"

কাপ্লিংবনা ফল্লবা খনাউদু খজাক্তং শেংতল্লগা তম্ফানা মাগী মপক্লিংগী বা অহানবা ওইনা ফেংঙদোবকই।

"ঐগী ইজ্জৎতি নখোযনা ফনা তোৎনববসু হাঞ্জনবা ঙম্লবোই। হঞ্জিনবা অহুম তানদুনা সনাখোইদা লৈবসু ঐ পামদ্রে। পুন্সি চপ্পা ঐগী লাইবক্তা কোক্লবোইদবা দাগাস লৈহৈবান। ঐগীসু ইবাল লৈ অদুনবু দাগসি ইশানা যানা লৌববান। চসি ঐঙোন্দা দাগদি থনম্লিবা মহাকস পুন্সি চপ্পা কাউনবোহদবা, মাবু উবদা নুপীমচাশিং অদুগা মাগুম্বা কযানা পাডা তমজনবা অহকপা দাগ অমা থম্বীযু। মানা অর্মদ মাগী ইম্মুং মনুংনা যাম্মা লুনা খঞ্জখিবা মখোযগী চাওখৎপা সমাজদুদা লৌববা মাগী ইম্মুংগী ইজ্জৎতু মীযাম মমাঙদা মঙোন্দা পীবিবা দাগতুনা লৈখা তাহনসনু। মখোযগী মবল ঐ পামদে। ঐনা ইশাগী ইজ্জৎপু শেলগা ওন্নকববদি শেল পাযবা সনাখোইগুম্বা কযা

থোবকখিনি। ঐগী অপঙবদুনা পাড়া ওইবগা, তুংগী নুপীমচা কয়াগী পুন্সি কনবা ওইবসনু।"

মাগী বাদু হেক লোইনকপদা মীয়াম পম্নমক খমঙা ওইনা মাংনবক্লে-লৈকায়দুগী ইমুং খাদিংমক্কী চৎনিংবা মী ইম্ফালদা সনাথোইগী যমদা চৎকনি। সনাথোইবু পথোর্বাক্লিবা ফাওবা মখোনা মায় লৈবোই মখোয়গী মথৎমক্তা সনাথোইদা কাউওংস্লোইদবা দাগত থম্লমগনি। মদুগীদমক গাড বাগী, অঙম অঙম্বা শেল পুথোক্লগনি।

তম্ফাগী মপা হৃদয়ঙ্গম মচানুপীগী মায়থোঙদা অমুক্তা উর্খিদ্রবা ইকায় খুম্নি ডাই ওইনবা মীওই অমদা যেংবগুম মীৎকপতনা যেংলকই। অদুগা মচানুপীগীদমক চাউথোকচনবা মংলগী পিদু মথৎ ওয়না হৈখোইড়ুনা লোম্না তম্ফাদা অশীর্বাদ পীনকই।

ক্লবকী নহানলোম্শংনা চেন্দনা লস খত্তে, টট্টা মালগাড়ি হনা বাযকবে। ময়াম্বা মী লোইনা চৎকানি বেব্রে হৈতপ নতপ অমমম মখোয়গা খৎত্তা পায়নে গাড়ি মডাদ মপৃক পীক থন্না থাপ্পদনা উথাল নবফুলা মক মবা থৌখি।

মীৎমাংদগা গাড়ীশাংদু উথাল মথং। মাংলোইদ্রবয়াওবা তম্ফা মীৎ কপ্পুনা যেংদুনা ভূমিদা লেপ্পুনা লৈরৈই।



অমম্বা অমসুং নোংথাঙ

"কমদৌবি? কবি কবি তৌবি?"

মহাক্কী মকপাশংনা বাহংদু মঙোন্দা হংলববতদা খঙই মহাক কবম তৌবরগে হায়রা কইনা উনখিদ্রবা মকপশিংদ হৌনদনা মাবু উনবা লাক্কনি হায়বা মহাক থাখদে। চহী খুদিংগী নোংজু থাদা মখোয় নাংশিংনবা ওইনা হেক হেক উনা, চাম্মনা থকমিগে। মদু নঙনাদি মখোয় কনানসু কনাগা মপাউ হংন্দে। কনানা কবি তৌবা ফাওবা হংনবা শংনদে। অদুবু মহাক্তা মহাক্কীদ থবক লৈতে। মাগী থবক হায়নবু বাখল থননি।

"কবিসু তৌদে "

পাউখুমদু পীবদা মহাক্কী মাযথোঙদা চিংনবগী মমি ফাওবা তাদে। হৌজক্কী অহেনবা তাংবদা মবী মতা, মন্দপ মপাঙ ফাওবা উনদ্রবা মতমসিদা মহাক্তু হিংনবগীদমক কবিসু থৌশাদবা মতৌদু উবদা মাগী মকপশিংনা পেন্দে।

"কবিনো অমা তৌসি, মদুনদি হিংবা যাবোই।"

মাগী নুংশি চাউবা মকপশিংগী পাউতাক্কু মঙোন্দা কবেম্মবগুম থোকই। মাগী হৈনীংদ্রবা পুক্নিংদুদা হিংনবগীদমক মহাক কোযচেন চেনবা পামদে।

"হিন্দুনা লৈনবগীদমক ঐ কান কবি তৌগদগে খনবা পামদে।"

"কনাদগো নডনা বাতৌবরদবো? নশাগী লাইবকপুবা নৎ ঐগা সুনন্দাবুবা?"

মখোয়া খুডুই সুনন্দা মখোয় অনীগা মবাদ ময চৎপা কুইরে মমাডগী চইদা মখোং উননা [illegible] মহাক্কু [illegible] সুনন্দা [illegible] লৈখিবদা পেন্দবা কয়া গোডদোক্লমখি।

"অনানক ওইব যাই।"

মহাক্কা সুনন্দ [illegible] তৌবিবা শকন্দনা মাবুস বারে।

[illegible] শাথানা [illegible]। অদবু সুনন্দনদি 'মহাক [illegible]' [illegible] মহাক্কা মখোঁনা [illegible] মহাক্কা [illegible] মহাক্কু সুনন্দনা [illegible] লাইরিক [illegible] হায়খিদে [illegible] শাল্ল পা [illegible] হায়বা নশানা যাই। অদবু মহাক সুনন্দানা [illegible] [illegible] মহাক [illegible] লৈন [illegible] নশানা মশাবুস ওৎ [illegible]। সুনন্দানা [illegible] পাককত মহাক্কা অমুত্তসু পাখম পাবদে।

মহাক্কা নন্দপাশনা হায়, 'অদম্লা [illegible]। নশাগী [illegible] সুনন্দদা [illegible]"

মহাক [illegible] পাক্কি সুনন্দানা কবিগীদমক মহাক্কু অপাম্বা হায়খিদবনো?

নোংমখওংদি হায়খি, "তামোনা পি এচ ডি তৌরোকউ হায়, তৌসিবা?"

মদুদা মহাক্কা 'নচু নশাগী অপাম্বদু তৌ, মদুদা ঐগী মোংনা চৎনবা যাগদ্রা' হায়না খুমখিন্দু যানংই নংএগা যানিংদে হায়না অর্থ হনবা যাবা বাহৈ ওইখিববা?

মদু বাবৌদুনা হায়খবা বাহৈনি হায়না ফাওবা সুনন্দানা কবিগী খঙখিদবনো? মবুংনা লাক্লনা সুনন্দাবু পুরকদুনা মহেংয অনীগী মবক্তা শকউদবা শম্বল অমা

খাগৎপা হৌখ্রবনি হাযবা মহাকসু খঙখিদে। মতমদুদদি অদুক হাক্লা যানিংদবসু লৈখিদে। লাইবিক তম্বা হাযবসি ফত্তবনি হাযনা খল্লুগদবা অদক বাখল লৈতবা মীদি মহাক নত্তে। অদুবু মতম্না হৌজিনখিবগী মতীক মহাক্কী থম্মোয় পীকশিল্লকই। মমীত্তা উবকই সুনন্দাগী শুক্কাৎনিংঙাই ওইববা মীনোঙ্গা মহাক্কী গাইডতুনা মঙোন্দা মীৎ কৃপ্তুনা যেংলিবা মীৎযেং অদু তাঞ্জা ফংবগা চোংশিনগদবগা ঙাইবিবা চবাম্লববা নোংশা অমা ওইনা নুপাদুবু উবকই। অদুগা সুনন্দাদি মাগী নুপাদি মাগীসু মবাল কযা লৈবল্লা যাই। মাগী গাইডদুগী মতেং কযা মহাক্কীসু দনকাব ওইবিনা। নোংমা মাগী গাইডদুবু পন্দুনা ইবকখিবা চিঠিদুনা মাগী চিংনবগা মক হুনাখ,

"সাবদু যাম্না ফৈ। মাগী যমদা চংপদা থ্রবসু পুবীগনি হায়। থসু চৎনিংই, লদাখতু যাম ফজৈ হায়নৈ।"

মদুগী ঃর্থ করিবুনো ? করিগী লম্লানবী অমবু মযুমদা পগদৌবিবনো ? মাগা মখাদা নিসর্চ তৌই হাযদনবু মানা ভৌনীংবতা তৌবা যাববা ? সুনন্দা লতোংলবীনা হ ঙন খঙ্ং। করিগী মযমদা চৎপগী বা তৌদোক্লিবনো ? অদুগা সুনন্দানা চৎনিংলবগী নবম্না কারণ ? লদাখকা ফঙবদা মহাক্লা অদুক শুক্কাৎলবগী অর্থ লৈববা ? সুনন্দাদি মতৌশাগী ফজবদা ভাওডাবা, থম্মোয নৌগনবা মী নত্তে। ফজবদা, ওইবোইদবা নঙলান্দা তাউবা মহাক্তঙ্গা নাম্না শাউই। সুনন্দাগী লদাখ চৎপগী পাউখুম মহাক পীখিদে। মহুতন্দগা যানা দবগা পাউখুম অমত্তা ফংদে তাযদুনা সুনন্দানা লম্লানবদনা হাযবা হন্দনা মনাপ্পা মঙমদদা চৎলম্লস যাই।

এরোপ্লেন তোংদুনা চৎলমগদ্রা ? নত্তে, ট্রেনদা চৎলমগনি। মদু শুক্লৎ নাৎতগনা ওপাদুগা মশাগা কারদা চৎলম্লসু যাই, দিল্লীদগীনা লদাখ ফাওবা চৎপদা অহাং অমা অনাদি চঙলমগনি।

অদু ওইনবদ মহাক্লা সুনন্দানু নবম্না থাজগনি। মসিদা মহাক্লা চিংনবদা মহাক মশাগী মবালদু কাননো ? মহাক্লা খাল্ল মসিদি চিংনফম থোকপান, মহাক নত্তনা কনাগুম্না অমা ওইনবসু শোযদনা চিংনফম থোকই। অদুদগী মহাক্ত মথাঙ খল্লকই মাগী সাবগী চেম্লবদা মগোম্না অনীতা নুমিৎ চম্লা হৈসিস ইমিংবা মতমদা সনন্দাগা থোৎলবা খৃজি শানা হওা শোযদনবু ওইবো, তৌগে মতাগুম ওইবো মহাক্কী চগনা খৃডুনা থেংলমগনি, পাযশিল্লম্লসু যাই। সুনন্দাগী খাজ মখোলদা মহাকসু শুক্কাৎলম্লোই কবম্না থাজসিগে ? নীংশংলি মহাক্লা সুনন্দাবু লক্লদুনা হেক হেক হাইখিবনি।

"নঙগী খৃজিগী জ্রিং জ্রিং মখোলসিনা ঐবু হিপনোটাইজ তৌই। মসিনা মী

অতৈদস্ তৌকদ্রা ঐদি পাখৎলির্বান।"

মীওইবগী লম হেনগনখ্রবা থম্মোযবু মহাক কি। শুদ্ধৎপা লৈবাংগী লৈনম্মা ঙাইহাক লৈতনা নাতোন্দা হুম্লববদা সুনন্দাগী সাবদুগী পৃক্লিংদু কবম্মা শুদ্ধৎলম্লোই। সুনন্দাবু মহাক্কী মাযকৈদা পৃক্লিং চিংশিন্নবা কবি কবি তৌবমগনি? অনৌবা ফিবোল লৈবীবম্না যাই, মাগী গাডিনা সুনন্দাগী হোষ্টেল ফাওবা থিনবীবম্না যাই। মদুদগী চেনবা মখোয অনীতা ষ্টডি টুব চৎমন্নবম্না যাই। চীংনুং মান্নুংদা খওহৌদনা নোং মংশিল্লক্লুনা মাযকৈ পম্না পুম্মম মর্মশিল্লক্লম্না যাই। নোং চুথবকপা যাই। নোং চোৎলবা মখোয অনীতা অচৌকপা লমতাঙ্গুদা কবি তৌবমগনি?

চিংনবা কযা থৌদোক কযা শাগঙনা মাগী চিক্লবা কাদা মতোমতা খোযদৌ শাউগৎক্লনতা মতম লেল্লকই।

চহী মথঙ মথঙ চিংনবগী লৈবোম্না কৃপাশিনখিদুনা লেঙবা ওৎপা শুমদনা লৈবক্লবা তুংদা নোংমদি তৈনাংদনা থোবকই। মাগী পীক্লবা যমদুগী ফক্লাং মবিদু ওশেঙনা কৈশুমশঙদগী হেন্না তমথীবকই। খোঙনা পুবা মফমদা অসুম থোবকপদগী প্রমোগী চা হোটেল যৌবকই। মহৌশা কোলেজ তম্লিঙ্গেদগী হৌনা তাযনা চঙলকপা কোলেজগী গেট মযাদা ফম্না প্রমোগী হোটেলদা চঙবদা মাঙন্দা থোইনা কোইদে।

"এ! খোগেন, ওস্লোক্লা থার্জখিদ্রেদা, ডাসিদ কইবগী তুংদা চঙলকপাননা চা গিলাস অনীদি থকপা তাবেদনা।"

"অনীদা নাংে ইতেমা, মস্লিবমখে থক্লে "

হাযনা হাযনা চা গিলাস মদি মনা শৎ শৎ থকাচনাখি। হান্না লৈবম্না মখোয অমা অনাদু ঙক্লা যেংনে।

"চবাগ তেল্লববনে তৌবদুবে?" মাগা মতৌদ ঙক্লা যেংলম্না প্রমোনা হংলকই, "মু থকপনা অমনি। চাদবু অদুম্না থক্লববনে?"

"ইতেমা মুদি ফংগাদবা?"

"এ! কাবনোদে, ঙাওকবগে থোবকপদৌনা?"

"তোয ইতেমা। ঙাওবসি বাখল খল্লমগদৌবা মান্দে। বাখল খল্লোইদবা কাবনোম তৌনই।"

প্রমো নোক্লকই, মহাক্লা তৌবিবদু খল্লুবদা মহাকসু মতোমতা নোক্লিংলকই। মু থক্লবা মীনি। মুগী মহাও খঙদে। অদুবু ঙসিদি মহাক মু থক্লিংলকই।

কবিশুম্না সুনন্দানা খঙখ্রবদি কবি হাযগনি? পাঙদবনি হাযগদ্রা? হাযনিংবা

হাযজসনু। মাগীদমক নংত্রা থক্কদৌবিবা।

"নঙবু কবি তৌবিবগে হৌজিকপো?" মাগী মঙলান থুগাইদুনা প্রমোনা হংলকই, "ওস্থোক্লা হৈনীংদনা উইদা।"

"অঙাং অমা অনী ট্যুশন তৌবীবি। মসিসু তোক্লিংলে। হিংলিবনিনা পুক্কীদমক মখোযদি থাক্ল।"

"নঙসি ওস্থোক্লা নুপা মান্দেদা। অদুক মমল যাম্বা পুন্সিদুবু অদুম্মা ওেক মাঙহনবা হৌনদে।"

"ইতৈমা ঐগী পুন্সিগী মমলসে, সনন্দানদি কবিসু লৈতবনি লৌই।"

"সুনন্দানা লেপ্পা মমলনা নঙগী অশেঙবা মমল ওইহল্লগে 'সনিনে?"

প্রমোনা মখোযগী বাবা খঙবা নত্তে। অদবু মহাক্কী বাঙাঙদুগী মতুংইন্না পাউতাক পীবগুম হায, "নশানসু অমুক্তং লেপ্পুনা যেংউদনা?"

"ঐনসু থাল্ল, ঐগীবু কবি লৈবগে?"

"পুন্সি লৈবি, মতম লৈাব, আশা কযা শাগৎপা যাবিদনা।"

হন্দাক্তি প্রমোগী খোঞ্জেলদা কদাযদনো খঙদনা খঙশোন শোন্থখিবগুম তৌবকই।

"অদবু মতম্দু লৈতবা মাগীদি কবক্সা আশাদা হিংলমগদগে?"

"ইতৈমা কনাগী ব্রানো হাযবিবদুবো?"

"হুম ওোক্লসি।"

নুমিঙ্ব প্রমোনা মহাক্কা মফমদা কবিনোমা লোৎখ্রে হাযবা মহাক খঙখি। অদবু মীওইবগী ফঙবা ফজদবা বাবাবু কযাম কুইনা লেভ্তুনা থম্লা যাগদগে? মহাকসু খঙলকাখ, প্রমো এই ডসকী মহীক পকহৌববীনি। মহাক্কী নুপাদু মোবেদা চেনবা বস অমগী ড্রাইভবনি। মহাক এইডস নাদুনা লৈখদবান। প্রমোসু মাগী চা হোটেলসিদা ফম্না ফম্না অবাবা, নুংঙাইবা কযাগী বাবী, আশা কযা শাগৎলিবা ইনখৎলকপাশংগী কুম্মৈ, নাংবা কাযনা কনাগী পুন্সিগী ঈশৈ, তানা তানা যেংনা যেংনা মাগী পুন্সিনা মুখবকপদু ঙাইবল্লিবনি। কাবগুম্নদা মহাকসু প্রমোগী শেমাজনবদা মওঙ চাববোইদবা ব্রাবীদা ঙাইহাকসু তাউথকই। মবমদি কনাগী অব্রাবা বাবীদা ঙাইহাক বামিন্নবা অঙকপা নত্তে।

নুংতিগী ওইনা প্রমোগী হোটেলদা চা থকপা চৎপগী হৈনবী মঙোন্দা লৈবক্লে অদুবু মহাক যুদি থকখিদ্র। কবিগুম্নদা খল্লি– যু ঙাওদুনা অথেঙবা অহীংদা থোঙ্গালদা

লাউ লাউদুনা চঙলকপদু যাম্মা নুংঙাইগনি। পেন্দবা কযাদু মনীং তৌনা ফোঙদোকচববদি মহাক্কী পুক্নিংদু শোযদনা ঈংবা যাই। অদুবু মহাক পাঙদবা মীনি। যু থকপা ফাওবা কি। কনাদা কির্বিবনো ৎংবগী অর্থ লৈতে। নোংমা সুনন্দানা যু ঙাওবগী মবমদা হায়খি, "যু থক্লগা ঙাওবা হায়বসি মবমচৎ বাবকপা ঙমদবা, পুক্নিবু মাযোক্লবা কিনবা মীওহান। মানা যু ঙাওবর্দি চপ্পা নাপ্লোকখবা শগোল ওইবকই।"

ৎশেংনা হায়ববদা মহাক সুনন্দাগী মাযোক্না কবিসু তৌবা ঙমদে। মসি মহাক ৎশাংনা পাঙদবানা হায়বা যাজনবসু পাঙদবা ওইবদুদা মতোমতা নুংঙাইজে। মদুদগী নাপ্লোক্লনা হিংবদা কাবনো হবা মাঙজখিগদবগুম আকবা ফাওই।

সুনন্দাগা মফমদাদ পুক্নিগী যজবা, নুংঙাইবা থিগে হায়ববদি লেপ্পা লৈতনা তোংনাদবানা, ৎপ্পবা নাইংনাইদবানা হায়। অদগা মাগী মফমদনা পুক্নিগী ফজবাদ থাম্মোযদগী অশেঙবা মবী, প্রকৃতিগী ফজবদা পেঞ্জবা অদুগা নুংশিবা, ফজবা, অৱাবা পম্বগী নাতেবু কেনভাসতা যেকথোক্লনা মখল মখাগী অঙকপা মচু শঙদুনা মহাক্কী ওইবা নাইবদা মতোমতা হাউদবনি। মহাক্তি পুক্নিংগী ইশুলদা হিংজবা লাইযেকপা। সুনন্দাগী মহাক্কগী বাখল পরাংদা শাহানা খেন্নবদি অদুমক লৈলক্লবানা। অদুম ওইনমক মহাক্না সুনন্দাবু মাগী পুক্নিদগী তোংখাইনা যেংনদ ঙমদে। মসিসু মশানা থাঙদবনি হায়না লৌই।

"ইতেমা, সুনন্দানা হায় ঐসে পকচেল পাকই। তৌজক্ক মাওইবগী পুক্নি মতী সিদ চাশিন্না হিংবা ঙমদে হায়।"

প্রমোনা মমাদগী অতাঙবা চাগালাসতা লৌশিল্লগা মডোন্দা মুথা যেংদুনা লোক্লকই।

"ইতেমা নঙনসু ঐসে মতমগা চনদ্রবা মীনা খনববা?"

"খন্দে," শকথম হাঞ্জন্দনা পমোনা মখা তানকই, "নঙগুম্না কযা, নঙগা থৌনাবদা নুংঙাইবা কযাসু লৈরে।"

মহাক পমোন্দু হক্লা যেংলকই। প্রমো মশামকসু ঙকচবগুম তৌই।

"ঐনা হায়বাদ স সাবাসদা মা মখল কযানিদনা লৈরিবা। বাখল মান্নদবা কযা লৈবগুম বাখল মান্নবা কযাস লৈরিবানিদনা।"

ঙসি সুনন্দা হল্লক্লগনি। ওক্লম্নবগীদমক ঙবাংনা খঙহল্লকখ্রবনি। অদুবু মহাক চৎকদ্রা? সুনন্দাবু ওক্লনবগীদমব মহাক চৎকদ্রা? মাগী শাংলবা কোইদু কক্রেবদি

সুনন্দানা শোযদনা চৈগনি। মাগী অমনবা শৃবীদবনা মবেক কাশিল্লবা ফিবোলদু শেত্তুনা মনাক্তা চঙলুববদি সুনন্দা মীযামদুগী মাঙদা ইকাযবা নংলোইদ্রা”

সুনন্দাগী অশাওবগী মমাঙদা মহাক্না লেপ্লুবা হাযবসি অবাযবা নত্তে। অদুবু মহাক মদুমক তৌদুনা সুনন্দাদা খঙহনবা পাম্মী - ইবানি অসুম্না খেন্নে। মহাক মোংলি হাযদুনা সুনন্দানা তৃমিন্না অশাওবা মীৎযেংনা যেংলকপগী তোপ তোপ্পা নুংঙাইবা অমা মহাক্না ভাবনা শাগৎলি।

অদুবু ঙসিদি অদুগুম্বা নুংঙাইবদুনা ফাওবা মাব চিংদুনা পুবা ঙমদ্রে। মহাক্কী খোপতা সুনন্দাগী মক্কুবা লমচৎ, চগংনবা থম্মোয, অচাউবম পাম্বা পৃকচেল পৃম্নমকসি খল্লুবগা হেন্না হেন্না খোযশাওনবা হেনগৎলকই। সুনন্দাগা মশক অমুক হন্না উনা লক্লে।

মথংগী নোং ঙাল্লকপদা প্রমোগী তুখবাক্কুবা পৃন্সিদুগা চৈঙাক ওইবদা শম চাবনা যম্বী ওইনবগাদমক শেম শাদুনা প্রমোগা হোংজিন্দ লেপ্রবে। কবিগুরুদা মীওইবগী নাখল খনবা ঙম্নগা শিংলানা পমপং পঙুথাখদুনা অয খঙ পম্না উবা ঙমদনা মতাং হাওবকই। ঙসি মহাক্কী মাঙমদ্রনা হন্মোযগা অশাওনা, বারৌবগী কল্লবা ঈবেদা প্রমোনা মাওইবগী থম্মোযবু লংহে 'ফুল' তাউথর্লক্লবসিদি প্রমোখক্তগী মবাল নত্তে তমখাবা খুদাংদাবা নাংলে নয মাযোক্লুবকপদগী প্রমো মহাক্কী থোংলবা নপা ওইবীগী থম্মোযদগী লাপথোবকপা কইবক্লে। অদুগা মহাক্কী খল্লনবগী শি লীদুস্না কমদৌনো খঙদে মতম্মাসদা পম্মক্ত পঙথক্লে।

ভাব মেন তাদনা প্রমো মহাক্কী তুং ইল্লকই। মহাক্কা মৈচাক মপৈগা শাগৎফম ওইবক্লবা যমদুগী খোঙ্গালদা ওটোদু খাম্মী। প্রমোবু যুমদুগী শোদু পাদুনা হান্না চঙইনাম্বগী পোৎচৌশংদু ওটোদগী লৈথবকই। নোংমা পৃন্সিগাদমক যাম্না কিখি, যাম্না বাখি। ঙাসাদ মদুগী অাকবা হাম্মুক লৈত্রবঙুম মাগী মাযথোঙদা পোৎলম অমতগী মাম তাদে। নুংঙাইবগী মমিস উদে। ওটোগী ভাংগ পীবগী আশবনা তৌগৎতনা চৎপঙুম প্রমোগী মপোৎ মাচ হ ওনা বেগৎ মবেঙডুমদা নাকল যেৎ ওয যাল্লদুনা লৈথোবকপদা প্রমোদু হুনা অমুব থোবক্কুনা ষ্টার্ট তৌববা ওটোদদা ফনা চোংখৎখ। ইঙক ঙাক্লনা মাগা খুৎতা শোদু পাদুনা হাযবকই, “পোৎ চৈশংদু অমুঙা থাংগৎপীবকউ।”

অমুকসু হংলকই, “কাব যেংলিনো, নঙবু চাওবব্রা ? পোৎতু থাঙ্গৎলকওমি।”

হাযবা ইল্লবা অঙাংগুম পোৎশিংদু মঙ্গ ঙ মথঙ থাঙ্গৎলকই। অদুবু মাগী নাহং

হংলিবা মীৎত্তুদ প্রমোদা যেংলে।

"ঈশ্বরনা নঙবু কনবীরবনি। অপঙবা, মতুংদি চা থকউনু, যু ওইনা থকউ।"

মহাক্লা কাবসু হায়বা নংদ্রিংঙদা ওটোদু মীৎযেং বাংমা লানখি। ইহাও হাঙলবা থম্মোয়দ পদুনা তপ্পা চঙলক্লুনা থোংজিন্দা লেপ্লবে।

ঙবা, অয়ক্রুগী লোন্দুনা শম্লম্বা মাগী অমনবা থোঙদু হাংনবগীদমক শোজৈ থং জিনগে তৈবমক্তদা নৌনা খেৎলশিনা চে অমা উবকই। লৌথোক্লুনা পাদুনা যেংই, "থোং লোনশিন্দুনা কদায়দা চৎলিবনো" নুমিৎ তাবা ফাওবা ঙাইবম্বনি। হয়েংমক ঐবু ইপামদগী লৌরীববা। ঐগী গাইডতুগা মাগী মেডামগসু যাওবকই। মখোয়না ঐসে মখোয়গী অমত্তা যাওজবী মচানুপীনি হায়। মখোয়না ময়ানুপাবু উননবগীদমক লাপ্লব মশামদদগী লাক্লি।"

থোংজিন মপান্দা এহাক ঙপ্পা শমথবকই।



মায়থীবা

পুং অমদা হৌগদবা ফঙ্কশননি। পুংদি বারো তাশিনখ্রে। হৌজিক ফাওবা 'নুপন ইল্লাক্ল। অযাক মতাক্লা চংশাক্লমদাইদা নলিনিনদি হায়খিবনি, ''বাবোগী মমাঙদা হনাববকটুকো। ঙান্দি মক ওইবা মী কযাসু যাওগদৌবিবনি।''

অদুগা কাবগী হৌজিক ফাওবা মহাক লাক্লুবা, ইল্লক্লবগা মরমদু নলিনিনা ভাবনা শাজিন্দুনা থিবা হোৎনবমখৈ মপাক্লং নুংশিবকপা হেনজিল্লকই। ৱাপলপুম্বা সাহিত্যগী পামজবা অমনা ওসিগী ফঙ্কশনাসবু তরাই ওরাই লৌনমগনি হায়বা কনানা খাঙবা ঙমগদগে? অদুগাসু মথক্তা নলিনিনা ইকায় খুম্নানংঙাই ওইবা মনা অমা ফংলকপগী নুংঙাইবা ফোংদোক্লুনা ওকপগী থৌনম অমসু যাওবরবানি। নলিনিনা স্টেজদা থোক্লুনা কাবিগুম্বা খবা হায়বকপা, মদুদা মাগী থাকাস যৌবকপগী ক্রেডিট পুম্নাদ মাগী মপুবোইবগীনি হায়দুনা ফোঙদোবকপা, মদু পুম্না তানিংবগী অপাম্বা ৱাপনদা কনিমক্তা লৈবশ্লোই কনম্না হেক্তসু হায়বা ঙমগদগে? নলিনিগীদমক মহাক্লা ঙৌবীখিদববু কাব লৈবগে? তত্তনা চৈদুনা হায়, ''বানানবু অদুক চেকাশিন্দ্রবা কাবগীনো? বানান, খুৎফোংদোক যাম্না চেকশিনগদবনি। ফজবা বাবী, ফজবা ৱাহৈ ঙাক্তনসু য়াবা নত্তে। অদুগা বাহৈগী ইকনোমিসু যেংগদবনি।''

বিপিনদা কাবিগুম্বা অমওা তবাই তবাই থাদোকপা যাদে। নলিনিনা ইবা লেইবক লোইবকপদা মহাক্কা অমুক্তং ওইববসু পাঠৌবা অদুগা খজীক খবাক্তা ওইববস্ শেমদোক শেমজিন তৌথৌবা হাযবসি তৌদবা যাদবা অমওম চথবক্কি।

মহাক্কা হায, "নপাগী মতেং অমদি শৌগৎপীবা যাওদ্রবদি নুপীগী শক্তি অমদি ইতেথাই শিংথোইবা পৃম্না অবেম্নদা মাংখিগনি মবমাদ তৌজিক নুপীগী ফাভম যাম্না শোথাবি।"

মহাক্ক ফেমিনিজমদা নৈনবা লাইবিক্কু মীযাম্না যাম্না থাগৎনাখি। অদগা মাগী শৈনেগ লাইবিওসু নুপীশ গী সমস্যা কযা, লোংশিন্দুনা নৈবো লিংজলবু চ থোকহনবদা থৌনা হাপ্পা ঙম্না, যাম্না মওং নৈবা লাইবিক্কি হাযদনা মণিপুরগী তেংভান লোয়নবা সাহিত্যগী স্থান মমা অনানা মনা পাদনা ইকায খুম্নবা উৎথে। নদিনা মশিং ফেমিনিষ্ট ওইবগী লাচংসু কনাহৎত্রে।

নলিনিনা ইবা থাপদা ... হম্ গী থবক ... কযাদা হাওব বিপিনা মতেং পাংবা, কযা শৌগৎপা। মহাক্কা ... পুনাশিন্দুনা ইমুংগী কপানমনা ... শীনবদি ... মহাক্কা ... চাংদনা, নাখল পনি দ শাথীনা খল্লবা নৈবকপা যাই

মহাক্কা তওনা মাসস্ হায "অশোংবা ফেমিনিষ্টকা পবচেন সাওদনাদ ফেমিনিজমগী মবমদা নৈনবকপদা মনীক চম্না ওইদোক্তে নপাব শগৎনা না, মখোযনা শিবা মীৎযেংনা যে বা ঙম্নবা মীতনা সাহিত্যদা যোন ... হাযবসি নৈনবা ঙমগনি।"

মাগী মদগুম্বা লাভাদু তাব উববগী বনাগুম্বা হবাদ নলিনীন কল্লকপা যাওদব নতে।

"মাগী অসিগুম্বা যমগী নপাগী সপোর্ট ... লবাদ ... যৌবনি।"

মখোযনা হায়তে হাযনগ বাং। নলিনীন মদক হাক্কা শোথাবদ নংখিদে। মহাকসু কাবনা চাইথোকচনোইদগে ম গুম্বী কনাগী নুপা কয়না হাযবমগদগে এখোযগী নুপীশ, চাকখুমদা খাইব চেগপর্ক মও ওা কলম পাযদনা চোংথোকহনবা তঙাযফদ্রে।

বিপিন্না মনা ফংখিবা মহমদুদা মমান্নবী লাইবিক ইবী কযানা হায়খি, "এখোযগী সমাজদা মাগুম্বা নুপা যাম্না দবকাব ওই। মানা অসিগুম্বা, নুপাগী মবমদা ফজনা ফোংদোকুনা ইবা লাইবিগা মনা ফংবাস এখোয নুপীশিংগীদমওদি যাম্না

তবাওনিংঙাইনি।"

মদুদা মহাক্না কযাদা চাউথোকচখিবা। মদু মাগী তৌফম থোকপদুনি খল্লা যাম্না পেঞ্জখি। নুপাশিংগী মায পাকপদা মাগী মাগী নুপীশিংনা চাউথোকচবা নুংঙাইজর্বাসিদি কাবগা চাংদম্নগনি।

ঙসি অচৌবা ফঙ্কশন অমা শীল্লিবাসিদা নলিনিবু ওকপগী তৌবম অমসু যাওবি। নলিনি হন্দক্তা মাগী অহুমশুবা লাইবিক্তা ভাবতকী ওইবা চাউববা সাহিত্যগী মনা অমা ফংলক্নে। তৌজিক্তি মহাক মীযাম্না সম্মান তৌবীবা মীশক ওইবে। অসুম্না ইখঙ খঙহৌদনা সাহিত্যদা খ্বাইদগী মক ওইবা মী হাযনদু ওইদুনা মহাক্কী চাউববা মফম অমা ফংলে। মানা মনাসি ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদো ক্নুনা মাবু ওকপগী থৌলম্না শাথানা চিঞ্জববা মতাম্ন।

হন্দক মবক বিপিনগাসু থবক কন্না চিংনাখৎলকই। লোংঙানবগা চৎখি, নুমিৎ তাবগা হল্লকই। মহাক্না চৎমিন্নবগী তাঙ্গা অমা ইফং ফংলক্তবা তোযশিল্লক্নে। হ লুনবস থাহনাক্সিএল ইযবগী ওফিসতা থবক যাম্না চিল্লি, অদুনান হায। তবাংদি মহাব নাকৎ যাঙনা হায্জখিবনি।

"হায দি নঙগা থবক্কাদু অমত্তা চৎপাবনুবে। নঙবু মখোযনা শোযদনা হ লক্কনি।"

"হয়ে দ এখোযগ বোসকা প্রমোশন ফংবগী যাম্না মক ওইবা পার্টি লৈ।"

"যাদে, হযেংদি নঙ ঐগা চওবা সুকযা যাবোই হাযানবাসিনি।"

"যেংউ, এনা পার্টিদুদা যাওকদবদা বিবেন্নসু নুংঙাইবোই। ঙসিসু হয়ে গা থবক খ্বাদ, ইবানাতনা শাল্লাক্লবান। অদগা বোসনসু মবম শোযদনা হংলক্কনি।"

"মবমদু হাযখো।"

নলিনিনা ইযাং যাংনা হাযদোকই। বিপিন নোকপদমক নোক্লগা হেক্কখি নলিনিনা ওক্লদুনবু হাযজন্দা মহাক্না যাদনবা থৌনা লৈতে অদুম্ন হোকনা হোকখিবদুনা নলিনিদা আশা অম পীখিবদুনা ঙসি বিপিন্না চৎথোক্লমদাইদা থৌফনা অমুক্কা হাযখিবনি, "বাবেগা মমাঙদা হনবীবকউকো। ঙসিদি মক ওইবা মী কযাসু যাওদৌবিনি।"

বিপিন্না ঙন্নোইসু হাযবমদে।

নলিনিনা থাজৈ- বিপিন শোযদনা নংনবা হল্লক্কনি। কনিগী হল্লক্লোইদৌবিবনো' মহাক্না নলিনিবু অসিগুম্ব থাকসি যৌনা নাকপদা মতেং কযা

পাংবীবকখ্রবনি। মমাঙদা, নলিনিবু ওকপগী থৌবমশিংদা যাওবা ঙমহৌদ্রবসু ঙসিগী অসিবুদি অবেম্বদা থাদোক্লিংলোই।

পুংদি থেঙজিল্লকই। কাউখ্রববা? মদুমক্তি থাজদে। অদুদি কবম্বা নাম্থোকপা যাদবা অমমুক লৈবকজাংনো? মওল মওল খল্লম্বদগী মতমদি যাশিল্লক্লে। ফিবোল শেংথোকনবা লোইদুনা ঙাইহাক ঙাইবগুম লৈ। মপুক্লিংদা বাখল অমা খল্লক্লুনা চৎনবগী থোবক্লে। মহাক্না বিপিনবু হাজে। পুম্নমগা তানফম কযাদা মনাঙা লেপ্পীবক্লিবা মহাকপু মপক্লিংদা থাজবগা চাংযেং তৌকা মহাক পামদে। বিপিনসু তত্তনা হাযবা হায়রি "মাৎকুপ অমত্তগা থৌদোক্না পুম্নমক্পা চেৎনা থল্লকপা থাজববু হেক্তা মাঙহনবদি অপঙবা তাগনি। থৌদোক খুদিংগী মরম অমমম্দ শোযদনা লৈগনি।"

ফজ্জশনদ মফম মবা, খঙহৌদনা লোইশিনখ্রে। বিপিনদি অদুমক লাকাখদ্রে। মপাক্কা নুংশিনবগা নুংশা থীবগা বা শবা ঙাঙখিনদু কবি ঙাঙখিবা অমত্তা খঙহৌদ্রে। মহাক্না কাপ্পিং কাপ্পু তৌনা হল্লকপা মতমদু থাওনা বিপিন হল্লক্লমদ্রি।

'বাপন্না' হল্লকপদ পা মাপল তেল্লে। নলিনিনা খাল্লি – ঙসিদি মহাক মপুক্লিং থাজানবা নমদদনা। শাহদনা কাপ্পু লাকানি।

"চাক চাবরবা?"

মহাক্না হমিন্না লেবন উবদা মখা তাবকখ, "এনা হাযদ্রা, ঐবু ঙাইরমগন, চাক্তু চাথোক্লন্ন।"

• নলিনিনা মপাক্লিংদ হাযজে অসুম্ম্বসিদ নখোয ফেমানষ্ঠান হাযদুনা শেমদোকপা তৌরগই, নসিদ মা মাগী পামজানী মতৃ ইরানি। অদুবু কাপ্পুংবা, অশাগুন সানদা হাযনকই, "অযক চৎতুদগা তৌনা পাটিবু হৌজিক্কা লোইববা?"

অসিগুম্না নহৎনা হৈরগা নাহা সমমগা নপাশিংগা চানফা পুববা পাডোনি। মদুগী পা চখুমস অদম্না অদম চানবা পববা পা উখাকি অদুবু উগুন ওন্নবা পাউখুম অমা নলিনিনা তাগে, "এ যাম শাহ। মস এ খাওব উমদে।"

অডকপা মাৎতেং অমনা নলিনিনা বিক্লিনদা যেংলকই। কাবনো মানা অসুক খাঙডমদ্রবা? কবি থোকখ্রবগে? কনাগী কবম্বা থোকহল্লিংদবা থৌদোক থেংনবক্লবগে? বিপিনা মমাংদা হায়খিবা লৈ ঐদি মাওইববু নুংশি, মীগী থম্মোয শোক্কদবা, মপুক্লিং নংঙাইখবোইদবা অমগা তৌনংদে।

মাগী অদুগুম্না বাহেন্দুনি ঙসি ফাওবা নলিনিনা মাবু ইকায খুম্নজবক্লিবসু। মাওইববু নুংশিবা ডম্বা থম্মোযদগী হেন্না মমল যাম্বা পোৎপু কবিনো?

"কৈদৌবগে?"

"কৈসু তৌদে। কবিগীনো।"

অদুবু বিপিনগী মাযথোঙদা তানি, খোযবাং খোযশাওনবা, লাঙতক্লবগী মমি। কবিসু থোকখিদে হাযবা নলিনিগী পুক্লিংনা যানীংবা ঙমদে। ঙসি ঙবাংতা শঙনবা নত্তে, চহী কযা লোযনবক্লবনি। মতাক মখা তানা কবিসু হংল্লদ্রে; মসি নলিনিগী মহৌশানি। অদুনু মাগী তৃমিন লৈখিবা মতৌদুনা বিপিনদাদ হেন্না খোযশাওনহনখ্রে।

"তৃমিন লৈবসু নাপল মখল অমনি। ইশাগী ইজ্জৎ ঙাক্লা হিংবা ঐ পাম্মা। এ নপানি।"

হন্দাক্তি নলিনিগী থম্মোযদা শাফু কল্লবা চৈথেঙ অমনা থেংলবে। বিপিনগী ব্যবহারদুনা হাযবগুম তৌই নঙনা ঐবু পুনিংবা মফমদা পুবা, লেপহন্নিংবা মফমদা লেপহনবা যাবোই। ঐ নুপানি, নঙগী তুংদা লেপ্পুনা লৈবগা নডোন্দা ইকায খুম্নবা উৎলাক্লিবা মখোযদা নঙনা ঐবু শক তাকপদ ঐ পামদে।

নলিনিনা মীওইবগী থম্মোযবু মশক মমিং খাযদোক্লুনা মখল কযাগী পরিচয় পথোক্লুনা ইখ্রে। অদুবু অদুক নক্লা লৈমিন্নবিবা মীওই অমগী থম্মোযবাদ খঙলমদ্রে। নলিননা খল্লকই মানা ফংলিবা মনাদু মাযপাকপগী নত্তে, মাযথীবগী মনানি।



স্ক্রু

সঞ্জয়গী ফীভমদু ঙসিদি নহানমখৈদগী খংহেন হৌঞ্জনবগুম তৌই। ইমুংদু মাংলা পমংলা হেক থম্লি। মনা মতাংশাংদ অমাম্না লাক্লদা। লৈবে। মমাদি মচা মচাদা চপ চপ লেপ্তুনা লৈ। কেনা লাকচনবগা মক কেকথৈনা লাইহাউ মনীংদা হৌজিক্দুনা চাং ববগনি। মচাগা নাং না অমকা চেলেই, শাং শাং উদুনা হেক্তা হোবকই।

সঞ্জয়গী [illegible] হৌজিক লক্লুনা হেন্না

"মনাই [illegible], [illegible] মাইবনা ঙসিদি [illegible] তাদ্রে হৌসি হায়রে।"

"খাড়্দে [illegible] এ [illegible]"

"লমদ খবা হায়নানা [illegible] নবনবগে।"

"খড়নগে সু চুম্না খড়গে [illegible] হায়রসি নাং বদি মাবু নপা লৈএববা?"

কপ্লম্মদগী অশাওবগা সুব লোয়নবকই।

ঙবা নহালদগীনি নত্তে। ঐ মখায় অমবোম হৌঞ্জল্লক্লে সঞ্জয়না চোইবোল পাবোল লেংদুনা নাবকপা। [illegible] মইবা কয়া যেংখল্লি অবেম্মা তাই। ঙসি অবাপ্পা মফমদগী অহৈবা মাইবাং হায়বা অমা মনেংহল্লগা নপানা লৌকই। মানা যেংবদগী

খঙবনি পোৎশেম যাওবে হায়বসি। হাযবখুদি অতৈ মাইবনসু পঙহায হায। ইবাৎ পজা থৌনিবনচিংবসু অদুম তৌই। ফৎলক্লবদুদা মখোয পুম্বদা লৈবম্বা থাজবদু মাঙখ্রবনি। ঙসি লাকপা মাইবসিমদি মখোয পুম্বদা অনৌবা আশা অমা পীনবে।

লাকপগা মিন্থল হাইফেৎতনি যেংখিবা, জব জব হেক্তা হাযথবকই।

"লৈশাবীনিনে তৌবাক্লসে। লমদি ইবাপ লাপ্পা নৎে। থুনা লৌথো ক্লদি নাতে চাবে'ইবো। লৈশাবী অনীনা মখোয মশেল নুপা মচাসিগী হাক্তঙ' অঙম তান্নবকপনি।"

"অদো ওজা, লৌথোকখ্রগা ফবদি ফনিকো।"

থবায বাজনা হাযবক্লিবীদুদা যেংলগা মাইবনা যান্না থাজনা খুম্লকই।

"এ ফগনি, ফগনি। নুমিৎ ংবোমঙানিগী মনুংদা হেক যৎএবা মাইবা ওইবা ংোকখোক্কেতে ইবেম্মা।"

মাইবনা হংচিৎ নিংথৌকাবা নুমিতু শোযদনা পোৎশেম লৌথোকপাগী- হাযনা হাংডনা পাবম্লগা চংখ্রে। সঞ্জযগা মমাদু কপ্পা থানা কপ্লুবে। নানা যানসু ব কবে। ইীং ক মাইবগী নাদা আশাগী মযোল চোংদনা নোকচনে। সঞ্জযগী মপাদ মমাঙদা নইবা মাইবাদা কযা থাজবা মাওই নৎে। মচানুপাগী মওডসিদা মযাম চঙদনা চংবও কাবঙ ংৈদনা ম ইবা যেংহনখিবনি। হন্দক্কা মাইবসিগা লাইফাও মতা অসিদাদ থাজনমদবা মহাকস থাজদবা ঙম্লক্তবে মবম লৈতনা মচানুপানা অসম্না হেক্তা ইহং খঙহৈদনা তৌবকপা যাবা নৎে। হান্না নিশা চাবা লমহেনবা অঙাংস নঙ। মশা নউ ফখ্রবা মচানা।

"নানা সঞ্জযগা মওডস ঐখোযসু পুবা ঙাক্লবনি। মানা অসুম্না নাখল অমা ইতৌ তৌনকপাস ঐখোযসু থাজদে।"

মচানুপাগা ংিঙ্গাবা নাবনা থাজবা ফোঙদোক্লনা হাযবকই, "মাইবনা হাযনিসি চুম্লমগদবা মাখল্ল। নুপা অনা হাযবদুসু চুম্মা। মানা তোহনা হাযবিবা নুপাসনা কোং খঙনবনি।"

"খঙদ্রে ইবুংঙো, মানা হন্দক তৌবাক্লবসে ঐসু জ্ঞান তাশিল্লক্ত্রে। মানগা তোযনা নুপীদুগী মমিং পনশিল্লকপসিদা ঐসু নাখলসে জাৎ জাৎ খল্লবনি।"

ডোক্টব কযাগী প্রিস্ক্রিপশন্না টেবল, ফমুংগা মোন মখা পুমঙৌ ডৌবনান শোকপা পনবা থোকখিদুনা তৌবকপসু নত্তে।

সেকেণ্ডবগী পবীক্ষা ফাওদুনা হবাও হবাও কোলেজ কাজবদা ঙাযজবিবানা

সঞ্জয়গী ফাওমাংসদা পোৎশেম যাওবে হায়বাসি পম্মক্লা থাজনবে। হৌজিক মযামগী আশাদি শুপ্লগ অনৌবা মাইবাসদা থম্লি।

নবদ তাংবা যাবা তাংবমল্লগা মকপক। নাক্তা চঙলকই। মনাক্কী চৌক্রদুদা [illegible] হংলকই, "কৈদৌনো তৌবদবো? নাবর অদুম্মা তৌনববা? কোলেজগা কানিংদ্রেনো?"

"ডাইরেখোদা পংলাডুদা লাংডুলদনা। 'পাক্কদর্ ডগাং নঙগা উনকদু শাউদি শা চট্টেদেকো।'"

মমাংদু বন্দি [illegible]।

"শা ইবাদি শাটনদৌ। মংথন্দা বা অমগুম্দ হংনাংবনি।"

নবদ কনি খুমগদৌনো খল্লি। মনা হুইন লৈনদবা নাদুগা পাউখুম থি। সঞ্জয়দি চাৎবা লেপ্লে।

"এদুসি খাওদৌরে, মহাক চঙদনা ফাক্তনবদা। পিক্কনা খল্লমদৌসি কাবনোবা।"

"কবিনোনে নঙনা পিক্কিদা হায়বিদুবু, মাস মানা থোকপা।"

"নওস খাওহৎলক্লেদনা। 'পাক্কপা মশামদু যাম শাউদনা?' মদদনিংনো [illegible] কাবিসে। মদুদা ডাওদবা মাদদি চাক চাদ্রসু যাবা।"

"কাবগা?"

"হৈহে, শমদুনা নোশমদ।"

মাইবনা হায়বম্লি। হংচৎ পোৎশেম লৈথাকপদা শম মযাম ওথোনক্লনি। শোয়দ্রে খল্লে।

খুযা ওইনপা মচাগা মতৌ [illegible] দুনা লেপ্লগা মনাদ শাডবপ তৌবা সুবদা তপ্লপ চৈবোই কনিগুই চংলকই, "মহা য়েংগনিংনো, অডাং মানা তৌবাল্লিবদুবু কউজনে।"

"কদায়দগা মানদা ওইদগে?"

সঞ্জয়গা মন্দোমচা নামোনদা ওডবাদুনা হায়বকই, "মমা যাওবমগনি। হৌজিক কালদদি মচানুপাগী মযা থিবা কোযচৎ চৎনববনি।"

মদু মনে যাইমদি যানিংদে।

"অতৌবা খবগা বানিদা, নুপী লোইনা তৌবা নওে।"

"হোযনে।"

অমনা ব্রাতেশ্মী, "তৌববুদি মখোয খবনা নুপী হাযবা জাৎসি লৈখা তেক তাহনবান।"

"নুপী ওইকর্বাসি ইবু ইকায।"

"কৈদৌ ইকাযজকনেগে, থৌনা লিংজেলদা কখোকপদা মৈতৈ নুপা হাযদনা শীংথার্নাবদুদি!"

মবী মবী শমথখিবদগী চুম্লগী ইমুং মনুংগী বাবীদগী অ. বাজনাতি যাওবা যৌবে।

"মযামাসগী মতৌমক্লে পিক্কিগী ইকাযগনাবা মতৌদুনো ফনা লই তৌদৌসি।"

মতোমতা মুকুম মুকম শোন্না [illegible] সজেৎ।

[illegible] মতৌদু যেংবদা সজেংগী মমাদু মপা তৈখোকই। হৌজিকমক [illegible] মাইবদ্বু পোৎশেম লৌথোকহল্লসিবা খল্লকই।

"ঐ চৎলগিদগা নৎত্রবাদ থবব অমত্তা ওইনবোই," সজ্জযনা ভাডনা [illegible] তৌগৎলকই

"[illegible]" [illegible] হাপথগ্লব [illegible]। বাবত্ত ইথোক্লুন চৎকদবনা তৌবকই।

"পিক্কদ [illegible] চৎখদৌবে হাযবনে। ঐ চৎত্রবাদ [illegible]বোইয়ে [illegible] ওবমদ্রবাদ ফগাদবা।"

"[illegible] নড়াসমা। [illegible] ইবেঙ্গনা হাপথৌ। কদাযদগী নহাবোলনে।"

"মপান [illegible] নোংমৈনে মোযনা পাম্বিদে। পিক্ক 'কাবস মদনা ঐ চৎলেকে।"

"[illegible]খামী।"

"[illegible] অস, লাই [illegible] ওবে।"

[illegible] সজ্জবগী মমাগা পোকমিনবা মামতোন্দু চড়লকই। মাগা [illegible] সাইাকথাট্রিষ্টনি।

"কৈদৌবে হব [illegible] মামোনা পোক্টব পুবক্লে অমুক্তং যেংহনসকো।"

"নহাবোলগী নহাবোল ভাক্তা।"

"হোযনে হোযনে ভাইহাক্তা হাপথৌ। কাবসু তৌবোই।"

"পিক্কিদু খ ড়লাদ বা খোক্কৌবানি তৌবিসে।"

নুপামচা খবদি থাক থাক নোকই।

ডোক্টরনা হংই পিক্কিগী মরমদা, অতৈ অতৈ নাবা হৌবকপদা, কবি কবি তৌবকপা, কবম্না তৌবকপা, কযাম কৃইরবা।

সঙ্গয়গী মপানা ডোক্টরদা ৱাৰী লৌবকই, "অহানবদা ঐখোযনা খনবদি চুম্না গাড়ি মচা লৈবীদবগী নিংঙাই ওইববোই নীংবনি। গাড মচা লৌবযোদি যাম্না তোযনা হাযবম্মা কোলেজ চৎলু খোৎলু ইযা যাদবা, চাওচুবে মানা থোকপা অমা তৌবা, সম তৌবম্বদগী হেক্তা কমদৌখিবনো খন্দে গাড়ি মচা লৈবিয় হায়দুদি তোকখ্রে। মানা তৌজক পনাখিবা 'পাক্ক হাযবাদুদ' সম হায়দনা লেপে। চাবা থকপসু চাং নাইদবদুগা মশাদ শোল্লি শাল্লি তৌবদুদ ঐখোযনস মপান ইপান ইথোক থোকহন্দ্রে। লোংম লো ঙাগা থবাদ লায়বদনা হৌজেল্লকপদা ওইরবাসনি। মাইবনর্বাদি পোৎশেম য়াওদে অদু তৌবে পঙহায় হায। খঙ্দ্রে ডোক্টর"

বাবা মহা হাবম্বদগী ডোক্টরনা হায়বকই, "পিক্কি হাযবী নুপামচাদু অমুক্তা কৌবিগস। মাগা অমুওং উৎ তল্লদি।"

ডোক্টরগা নাং ঙনদা সঙ্গয়গা মমানা হাযবকই, "কদায়দগা নোনা ইবংঙো, কৌবগা যাব নডে।"

মগী নোনদবদু কপ্পুব ডোক্টরনা হপ্পা ভাব হংনানা হাকই, "ইতেমা, নুপামচাদ চানহনবা হাযবাস মাগা মনাবীস ফংহনবদ যাম্না মরে ওইদ্রে মাইবগা নাদবাদ চম্মস মযাই অদন ঐগাস খঙ্ডাবা খনদ, যেংজাগে।"

মমাদ হেক্ক দ হেৎলকাখদ্রে অদন মপাক্কুংদদি ইদপ পেঙাদ। মমাগী পোকমিম্নবা মামতোন্দ নিবদগা পিক্কিগা লেযাম চাফম্মচিৎবা হংদনা গাড় থৌদোকখ্রে।

ইকাং নাংদং মশাক মাই চঙোনবা নুপামচা অমা পদনা মামতোন্দু লাক্লে। নুপামচাদগা মশাক মাওং উবদা তাঁমন তাঁমন যেংনবম্নদগা চাঙনবকই।

"মশকাসং তৌখানাক্সগা খেংবেদা"

সঙ্গয়গী নান চৎনাক্কুইদ ডোক্টরগা উনাখি। ডোক্টরনা কৰি কবিনো যাম্না তাকই পংখাযমক সঙ্গয়গী মতৌং অনীগা কাদুদা বাবা শানহল্লবা মতৃংদা মামতোননা নুপাদ অমুক হানখি।

নুপাদু থোকখ্রবা মতু দা ডোক্টরদু সঙ্গয়গী নাক্তা চৎলকই। অদুগা হংলকই, "ইবুংঙো গাড় মচাদ নচগী মাম্মোনা লৈবীবগে হাযবে নঙবু কৰি খল্লিগে?"

মযাম ইৎক চক্লে, গাড়িমচা লৈবগী বাদি চাঙনখিদে।

"ঐ গাড়িমচা থৌনবাই মাম্মো। ঐ লাইনিক ফঙনা তম্লগে।"

"শোযদ্রেকো ?"

সঞ্জযদু নোকফেৎ তৌই।

"এ হযেংদগী কোলেজ কাবগে বাবা।"

ইণ্ডক ঙক্লা যেংলিবা ময়ামদুদা ওনশিন্দ্না ডোক্টবনা হায়নকই, "গাডি মচানা লৈশিংনা খবা নটান, পাঙ্কনা হন্দোক্লম্লনি।"



চৈরাক পীবা

"পুন্সিদা ঐ অসুক শাথানা ককঙাওনবা অমুক্তা যাওখিদ্রি। ঙসিদগী থা অমমুক্তি মমাঙদগীনি, এনা লৈতাফম খংলাক্লবদি।"

যাম্না থাজদনা সোনবনা হায়রকপনি। যাম্না থাজদনা হায়রকপ মাগী বাদুনা ইন্দিবা ইবানা হীনা নোকই। মাসু নাকত

"নোক্কনবা ঐগা যাম্না শনা হায়রবনি।"

"মরমদু হায়যদনা?"

ঐনা হৌনা ইশা শাদনা হায়, "এহোম লৈনিসিদ?"

"হে সিয়ে ই"

লেপতগা চ অমা লৌথোকখবই। ভাইগুমদনা মাংখ্রা ক্লনা ইন্দিবা ইবানা চঙদুনা পাই। নিশিকান্তনা ইবকপনি, মংগা হোসস সনামচ তৌগে খোনকপগা লুহোংলনি হায়বকপনি। মসিদা মানা ককঙাওনবগী মরমদি যাওদে

"সিদ নুং ভাইবা পাউনি"

ইন্দিবানা চেদু পানা পানা হায়, "নঙনা লৈতাফম খঙদ্রিদুবু কনিগীনো?"

ঐনা চিংনা মখা শমথৈ, "নিশিকান্তবু নঙনা।"

"নত্তেদা, মদু নত্তে।"

মানা অশাংবা বাবী অমা লাগদৌবগী হৌবকই।

"চহী মঙ্গামুক্কী মমাঙদা মাষ্টর ৌমিন্নাখবা ঐখোয় তনামুক বিনাগী যমদা চাব চানখি। মতমদদা নিশিকান্ত ঐখোয়গা প্রাইভেট কোলেজ অমদা ওজা ওইমিন্নে নখোয় খঙাঙদনা নিশিকান্তদি মহৌশানা লাংজবান। নুপামচা অমখুং টবদা লক্লগদৌবগী মযা কাবিবনি। চাক চানবা নুমিত্তুদা মযাম মমাঙদুদা কোক হংহনবই, 'বন্দনাদু লাঙনা খবা শেন্নীদা যাদ্রে। ঐ মহাক্তা পমঙ্গাও ঙাওবে।'

"বন্দনাসু কোলেজদুদা ঐখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নে। ঐগা নক্লসু লোয়নবা ইমান্নবীন।

"তানিংদেদা, তাখদি কোলেজ কাবকপগা ঙন্নবোই। লাঙশিন্নবীন হায়দনদু নাইত্তে চাদবা।'

"অওইনা, ঐগীসে লাঙশিন্নবা নত্তে।'

"অঙাংসু নত্তনা ইচোপ চোপ্নবনি।'

"বন্দনাগী মতাঙদা খাওবিবা আসণ্ডুম্না ঐ অমুক্তা তৌখিদ্র। ঐগা ইতেংদা অমুক্তা পাংবীয় কৈদৌগে?'

"চাক চানবা যাওবা মযামদসু যাওনা তকশিল্লকই। মতাক চান্নানা হেক হায়বে। মাগী মহৌদদা ঐসু বন্দনাদা বাফমদু হৌদোক্লকই। বন্দনাদু কযাদি খাউবকখ্রে। মাগী নুংশিনবনা নৈ অদুগীসু মথক্তা নিশিকান্তবু নুংশিনবা শুকঙম ঙল্লোই হায়দোবক্লে।"

"অদুগা মথাদি?" ঐনা তানিংবনা ঙাইঙমদনা তকাশিল্লি, "নিশিকান্তদু শাথানা ইকায়বমগানদো।"

মানা মখা অমুক লৌথবকই, "ঐসু খল্লুই, পাউদু তাবদা মতাব কনম তৌগদগে? অদুবু পাউদু তপ্না হেক লোইবগা হৌনা লোক্লকই। অদুগা হায়বনই, 'মাগী নুংশিনজবা নৈ হায়বা ঐসু হান্না খঙই। ঐদি মহাক্তা মাগী ব্রোযফেন্ড হংউ হাযখিবা নত্তে। ঐগসু নুংশিনদসি হায়খিবান।'

"ঐ শাউনিংবনা লোইবন্মী। কবিনো মসিবু ঙাওব্রা নৎঐগা নুপীনা হায়দনা উশিৎত্রববা খল্লন্মী।

"ঐখোযসে নখোয়গী ফাগী তৌফম ওইনা খল্লমাল্লে?'

"খন্দে ঐনা বা ঙাঙবা হৈতবান। খঙদে, ঐ তশেঙনা ঙাওচৎনবা হায়দ ওইবে। মাগা যাম্না লোযনননিংই। থা অনীমুক্তা, শপ্নগী থা অনীমুক্তা ওইবসু নুংশিনসি

হায়রিবনি। মাগী বোযক্রেগুদনা মপান্দা লৈবিডৈদা।'

"ওইথোকপা যাবোইদবানি মদু। নঙবু চাওববরা? অদুক শাথানা চাওখত্রনা বাদু ঐ হায়বা ঙম্লোই।'

"হোয়, ঐসে চাওরে। মাগী মবমগা ঐ চাওখৎনবসু ওইরে,' হেন্না অনম কনাশিল্লকই, 'অদুবু থা অনীদগী হেন্না যেংলোই। এ বাশক্লিবাসিনি।'

"নিশিকান্তগা অনম খনন্দ্রু খৎইদন? এস্ যারে, যেংদম যেংলগে খল্লে। কয়াদি মোল্ল, 'থা অনীখক্কানিকো।'

"বন্দনাদা পাউন লোইনা তমদনা তাত্লে। অদুগা হায়কই, 'যেংথোকসি। ননদম নিংখইদৌ মাল্লে, দাম্না শান্নবদৌনা।'

"মাসু যারে, চন্দ্রকুমারনা ট্রেনিং লোইদুনা থোরবাত্তুনবথাওবাদি কনি তৌই হায়গে, নুপাদনা নৌনংনা তৌবা মাগ্রা এথোয়াস মখোযবু শান্নবা যাইনা হায়না মাসু উবাহ লাইনা হায়দোবল্লে

"কোলেজদা অনৌ অনৌবা নওচনা শান্নবা মখোয় অনীগী দ্রামাদ ফনা নংতাত যেংবা। অদুদস নত্তুনা মখোয় অনীনা কোযাম্নানবা, শানবকপা বাবি ফাওনা বন্দনাদগা লোইনা তানা মংঙই। মাসু নিশিকান্তনা চৎপা হায়রিবদুগী মতোল, কোয়াম চৎলিবমগী কোযামনো।

"ঙবাংদি কযাম লোক্লিংই। নিশিকান্তগা খুটন অমনবদু লশ্নীদা যাবক্রুবনিনে। নোংগা চুবকপদুদা ইন্দোমচা লিনাবাতগী দুকান্দা কযাম কইনা ফমদোক্লে।'

"নঙ শোযজানকো,' ঐনা চেকাশলহল্লে, 'থা অনীখক্কানি হায়না কাঊবানি।'

"ঙাস কযানি বাংলা অদুদি?'

"ইবানী চঙ্গনা নমৎ পামল্লে শপংগী থা মখায়মক্না ঙাযাশল্লক্লে।

"ময়মাস খঙতৌদ্রেকো' তশংনা নিশিকান্তসি অঙকপা মীনি।'

"তোয়নে অদবাদ,' ঐনা মতৌ যেংদুনা হায়, 'অদুনবু ময়াম্না তৌনদবা তৌবা নংগ্রা?'

"কবম তৌবনো খঙকৌদে অদুক খেন্নবা অদুক যানবমদবা অনীদু ওখাক নর্কশিন্নখি।

"নোমদি বন্দনাদ যাম্না শাউনা কোলেজ কাবকই। নুমিঙ্গ নিশিকান্তদি কাবক্কে।

"কৈদৌবে বাগা ঙাওাদ্রিদুবো? কনাগা খৎনবক্লগে?' ঐনা লকুকই, 'নিশিকান্তগবা, মাসু কাবক্কে।'

"মহাক খুমদে। মাযথোঙদি খোযশা ওনবগী মমি তাই।

“কৈদৌবগে হাযযুদনা ?”

“মাগী মচৎসি ঐ যাম শাউনিংই।”

“কনাগী মচৎ? নিশিকান্তগী? মানা কৈদৌবিনো?” ঐ মঙোন্দা যেংদুনা পাউখুম ঙাই।

“মানা ঐবু মফম অমঙা খঙহন্দ্রে।”

“চিংনবতনা ঐসু লৈতাফম খঙলক্তে। কবি থোকখ্রবজাৎনো?”

“কবি হাযগদবনো খঙদে।”

“মাগা মাযথোঙদু লাঙতক্লবগা মমি তাই। মখু যেংনা যেংনা চিংনবগা চা হেল্লনই। মহাক্নস নিশিকান্তবু তশেঙনা নুংশিনব্রা ?”

“মতম খবতগীনি হাযবা নঙ নীংশি নীংশিংলিকো?”

“মহাক ঙক্লপ্পা যেংলকই। ‘নঙনা নংব্রা’ হাযবক্কদ্রা পাখৎলকই। তশেঙবগীস ঐনানি হায়বা যাই। এনা কন্না তক্লদনা মাব যাতনাখিবনি। মীওইবগী মমল যাম্লবা থাম্মোযগী পোৎশক্ত ঐনা পুখোক্তনা শাগৎহনখিবনি। মদুগী কান্নবা কবিনা খঙখিদে, মাঙজাদুসু খঙনীংলুদে।

“মদুব কাউবা যাবা বাবা?”

“হৈনে, মদুব কাউদ্রবাদি কবি বানংঙাই লৈবগে?”

“অদ ওইবসু। খঙদে, থবাযাদি পঙবাদা বায।”

ঐসু বায। ইশানা খঙদনা অনানবা অমা তৌখ্রমাল্লে খল্লি।

“মানবু কবি হাযাবনো? কিহল্লকপগা তৌব্রাম?”

“মহাক নোক্লকই। ঐসু নোকই।

“উম, এনা নুপা অমদা যম থক পানাখিবদা নপাদু মানা হাৎকনি হায।”

নোক্লিংবদু খাঙলগা ঐনা হাযনই, ‘ইস অদুদি যাম্না লাবনে।’

“মহাক বাখল অমদা চপ যুংনা লৈগুম তৌই।

“ফবে, অদুদা মতমগা বাদুদি ? কইসু কুইশিল্লক্রে।”

“শুকখঙ খঙশিংদে। মী মওঙ অমনি।”

“নঙসু পন্দবা।”

“কযাবক হাযববা। মানা থোকপা অমা তেক্তা ঙাওই। মাসদান ঐনা কবিসে।”

“কবিগীনোনে ঐ ঙাঙনগে।”

“ঐসু হাযকবা শাই হাযদুঙাই ইচিং চিংনৈ। কনানা খঙবা মীগী মরুক মনুংদা

লৈবা বাবু।

"নঙ হায়রু, ঐনা তৌকর্বিসিবু কাবনো?"

"বাহংদু স্নাগ লাউই। এচৌন্দমুক হংলাক্রবোই খাল্লে নঙনা ঐবু তৌহল্লিবাসিবু কাবনো? অভিমন্যুগী চক্রব্যুহদু নাংশিনলকই। ইবাগ লায়রবান খল্লবনি, খংলু লুশিনাখ। বাখলসি পঙাচনদা চিনাশনবগুম হৌই। মীওইবগী থম্মোয়সিবু কবম্না পোৎনা শাবনো? কল্লক মিচৌ, অপাম নুংশা হায়বাসনা। তাঞ্জাবু ফংলবদি মীওইবগী থম্মোয়দা হেক্তা চোংশিন্দুনা লৈখ। থম্মোয়গী মনাং তম্না মচৎসি কবিগুম্বদা ওস্থোক্রস্ ভমথী।

"থম্মোয়গী বা খল্লবগী বন্দনাসু মীওইবনি হায়বা নীংশিংলকই। কাবগুম্না মাগী থম্মোয়সু মশা খণ্ডজদনা মনাং তম্লম্নদা কবি চিংনানিংঙাই লৈবগে? নীংলকপগী হেক্তা হায়দোক্লই, 'খংদে ঐদি নঙবুসু কি। কনানা খঙনি, নঙসু...'

"ঐ, ঐবো, কবি?"

"মমীৎ লাওথোক্তনা ঐঙোন্দা যেংলকই। শাউবগ তৌবা সুবদা হায়বকই, 'মদুদি মঙন্দফাও ওইথোক্রোই।'

"উচান নাচিন্না মখোয়গী থা নাগী মতমদু লোইশনখ্রে। নিশিকান্তসু বিসচ তৌদৌর্বনি হায়রা কবিনো কোলেজগী ছুটি লৌদুনা মপান্দা চৎখ্রে। ওস্থোক্লা বাহ শংলে। ফত্ত-নুংদা থোক্তনা নিশিকান্তদ যাম্না লৈলাক মচা তানা চৎখ্রে খল্লবদা পৃক্লিংদা যাম্না নংঙাইনা ফাওখি।

"অদবু থা অহুম্মুক্কী তুংদা যাম্না থাজর্নংঙাই ওইদবা পাউদু লাকখি। চন্দ্রকুমারদ কাপ্লস্নে ট্রেনিং লোইদুনা থোরকপদা চার্জ মদুবু কবম্না থাজগদৌববনো? মাগী কনম্না যেক্লবনো অদুক তমথীবা থবক্ত 'ভিবনদব' ঈংজ তপচব' মবক ফবা মনি। চমম্লাবইঙ টেলিফোন বিংদু খাংলকই। চেনাশিন্দুনা বিসিতবদু হেক পায়খৎপগী তনীক তনীকপা বন্দনাগী খোঞ্জেলদুনা ঐবু মঙলাক্লহনখি।

"নঙ হাবববা? মসিবু ওইথোকপা যাবা পাউবা?"

"ভাবে। ঐ লাক্কে, কনিসু বাকনু।'

"শোয়দনা লাকউকো। ঐ যাম্না কিবে।'

মাগী খোঞ্জেলদু নুংঙাইতবদগী মিপাইবনা শরুক কয়া হেল্লি। ঐগী পৃক্লিংদা খঙহৌদনা কবিনো অমা শংফাও ফাওনকই। মদু মাগী পৃক্লিংদসু ফাওববা?

"কবিগী কিদৌবনো?"

"নঙদা লাকউ। পূক্লিংসে কবিগীনো খঙদে যাম্না বায।'

"ঐগী পূক্লিংদা খল্লি ওন্থোকপনি মীওইবা, পুক্নিগী মমলসে কবিসু লৈবক্রুবা। পুক্নিগী মমল ফাওবা নোংমৈ শুলী অমগী মমলগা মান্নবর্বদি থম্মোযর্গা নুংশিবগী মমল খঙবা মী কয়া যাম্না লৈবমখিগদগে? কনানা কনাবু থাজগনি? পুম্নমক তাৎ ওইনা উবকই। নিশিকান্তগা বন্দনাগনা নুংশিববু দ্রামা শান্নবগুম শান্নখিবদু গুম ঙাসিগী মীওইবা খূদিংমক্কা হিংলির্বাসদসু দ্রামা অমা শান্নবিবগুম ফাওবকই।

"বিাসভবদু থমদুনা মায লৈথোবকপদা ইমা তুংদা লেপ্পুনা লৈবম্মা।

"কদায চৎতৌবিনো?'

"বন্দনাখোযদা।'

"নঙনা চৎলগা কৈদৌদৌবিবা? চৎখিনু, চৎখিবা যাদে।'

"ইমা মহাক ঐগী মক্নপর্ন এনা কবিবদি তৌকনি। মপাক্লদু খবদা ওইবস চাটথোকচনবা শকয'ওদি উৎলূফম থোক্তবা?"

"যাদে। ঙবাস্ বন্দনাগী যুমদা পুলিস লাক্লনা যাম্না হংলৈ হায। হৌজিকসু অদু চায, মীহাৎপদু খংদ্রক'ওবা লাকাখদৌবান।'

"মান হাৎপাদি নংভ্রদনা? মাগা খঙনকই হাযবথক্লি।'

"খঙনবনদ মাগা মবালান। শিবিদগী মনাঙা মাগা ফোটোস ঙাবম্মী হায। মাগ মবমগ হাৎপান হায দনা বা বা লাউনার্বিসনি।'

'ঐগা চিনবদ্ হান্নদগা শক্নক চান্নু। তেনগাৎলকই। কানগুম্না নিশিকান্তনা? নংতু, নংগু নদাদ ওইথোকপা থাদবা পান 'নশিন' মদুমক্ত তৌবম্লাই। ইমান থাদদনা ঠৈবু চৎহনখদে নামদি হৌজিনখি কাবস খঙনা ভুমখিদে কনানা কাবপাদমক হাপ্পলবনো? শেল পাদনা হাৎহনবা যাবা নো মৈ পযনা কনা নগম খুদিংদ হাওন লেববানা মহৎপা চিন অবাযবা ওইদ্রে। বন্দনাবু অমুং, উনদে খল্লিদে ঐগাসু এনা হৌঙাক তৌননা থবকসিগা কোযচেন চেন্নাবদ অদুম ভুনখিদ্রে"

বাবা অশাংনদ লাবা লোইবগা নিশিকান্তনা ইনকপা চঠিদ উৎহনা হাযনকই, "চহী মঙামক হৌখ্রবা তু দানা চাঠসে এগী খত্তা যৌবাক্লবস।"

"ঐখোযস্ তাখদ বাবাদু। মাহাৎপদ 'সুম খঙাখদ্রমাল্লে।"

এগী বাদু যানিংদনা ইন্দিবানা হাযনকই, "নিশকান্তনান কৈনো? মদ কোলেজ হল্লিদে দা শুন্দা শার্বাক্লবান। নপী লক্লবা, মা থনবা মাগ মথৌন।"

"মামক্লা অদম্না তৌনমগনি হাযবদি থাজদে।"

সোনিযানা হায, "নোংমা কুইববগী তুংদা বন্দনাদু উনকই। মহাকসু নিশিনা হাৎলমগনি হাযর্বদি থাজবা ঙমদে অদুবু চিংনবা অমদি অদুম লৈ হায।"

"ঙা বন্দনাসু অশেঙবদু খঙখিদ্রবকো। মাবুসু অদুক যাম্না চেন্নবীবন্নগা।"

"অদুবু ঐ বন্দনাবু অমুক্তংদি উনানিংলি।"

ঐগী খঙনিংবগী লাচিংদুস্ অঙকপানি। ঐনা তক্লদুনা বন্দনাগী যমদা চৎপদু ঐসু যাওকই। মহাক মযাং ইকং কংনখুম উই। বাখল যাম্না খল্লমম্লে। থাজবা মাঙলবা, হৈনৗংদবগা মাম মাযথোঙদা তাবখুম পা খন্দা খল্লি।

"নিশিকান্ত লৗহোংদৗরে।"

"উম তাবে।"

সোনিযানা ইঙুক ঙকহনগনি খন্না তম্লুবা পাউদু বন্দনানা তাদুনা লৈবল্লে।

"চন্দ্রকুমারনা শিখিবদগী মবম, মাবু হাৎখিবা মীদুগী মশক হেক খঙবগা ঐগী হৈনারা পন্না লোইনা মাঙখ্রে।"

তাববা ঐখোয অনীমক নকপগা লোযননা মচেৎন্দা পূম্লপ যেংলম্মী।

কবম্ল পাউনো বন্দনানা তম্লক্কদীনবা? তাবা কিবা অমা খংফাও ফাওবকই। অদুক যাম্না খঙানিংলম্না পাংতু খঙলগদৌরব সিদা তাবা কির্বাক্লিবাস কবিগীনো? কাবগী থম্মোয়গী খংশোন শোন্থাঙবনো খঙদে

"কবিগীনা মাওইনা মাওইবগী মথাঙ অসুক থংশি হৈংবা লমচৎ চৎনাববা?"

বাকৎ যাওবা বাহৎদুগা লোযননা বন্দনানা মখা তাবকই, "মাওইবগী বাখল খনবা ঙম্বগী শক্তিদু মাঙখ্রমাল্লে। এ যাম পেল্দে।"

"মবাল লৈতবা মীনা চৈবাক ফদুনা বানা লেনবা অদুগা মবাল লৈবা মীনা নুংঙাইনা অদুম হিংবসু কর্যানি।"

ঐগা বাদু বন্দনাদ যানিংদে

"মবাল লৈতনবু দ চৈব ক ফংবা যাবরা? মবালগা চৈবাক্ল হাযদুনসু অদুক কনবা চৈবাকপু হৌনবরা? চৈবাক্ল কনর্মল্ল "

"কবম্না মবালনো মাগীবো? কনানা হাৎখিবনো?"

ঐগা বাদুগী পাউখুম ঙাইদনা সোনিযানা হংজিল্লকই, "ভৌজিক কালগী খৎলায পাযবনবা?"

"খৎলায পাযদনাদি কবম্না মী হাৎকনি? অদুদা খৎলায পাযবা মীগী মখল

খেন্নবগী বানি।"

ইবানীনা ঙাঙর্নাববদু তুমিন্না তাবম্বদগী বন্দনানা শাউনিংনা হংলকই, "ঐনা ফংলবা চৈবাকসিবু ইবালগী মর্তাক চাববা দন্দীবা?" ঐখোযবোমদা যেংদুনা মখা তানা হংলকই, "থবায অমা মাঙজখিবগী অবাৎপাসিনা কনানা মেনখৎকদৌবিনো?"

সোনিযা ইবানী তৌফম খঙদনা লৈ। মহাক্না বাবিবদগী শকক যাবা ওইনা সোনিযানা হাযবকই, "চন্দ্রকুমাব শিখিবদা নঙনা বাহৌগদবদু মীহাৎপদনা খজীও খর্স্কীবমন্নবাদ...।"

মহাক হৈনীংদনা নোক্লকই। মাগী মিনোক্লুদা কবিনো অমা হাযাববত্তুম খল্লি।

"কনানোমি মাবু হাৎখ্রিবদো?"

"বিনোদ, বিনোদনা।"

"কনা.. ! কনানো বিনোদ?"

ঐখোযগী অঙকপা বাহংদুগী পাউখুম ওইনা মহাক্না লীবকই, "চন্দ্রকুমাবনা চৈখিদবা মতম খবগা মমাঙদা নুপী অমগা নুংশিনখিমাম্লে। নুপীদুগী হায়া নুংশিনবা ওপ্পান বিনোদ।"

"নঙদ কনাদগা পুম্নমকসি খঙলকপগে?"

"নুপীদু ঐগী ইনেগী মচানুপানি। চন্দ্রকুমাবগা ইবানীগী লৈনবা মপা খঙলকপদগী মহাক মশানা উতৌ তহৌবদু ঐঙোন্দা তম্লেম্বানি। মহাক মদু কনাদসু তম্বা ঙম্লোই, বিনোদপু মহাক্কী মচীন্দগী চৈবাক ফংহনবদু খাঙঙম্লোই। চৈবাক ফংহনগে ফংহল্লোই ঐবু খল্লু হাযবনী।"

মহাক্না ঐখোয অনীদা যেংলগা মখা তাবকই, "ঐনা কনাবু চৈবাক পীবা ঙমগদৌবিবনো? মতম কযা ইথন্তা পুদুনা লাকখিবা পোৎলমসি নখোয অনীদা তম্লিবর্সিনি।"

"অদবু নঙনা নিশিবুদি চৈবাক পীখি?"

"নিশিকান্তা"

ঐখোয অনীবু ইঙক ঙকহনবা মাগী খোস্কোক্লু নিশিকান্তগী মিং পনবদা অদুক থোৎপা খোঙ্গেল। মাগী মোমোন নোকপা মাযথোঙদু অদুগা লুববা লুশ্রবা মাত্রুদগী পীবিক অনীদং।



মিসড কোল্লব

কুইনা উনকদ্রবা তুংদা অমুক হন্না উনবগুম মাগা ফম্মিন্নবদ্ ইনৌ নৌই।
ঙসেংবদি হপ্তামিগী [illegible] উখিবদ্। অসুম্না নাপী মথাও
কাম্মান্নদুনা [illegible] কপ [illegible] নাইহনবগী লোইবা লাইদবা নানা শাবদ
[illegible]। মাগী পুক্লিদা থোকাখিবা
থৌদোক [illegible] এনা পুক্লুং [illegible] মাগী মাও
[illegible]। [illegible] এখোয় কয়াদা নকুপ্রবা। অদুব
[illegible]
[illegible]

এখোয়গী [illegible] অতৈব [illegible] চহী মঙাগী মমাওদনি।
মতমদদগী [illegible] নাবাশিংদা এনা [illegible] লৈরবাক্কি। মহাক্কী
মি., লৈনম। মিংসিমকস্ এচেদা অঙকপা অমাম। পুক্লিংদা থাল্ল লৈনম
কৌবমদদুনা কানগো অমা মেমচা, মেমি, সুমাত... কৌবম্লবদি মানা লীবিবা
নাবাশিংদস্ অতোপ্পা অমা ওইবম্না যাই।

"সনালেম্বগী অবোমবা উখিবা নুমিত্তু ভসিগুম্না নিংথমথা চঙলকপগী নাপী

মথক্তা ফমদুনা অকোযবৰ্গী ফজবা যেংবদা পেনবা নাইদবা নমিৎ অমদান। মানা হাযবম্মী, 'হন্দক চান্দিগডদগী হল্লকপদগীদি ঐসু চা থকপা তম্লনি, নঙগা মাঙানবা অদুগা অসুম্না ফম্মিন্নদুনা চা থকমিন্নগনি।"

"ঈবা চেল্লবা মীৎতু মখূৎ ওযনা হাইফেৎ তৈথোক্লগা অমুক মখা তাবকই, "মানা মসিমসু হাযাখ, 'নঙদি ঐবু কাউখিবদি ঙমগনি অদুবু চা থাদোকপদি ঙম্লোই, তৌবদি নঙনা চা থকপসি যাম্না পকই। অদুগা চা থক্লমদ্রবদি নঙসে নিশা অমদি শোযদনা চাবমগদবা মাল্লি।' ঐনা খুমখি, 'নঙনা লোইনা হেক খঙলেনে।' 'খঙ্‌উ, অদুগা ঐদি নঙোন্দা কৈদৌঙৈদসু চা থকপা তোকউ হাযবোই। কবিগুম্না তুংদা ইবানা কাযনম্রবসু চাদি অদুম থকউকো।' অদনা ঐ ঙসি ফাওনা চা থকপা তোকপা ঙমদে।"

মখূৎনা পাযবিবা চাগী কপতু থাঙ্গৎতুগা থক্লবগা মখা তাবকই, "সনালেম্বনা খঙখিদবা অমদি চানা নোংমদি ঐঙোন্দা মযাই কাবা নিশা ওইবক্কনি হাযবাসান। তশেংনা হৌজিক্তি চাগী কপনা ঐগী খুত্তা যৌবকপগা ঐগী থোপতা নিশা পানবা হৌবকই। লোইবা নাইদনা চিংথোবকই, ঐগী হৌখ্রবশিং, মদুদা সুম তাউথখি, সংসার কাউবকই।"

ঐনা মাগী মখূৎতু পাযদুনা থেমজিন্দুনা হায, "মীওইবা খুদিংগী পুন্সিদা কাযনবা, চৈথে , নাংবা কাযবা লোইনা থেংনাবিবনি। নঙদি তশেঙনা থৌনা ফৈ।"

"অদুবু ঐ মাযথীবে, হিংবসে চোকথবে।"

"কাবগানো অদুম্মায ঙাঙলিদুবু, নঙগীদমক ঐ চাউথোক্লিবনি। নঙগী ফজখ্রবা নোঙেলাশ দুগুম্বু কনানা ঈবা ঙমগনি।"

মতাক নোক্লকই।

"নঙনা থাগৎতনা কনানা থাগৎপীগনি।"

"ফজবদি ঐদি থাগৎতবা ঙমদে। ফবে হৌজকপু কবি ঈবিগে ?"

"কৈসু ইদে। ইবগা যাদে।"

"কবিগী যাদ্রিনো ? হৌজিকপু কোক্তা ভূটকা চঙলকপ্রা ?"

যাম্না থাজদবা মীনোক অমা খংনোক নোকথোবকই। ভাব তাদনা ঐসু নোকই।

"কৈদৌবে ?"

"যাম্না নোক্লিংখ্রবা অমা নীংশিংলক্লে। তশেঙনা ভূট অমা হন্দক ঐগী মোবাইল ফোনদা তম্নবকপা।"

ঐনা খঙনীংনা মাগী মাযথোঙদা যেংদুনা লৈ।

"হন্দক এঙোন্দা থাম্ তোয়না কনানো খঙদবা অমনা মিস্ড কোল তৌবকই। থবক অকবা অমগী মবক্তস্ হেক্তা ফবক ওবকপা, কনানো তাযদুনা যেংলুবগা নম্নবদু হেক্তা ওইবন্দ্রা। লোংমদা মিস্ড কোল তৌগা মথক্তান মাংনা পীবকপসে। ঐনা তূমিন লৈব বৎসু ফেসেজ অমুক থাজল্লকই। ওস্লেক্রা ডিষ্টর্ব তৌহবা।"

"মাগা মেসেজদাদ কপি ইবক্লিবা?"

"ওস্লেক্রা রোমান্টিক ওইখ্রবা হাঙে। মবক মবক্তা ফজবা শৈরেংগুম্না য়া ওবকই। অসুম্নসু ইবকই,

নংশবী নওগা লমন ঐনিনা মাংলোং
পাঙ্ক এগু পনাইস নাইদব ময়মদ
নহৈবু উকবদগী হন্ডোন্দে হশানা হশগা ইপাই।"

"মাম্নবু ফগদবা, অতেস হাবকউ"

"হোগাইনা শিংদ্রে, যেহেক্তা মতাংগী ওয়া হবসা য়া ওবিবনা।"

মাং মোংহন্দু, নীদনা ইং লোক্ত্রা ওপনা মৈনদা য়া ওবন্দ্রা,

পান্দনা কনবা চাং না খঙলকই
নাঙ্গী বাথলদ ত নাং
হন্তুক্তী দ নমিং তাহনা চেংগু মওৈদ লাংত নাইবা।

অচাকপদা হনেমং ফাম্লাংও
নাঙগী মি নং শংনা পনকই
নাকাংনা ওপ্তা এংলদং। তাং
সনিংলক, লেংমা লোংম লংম

নমহ মাপ নহ ই

হমনা লেনগা বান্ন, অদন নয়মদগী হীনা হৈব
নহৈশাংন লেপথ্রবাদ পান্ন ইচেলস্ লেপথ্রান।

এং। মঙোন্দা যে দনা হংলুই, "নহৈবু থানা চৈবগা হৈব্রা? কবম্না হৈকবিবনো?"

"খঙদে, ভাইহাক্তি কদায কদাযদগী বাহৈনো পাউনংদুনা ইমা পোকপদগী থাঙজবক্তবা কয়া পাঙথে। সুমাই ওাঙবসু পাওখ, 'মাবেম, মীঙোন্দা ডিষ্টর্ব ভাইহাক লৈতনা তৌবদব নাগী অমঙা লৈডদ্রা? লেপ্রগা ঐগী ফি শৃকলাউ, মীনাই মচা।'

মদুদসু ইবকই, 'নঙগী ফিবু শূবা ফংনি হায়বাদি ঙসিমক লাক্কে। ঐবু ঙাইবম্মু, প্নং অমদা।' লাক্তা লাক্লদৌবোই নীংই। ইকাযবা যাম্না খঙদবা, অনম ওস্লোক্লা কনখ্রবা মীওইনি। নোংমা ঐনা 'নুপা থোক্লদি নশক লোৎতুনা ডিষ্টর্ব তৌদ্রসু থোবকউ' হায়না ফোনদা ঙাঙলুবদা মেসেজ ইবকই, 'নযাথং ফংলবনিনা হৌজিকমক লাক্কে, চা লোন্দুনা থল্লম্মু। হেক লাকপা ঙমদ্রবা, মতুংদা সুকযেৎ যেৎলবোই।' নুমিৎ ঐনা থিংলমদ্রবা মহাক শোযদনা লাক্কনি। পাখৎতুনা লাক্তনবা ইখি, 'ইকায খঙদনা', নঙ উবদা ঐখোযগী হূইদ্ অমুক কিদুনা খংখিনি। নঙ কযাম চাওখত্তবা মীনো হায়বা পূম্নমক্লা খঙনববনি। দাউ যাবোই লাক লাক্কনু।' নঙোন্দা কমায তমদোইনো? অদুব ইকাযবা খঙদবা মী অমুক্তা থেংনর্খিদ্রি। নোংমসু মিসাড় কোল পুংখায খূদিংগা পীবকপদুনা নুমিৎ চপ্পা অমা শুকলেপ লেপ্পুবদুদা ইখি, 'ইকাযবা হায়বদো নমাযদুদা মচেৎ অমত্তা পোক্লুববা নবাযমচা নঙবো, অদুক থীনা চৈবদা ইকাযবা ফাওদ্রবা নঙবু কনম্বা শোবেঃয়া ওল্লকপনোনে?' মদদা কবি ইবকই খঙব্রা 'নুংশিবী নচনা চৈবদবু ঐনা কনম্না শাটগদৌবিবনো অদুবু ঐনা ঙাক্লিবদি অদুক যজবা নঙগী চান্দগা অদুক থাবা নাংহৌশিংদবু কবম্না থোবাক্লবনো? যাম্না পকচদে।' . সিনি।"

থবাক যাওনা বানা লাবিবা মাগী মশক্ত যেংনা যেংনা খল্লকই — নংগী নমীৎ তদা কবম্না হম্মোংহা পনবা জীবনা ঙাওবোইদগে? মদু মিসাড় কোলবদগা মবাল নত্তে। • চগী নশংগা মবালনি।

মহাক চংখ্রবা চংদসু খন্দুনা লৈহৌই, মাগী মিসাং কোলবদুবু কবম্বা মীওইনো? মাবু অদম্না মফম খঙহন্দবা, ডাইতাক লৈতনা 'ডিষ্টর্ব তৌবনা মীওইদবু শাগৎলকই লৈনম যাম্না সেন্সিটিভ ওইবান। মতাক্তি যাম্না থনাজনগল্লি। থাম্লসু হেংখলগাল্ল সনালেম্বনা হাযবম্বা মহাক চা থক্লমদ্রবদি নাশা অমা শোযদনা শীজিন্নবমগান হাযবদো ঐ যানাংই

সনালেম্বনা এক্সিডেন্টতা লৌখদবা মতমদুদা খনখি মহাক হান্নগী পন্সিদ অমুক হল্লকপা চমদবা যাই। মাগীদমক যাম্না নখি।

পঞ্জাবতা সেমিনার অমা যাওকবগী হল্লকপদান এক্সিডেন্টতু থোকখবদ্। সনালেম্বা মতমদুদা মণিপুব য়ুনিভর্সিটিদা বিসর্চ তৌব। মশাদি ত্রিপুবাদগীনি। মতমদুদা লৈনমগী নোংভেলদু ত্রিপুবাদা লৈবা মণিপুবীশিংগী মবক্তা মমিং যাম্না চংলি। লৈনম লৈনম হাযদুনা ত্রিপুবাপূম্বা লৈনম্না লৈকায শাৎহৌবে হায। মিংসিদা মতাক্লসু যাম্না ঙাওখি। মণিপুবদা মহাক্লা লৈনম্বু থিবকখি। সাহিত্যগী ফঙ্কশন মফম অমদা মখোয

থেংনাখ হায। সনালেম্বগী অঙকপা মশুগ অমনা মহাক ব্রা যাম্না ঙাওগন্দে। পাখল খন্দুনতা লৈবা মী মাল্লি। অদুবু উগল্লি, খঙগল্লি, কাউগন্দে। অদুগা ঙাঙখ্রবদি অঙক অঙকপা বাবা কযা লী। বাবা লীবা যাম্না হৈ।

"ঐনা হাযবা মীদ চুপ্লে। মোটোর সাইকল তোংবা নুপামচাদুনি ঐঙোন্দা ভাইহাক লৈতনা মিসড় কোল পীবকপদো।"

মমাঙগা উনবা অমদা মহাক্না হাযবম্মী, মখোযগী ওাফসকী মমাঙদা সডক বান্মদা মোটোর সাইকল তোংবা নুপামচা অমা মানা থোবকপা খূদিংগী লৈবম্মী। মঙোন্দা মুন্না মুন্না যেংলকই। যেংশিল্লবরস্ হেক্তা নোক্লকই কবিগুম্বা কালদা যাম্না শাংনা শাংনা মগী মোটোর সাইকলদদা ইন্নবকপসু যাওই

"কবম্না মহাক্নি খঙ্জিংলো? হীনগা থাঙলুববা নঙবো?"

"ভাঙগে খনবনি, ভাঙবদি ভাঙতৈদ্রে।"

মানা পানদি লীবকই, "নুমিদাঙ্ ঐগী গাড়দু যাদদনা বর্কশোপতা থম্লম্লগা বসতা চৎলি। নুমিৎতে গাড যাম্না চাল্ল। গাডি মশাংসু যাম্না চেন্দে। কবিনোম' থোকই হায, ড্রাইভর যবকই হাযব্রা? খাম্লাহ্ হাযবস্ অমতা যাদদুনা ফনা কুইবা ফাওবা ইতোমতা গাডি ড্রাইদুনা লৈ। লাকখিদৌরোই নাংদুনা ওফিসকী খভনবা মাশিংসু লোইনা থাদোকখ্রবনি। কপাং বা হাযবদু যাঁশিল্লকই। 'বন্মাতুন্দা চৎপা যাবা লমসু নত্তে।

"পুংদি থেঙ্জিল্লকই। নুপামচাদুদ মাগী মোটোর সাইকলদু খাম্লগা এনা তৌববদু অদম যেংদুনা লৈরজাৎনি। হনাঙা গাড়দু থৌজিল্লকই। ঐগা দশাদু লাক্লমাল্লে হাল্ল।

"গাডি ফংলরোহ, ঐ থল্লশগে?"

"ঐ খুমদে মহাক্না নোকখেৎ তৌদুনা ঐঙোন্দা যেংদনা মখা তাবকই, 'লাকও, খেভাজল্লক দ নাইতে চানবোই। চিংনগনু নভনা খল্লিদু অদু যৌনাদি ঐ চাওখৎতবা নতে।'

"মাগা নক্লনা লেপ্লবদর্দদ মযেক শেংনা মাবু উবা ফংলে। মমীত্তুদা যাম্না নাইতোম তাবা মানবা নীংবা কাযবগী মাম অমা তাবশুম উই। মদু ঐগী ভাবনবা খঙদে।

"ঐগী চিংনবা মাংযেংদু মহাক খঙবা মাল্লি।

"হে ঐগা চৎমিন্নাবিঙেদা নঙগী খুদোংথীবা অমত্তা থোক্লোই।'

"ঐসু পৃক্লংদা খল্লি—কবি কাযনগে থেঙজিনখিদ্রিঙৈদা চৎহৌবনা ফবমাপ্লে। মাগী তুংগী সীট মনাক্তুদা চঙশিল্লগা ঐনা হায, 'কন্নদি থৌগনু, ঐ কিগল্লি।'

"মহাক্না নোক্লুনা খুম্লকই, 'নঙগী মিহুলগী চাং খঙঙি। মদুগা চাননা থৌগনি।'

"লম্বী মযাযদা হংলুই, 'নঙবু থবক্কা অমত্তা লৈতব্রা?' কবি তৌবিগে?"

'গ্রেজুএট লোইবে। কবিমত্তা তৌদে। পঙকোযদা কোযদুনা মতম লেল্লর্ম্মা। হৌর্জিক নঙ থোবকপা ঙাইবা, নঙবু যেংবনা এগী থবক ওইবি।'

"কযাদা উশিংখিদ্রবনো? চহী লেঙ্গাসু নত্তবা। ঐ চিংনবকই, মহাকপু মিসড কোলবদ্বা? চান্দগী শৎ হাযদোকখি, 'ঐঙোন্দা মিসড কোল হেক হেক পীবক্লিদু নঙ নৎত্রা?'

"মহাক ঙাইহাক্তি তৌফম খঙদবগুম তৌখি। মাগী তৃমিন লৈবদনা খঙবা ঙমখি – এগা চিংনবিবদু অচুম্বনি।

'কবিগীনো নঙবু তশেঙনা নথৌ অমত্তা লৈতব্রা? অদুম্না মতম, শেল মাঙহন্দুনা লৈবিবদু নঙগী ইমা বাবানা কবিমত্তা ঙাঙদব্রা?'

'চৈদে, মখোযদি এগীদমক কবিমত্তা বাদে। কবিমক্তা খন্দে। এনা নুমিৎ চপ্পা কদাঙ্দা কবি তৌবিবা মখোযদা মদুগী দবকাব তাদে।'

'মদুব কবম্না ওইখোক্লদৌবিবনো? নঙনা লান্না লৌবা শোযদনা ওইবমগনি।'

'মখোযগা মফমদা এ কনাসু নত্তবা অমা ওইবম্না যাই। বাবা নুপা অমা লৌবগা লে খান্না লৈখ্রে। ইমানা মাগী এন জি ওগী থবক, সমাজ সেবাদা নোংমদা মিনিট মতাগ মতম এগাদমক কাইথোক্লবা লৈতে। নুমিৎচপ্পা কোযদুনা লৈবদা তৌনিংবা হন্চ তৌবদা ঐবু থিংবনবা কনাসু লৈতে।'

"নাংশিংলকই – নুমিৎ খবানিগী মমাঙদা মাগী শাউনিংখ্রবা মিসড কোল অমগী পাউখুমদা শাউনা ইখি, 'ইকাযখঙদবা, নঙবু পোক্লবসে নমা নপাদু শোযদনা পোৎলম অমান খল্লমগনি। দাউ যাবোইদবা শর্নিনি নঙদি।'

"নুমিৎ খবানিদু মহাক তৃমিন্না লৌখ। মতমদুদাদ মদুগী মবম খঙলুদে।

"অদুগা নঙগী খবর্চাত কদাযদগী ফংবগে?"

"গাডি থৌনা থৌনা মমাযদু খজীক্তং লৈশিল্লক্লগা খুম্লকই, 'শেলগীদি এগী অবাৎপা লৈতে। ইমাগী উপুদগী ঐনা লৌথোক্লিংবা শেল লৌথোকপদা কনাসু অথিংবা পীদে। থা খুদিংগী বাবানসু এগী শেল মবাঙ কাযনা থাবকই। শেলগী অবাৎপা লৈত্রবসু নাইতোম তাবা পুক্সিবু কনানা পাম্লবগে? নুমিৎ চুপ্পা তৌফম খঙদনা

গাড়ি পঙথৌদা থৌদুনা ঐগী অশাওবা, অচাকপদু খাঙলম্মী।'

"ঐগী থোঙ্গাল মপা যৌবে। মহাক্না গাড়ি খাম্বগা ঐনা চৎখিদ্রিঙৈদা নংথৌববোই মতাগুম হায়বকই, 'অদুবু থৌজক্তি মতম লেনবা নত্তে। মতম থৌখবা খঙহৌদবনি। ইশানা ইশাবু কাউথোকচবমখৈ নঙগী মেসেজ ঙাইবনি। নঙসু যেংনবগী ঙাইবনি।'

'হন্দাক্কী এবু ঙাইকন্‌। মিসড কোলসু তৌকনু। ঐ সিদা লৈবোই।'

'কদায় চৎলৌবিবা?'

'কোযনা।'

"যাম্মা খঙনা না যেংলকই। ঐনসু অশেঙবদু গায়বমদ্রে। দিল্লীদা লৈবা কাকাহৌয়গা ইমুং মনুংনা লাকউ হায়বৰ্ক্লবসি কুইবৰনি। হন্দাক্তু কোযনঙই চৎলুদৌবিবনি। মহাক যাম্মা নুংঙাইতনা নাংবা কাযবা মান্না লৈখি।

"নুমিত্তুদগা মপ খেংনাদ্রি। ঐ হল্লকপসু হপ্তা অনামুক ফাজিল্লক্লে। মিসড কোল, মেসেজ পক্লেপ লেপখ্রে। মা মতোমতা তম্বিবক্লম্লনি খাল্ল। বাইদুম শংলে।"

পোৎলম অমা থাংথখিবগী ইথাং যাংবা মাগী মাযথোঙদ উবদা ঐসু নুংঙাই

"যবে, সিদগাদি, হবা হৌবোকো। নোং ভল ফজবা অমা।"

"নঙনা নঙগী তোনবদৌনা থৌবসিদা ঐসু ভ্রানগা তাদে।"

মানা নোক্তনা গায়বকপনি। অশেঙবস ঐদি মানা পান্সগী চৈনা চৎথো মবক্তা ইবা লেপাখদ্রা যাম্মা পাহংচৈ

থামুক্কী তু দনা ঐগী লৈমগী অমুক হন্না উংবদো

নুমিৎসি মহাক মহৌশাগী ইমান মান্নদে। যাম্মা কা হেন্না পোৎলুম অমা পুবগুম তৌই

"নঙগী মসড কোলবদবু ফবক অমুক তৌবা তৌবক্লববা? কবি তৌবে?"

"উম, নহাক নোংমা নঙগা উনবম্মা নুমিৎতুগী তুং হপ্তামুক লৈবগা মাগী মিসড কোলদু অমুক হৌবকই। হন্দক্তি যাম্মা কা হেন্না তোযশিল্লকই। নোং ঙাল্লকপগা মিসড কোল মঙা তকক্লক, তপ্লমদাইদা মঙা তবক্লক। মবক্তসু কযাবাক্লি। নোংমগী মিসড কোল তৌহৌদ্রবাদ মথৌ অম বাৎলি হায়বদৌনা। স্বিটচ ওফ তৌকববসু হেক থাবগা মেসেজ অমা হেক্তা লৈবম্মী'।

"নোংমদি শাউনংদুনা চৈখি, 'মীনাই মচা, নঙবু থৌজিক ফাওবা জ্ঞান

তাদ্রিববা ? যাহৌবকপদা হৌদোংগী মিসড কোলনা খুলাংখাং কৌববনিনা দাউদি যাববোই। নঙদা খবা থুনা শিবো।'

"মদুদা মানা অমুক ইবকই,

নঙ লৈহৌবিবা সংবাবসি থাদোক্লম্লগা ঐনা

কবম্না শিদৌবনো ? সুকশি শিবিবোই ইবেম্মা।

"নোকসু নোক্লীংখি। ঐসু পুবা অঙাং মচাদ' অঙাং মচা হায়বদু তাবে খল্লবদা। কবিগী'নো মানা ঙাওাশন্নদুনা মতম লেনবদা ঐসু যাওকাবিবা ? ঐসে ওস্লোক্লা লেমজদে। অদুবু মদুসু মযায অমা ওইবকই।

"মগাক্লা ইবকই, 'নুমিৎ চুপ্পা নঙখক্তগী' বাখলদা ইশানা' ইশাবু কাউথোক্লি। নঙনা ঐগী' মেসেজ পাবা মতমদ' শাউবমগদবা নঙগী মাযথোঙগী' ফীভমদু ভাবনা শাজিনবদা মতম হৌখিবা খঙহৌদে।'

"সিদবু ঐ কপকদ্রা নোক্কদ্রা হাযবা।"

মবাযবক্তা তাল্বিবা শমদু মখুৎ ওযনা হাইগৎলগা মনাদা থেৎচন থেৎচিন মানা মখা তাবকই, "অদুক যাম্না মিসড কোল, মেসেজদুগী মবঙা নোংমতসু ওফিসকী গেটনা লৈবম্বদুাদ উখিদে। হনাখ মতাক্কী মশক খঙহন্নবগাদমক তৌবম্না ওইবম্না যাই।

"অদনু নোংমা, অযক অমা লৈচীলসু যাম্না থায। ঈংবনা ত্রৎ এৎ চিংশিল্লি। হৌগৎপা হন্দনা সুম হীর্পচনবদা পং তবেৎ তাখিদৌবে। মতমদদ' মাগী মেসেজদু লাকই, 'হন্দাক্ত নঙবু মতম খবা দিষ্টর্ব তৌবোইদৌবি। ঐসু কোযকগে। থুনা হল্লক্নি। হল্লকপগা নঙগা' ভাসকা গেটতা ভাইদুনা • ত্তবু থোবকপা যেংগনি।'

"ওফিস নংলবোই, ফুক হৌগৎলে। গবক মচা মশাশ, শৎ শৎ লোর্হশল্লগা 'য শৎচিন্দুনা গাড ইন্দুরকপদা মেসেজ অমমুক লাকই, 'কানলোম'তংদি হাযবকচ, হৌচক পুং তনাগা ফ্লাইটতা চৎকদবনি। চৎঐডোসন, প্লাভা।'

"কবিবু হাযকনি, পং মাপলমখায তাশিনখ্রে। ওাফসতা পং তনাদা যৌদব যাদবানি। কনিমতা হায়াখত্রে।

"ঙবাংদা যাম্না থাজদনা অনৌবা নম্বব অমদগী মিসড কোল অমম মাববক পীবকই। কনানো খঙাম্নবিতৈদা নম্বকদুদগী মেসেজ অমমুক লাকই। যেংভু মানা ইবক্লিবসে।"

মাগী মোবাইল ফোনদ ঐঙোন্দা পীবকই। মেসেজদু পানবদা ইবম্না

ৱাহৈশিংদুনা ঐবু ঙাইহাক্তি জ্ঞান মাঙহল্লি।

'লৈনম ঐ হিংনিংলৈ, নঙগী থীনা চৈবা মেসেজ পানিংলি। হয়েংদি ঐগী ওপবেশনননি। ডোক্টৰশিংনা হায, ঐগী ব্ৰেনদা লৈাববা ট্যুমৰসি কেন্সৰগী সেকেণ্ড ষ্টেজনি। মসিগী লায়েংসি এক্সপেৰিমেন্টল সৰ্জৰি নত্তনা উপায লৈতে। তৌদ্ৰগসু ঐগী হিংবগী মতম যাম্না তেল্লি। অদুগা সৰ্জৰিগী মাযপাকপগী চান্সসু যাম্না নেম্মী। পুৰা পেৰালাইসিস ওইখিবা যাই। নৎত্ৰগা. .। ঐদি থাজদে কবম্না নঙগা উনদনা শিগদৌবিবনো ' ঐ লাকৰ্খিনি।'

ফনা কুইনা ইবানীগী মবক্তা কনাসু ঙাঙনিংঙাই বাহৈ অমত্তা লৈতবগুম তৌবম্মী। নোংমা মহাক্না পাহনখিবা মেসেজ অমা নীংশিংলকই, 'অসুক কুইববগী তুংদা পুম্নিসে হৌজিক্তা হিংনিংলকপগুম তৌই। হিংবগী নুংঙাইবা ঙসিতা ফংলক্লি।'

মতমদুদাদি ফংবদা ভাৰ্যবিবা হিংবগী নুংঙাইবদু অদুক তেল্লমনি হাযবা মহাক্নদি কবম্না খঙলমগনি।

ঙসি মহাকপু কবম্না ফীভমদা লৈবমগবা। মাগী থাজবা মাগী ৱাকৎ ঈশ্বৰনা তাৰীবমগদ্ৰা নৎত্ৰগা মহাক্না থাদোক্লিংখদবা মফমাসদগী নোংদম্লনা চিংথোক্লনা পুম্বিগদ্ৰা'?

লৈনমগা মাযথোঙদা তাবিবা মম্মিদদা ঐসু কাব হাযদুনা মাবু মৰ্পক্লিং ঈংথহনগদবনো জ্ঞান মাঙলম্মী।



মৈ ঈকপা

"ঙসিদি মনা-মনিল নাইবনু, ঐনা ঙসাই শোরাৎ মফমদগী পুরকপা চেঙপাক পেকেট অনীদু চাবগা তৃম্মো। হযেং ঙন্না থোংলাস চাক্রু।"

সমাশখানা মচানুপী যাইমদুদা থেম্মী। অতোম্নদু নঙ্গলদা ফ্রুং ফ্রুং ঙংই। চেঙ খর্জা ক্রুং লৈনবদো হযেং অযুক ওইনা থোংনবা থম্লগে, ঙসিগীদি পাঙনবা অদুম লেল্লগে খাল্লি।

"শুকৎম ঙমজবোই ইবেন্মা। ঐদি বোবোকতোযদা চাজকনি।"

"চঙ চৎলু খঙনি।"

ধমকা তৌই পীকখ্রবীদুদা, "নখোঙদু থুদেক্কদোইন।"

"ঙবাং চেচেনা চাবদি যাববা?"

মচানুপীদুসু থথা হাদে। মচীন্দু চানীং থক্লিংবগী মতীক মীকি লাইকিদে।

"লম হেন্নু, ইকাযবা হৈবা যাববা মতম্নি। ঙবাং নন্দোমচা শক ফজবীদুনা ঙাঙবদো তাহৌবি নৎত্রা?"

"অদু ওইবসু।"

তাঞ্জাদুদা মচানুপী অহলদু ইচোৎ চোৎনা প্লাষ্টিক চেখাউ অমদা থবোই খবা

পূবগা চঙলকই। চেখাউদু মমাগী মাঙদা পোপ থাধবগা ইশূক শূকথনা তম্মী, "যাম হোঙলে হায। নহান্দা গুলা কৌতাদা মঙা মঙা পাবদো ঙনাং অবেমচাগী মমানা যোল্লুবদা তবাগী অহুম তৌবে, মবিস্ন তৌই হায।"

ইচোৎ চোৎপা ফিদগা নিংথম্মনা থক থক নাক্লবা মচানুপীগী ফীভমদু উবদা সমাশখী [illegible] ফক [illegible] অক[illegible]বা ফি লৌথোক্লদুনা পীবগা হায়নকই, "[illegible], [illegible], [illegible] বনা [illegible] নফিদ্ অমুক্তা হোংদোকউ। [illegible]"

[illegible] যানবা মফম[illegible] শেগায [illegible] থাজল্লগা ঈশিং চেক্লবক্তনবা [illegible]। অদব [illegible] চেক্লবকপ[illegible]। নঙলগী অচাংদস ঙংবা লেপ্লে। মচানুপী যাইমদা পাখোন শী, "[illegible] চেনা খল্লকপা থবোইদু তেক্লি অচৌবদুদা অম্ [illegible]"

"চাক [illegible] [illegible] অমগা।"

[illegible] মমাঙ চেনবদা পোখ্বা [illegible] অমদগী খবা শোৎ, অমদগী খবা [illegible]

মপাক্লংদা [illegible], [illegible] [illegible] "[illegible] মচা[illegible] [illegible]"

ঙাঙনা ঙ ঙনা মচানপা সাইমদগা [illegible] থাজল্লি।

"[illegible] কাল্লনা, [illegible] যাদ্রবা?"

মপান্দ মমাশল্লে। [illegible] লেপ্লা লৈতনা চাদ। [illegible] মাগী [illegible] কদাযদা [illegible] খঙানংবস পোক্লদ্রে। [illegible] মল্লকপদগী [illegible]

[illegible] ইচাই চাইনবা [illegible] খল্লকই। ঙক্লা লৌ খাওবা চৎ[illegible] পং মাংদা লাকপা [illegible] চেঙকোক তকপা নংনবা মিলদা চৎকদৌববান। [illegible] মচাশং [illegible] মথৌ মথৌ শিংবল্লগা লবুক্তা অমুক। মাপা ফংগদবা লৌখা[illegible] শোবাৎ অমগা, হৈজিংপোৎ অমগা চৎলুদুনা থবক লেপ্লা তাখ লেপ্লমদ্রবাদ [illegible] ফংনি চাই লৈনমগদবান খাল্লি।

মখৎ যেৎনা মচাদ কোল্লি, ওযগী খৎশাদু থেক থেক্লুনা পৈশা পায। লুপা চহুম

কুম্লামুক্তি ফংদৌ লৌব। মদুনদি কৈদৌনি। হান্নগী শোৎচিনবা চেঙগী পৈশাদি চার্মবিনু হেল্লমল্লনি। থাউগী, ঙাবিগী, আলুগী পূল্লপ্পা দুকান্দগী তোল্লিবা চামঙা চাতর্কাগু যৌবল্লনি।

শাউনিংলপ মচীন্দা শোল্লি, "অসুক কন্না হোৎনববু মর্নাং সুম হোবকপনা হেঁঞ্জল্লকই। নুপানেনা মানা খর্জীঞং পাংবীববদি ইকোম কোমগদবনি।"

নোংঙাল্লগা মিলদগী হল্লকপগা মচানুপী অহলদু হৌদোক্লনা শিঙো, "চাউবা, হৌগৎলু, নচীন নয়া শেংদোক্লগা উপুগী ফি মখাদা লৈবা নমাচৌবী বিমোলাগী এনা ঙবাং হৌজিংপোৎ তা চিল্লবা সনাদু থেন্দোক্লম্মু। তাহৌনি, চেকশিন্না পু। এ থিল্লম্না নংলবোই।"

যমুংদগী মচানুপীনা খুম্লকই, "মাগী কৈদৌ বার্যবিনো? সনা শিদসু চৎপা যাবদুবু।"

"অঙাং নঙনা কবি মর্ভা, লৈ মচামফাও যাওদনা চৎপা যাববা?"

খাঙ্গেগু খবা তপথবগা মখা তাই, "কাউনিবো, অদগা চাগু থোংলগা চামিন্নবম্মু।"

"চেঙদি খাওংখক্তো। চবাসু যাবোই।"

"অবেবদু থোংঙু। এগীগা খাক্লমগন্।"

মপাক্লংদা খল্লি ঙাসদি সনসমগী ইমুংগী লৌনি। শেল পাযবাননা হৈথা পাৎথা যাম্লক্লনি। পূক থন্নবা হক চাহৌব লোইবে। লৈমন্দবদগী ইকাযবা হঙদবাসু ওইননানা। কবিগুম্না মাগী ইখ্মোলদা হৌবা মনা মশিং ফাওবা নিদুনা থোংই। মীগী মায মবোল, সনা লাক্লোল বাযদনা শেৎ চায। ফো না ঙাঙনদ্রসু লোন্না থানা ডাঙনবদ তানবসু তাশিন্নদা, খঙলবসু খঙশিন্নদা লেল্লকপান।

মানা লবঙগী হল্লকপদু নুংথলগী পং অম হেল্লে। শঙমদু লোইশিন্নবা হোৎনবদা মথোয কনাসু নায পন্নদনা ঙাচন নাচন বাবো মখাযমুক তাবদা শঙমদ খাওবা লোইর্শিল্ল। বাবনা মশাদসু তপ তাববনি। মানা খল্লুবগা ওন্নানা ঙসিদি চানবসু ইপু পূবক্তদনা লাম্বনসু লোইবে। অদগা যুমদসু তৌজিক চাক লৈবল্লোই। চনা হেল্লুদৌবি খল্লুবদা লাম্বগী চাংসু খংহেন হের্নাজিল্লকই।

মাঙ্গোলগী দাবী কাখৎথিবগা মচানুপী অহলনা পাউ তম্মী, "মমা, বাবানা ঙা লৈবক্লনি হাযবম্মী, ঙসিদি নুংদাংগী চাক্লু ঙন্তানা থোংঙু হায।"

"কদাযদগী পৈশানা মাদি ঙা লেবক্লদৌবিবা? চেঙাদ লৈতনা ঙা থোংবদু

ঠাউনি।"

মবী মবী ঙাঙথবকই, "মিলগী মীনসু নুংশিদবদা লোইববান শোৎল শোৎল চাবগী। তৌজিকসু শোৎকদৌবিবনি। হান্নগী ফাও শুনবা শিংদোকপা কোন্নবোইদৌবি।"

অঙাং পীশক্কু উদবদুদা অমুক হংলকই, "অঙাংদি?"

"ইনাওতোম্বীগা শান্নবম্বনি থোঙ্গালদা। কদোমদা চৎখ্রজাৎনো খঙদে।"

"কৈনোনে, অঙাং মচাদু পুবগা কদাযদনো মানা চৎলিদুনা?" লাপ্পা চৎথোকাখনু হাযদ্রো নঙবো?"

"'মিলদান হাযব্রা কদাযদনোম' চৎনিনাদ লাউবম্বনি। মুন্না তাহৌদে।"

হার্যাবিউবম্মদা অঙাংদমা পোশল্লগা চঙলকই। মফিদা যোন্নিবা মযোমদু উবদা হংই, "কৈনো পোন্নদুনা?"

"চেঙ। পৈশা কোন্না পীগে হাযবগা লৌবক্লিবা।"

"এ।"

সমাশখী মখা তাদে। মথানপা যাযমগী কা হেন্না হৌশিংবা মতৌদুদা মপৃক্লিংদা লোকই কযাদা ঙমখ্রবনো।

"হবে, হবে এ হকজথোক্নুখিগে। চাউবা, নঙ ঈশিংগা শোকচিল্লু, অদুগা ইনাওতোম্বী নঙনা শাইগা শাৎচিল্লগা লাই ধুপকা থাদোকউ।"

অতাংদু সমাশখী মাৎকপ অমফাওবা তুম্বা যাখিদে। ঙসাই লৌ কাবকপদা থবানা হৌদোবকখিবা বাহমদুগী মরমদা খন্দুনা লৈ।

বোন্দম বিধুগা লৈ শঙম অমা বন্ধান থমদৌরি মচাগী থবক বানোম্বগী। যান্না হোঙনা লৈশিং কুনখওদা। লৌখায অমমম লৌমিন্নবসি হায থবানা। লৈতবগী হাযরবাদি মঙ মঙলুবদু যান্না চাশন্নদবানি। অদুবু মিহৌবদুমদি অদুম লৈ। মদুমবু লৌশিলহৌবরদি চহীসৰ্মদি মচাশিং চানা হেল্লবোই। ন্নামৎ খদিংগী পৃক্কীদমক মৈশা লাংলবোই। লৌফমসু অফবান। ফৌ যাম থোকপা মফমনি। অমুকসু শাউনিংই — লুপা লৈশিং তবাখকপু হেক পুথোকপা ঙমদ্দে।

মাগা নুপানা কন্না অমুক নাখিবদা অহীং চপ্পা তুমদনা, লাযেঙনবা শেলগী খনবদা বাখিবা অহীংশিংদু নাশিংলকই। যুম্ফমখক্কংগী ইঙ্খোল মচেৎতু বন্ধান থম্বা নওনা উপায অমত্তা লৈখিদে। অদুবু মাগী নুপানা সুকযা যাখিদে, শিখিবনা হেন্না ফৈ হাযদুনা শিখাঙ খাঙখি। লাইগী থৌজালদগী হাযগদ্রা উচিন নাচিন্না মচে-মনেমশিংগী

মফমদা কপচ লাউজ তৌদুনা হীদাক লাংথক খবতনা ফবকখিবনি।

উপায় থির্বদি লেপ্তে। মখৃত্তা লুপা যাখ্থে চাম্মা ফাওবা তুংশিঞ্জবসু নত্তনা কদাযদগী মঙলাননো মানা অসুক কন্না মঙলুবির্বসিবো? উপায় অমা খঙউ উবকই, নোংমা লৈকাযগী মচে লন্ধোনিনা পুর্বিখিবা মফমদু। মহাক্না মোবে চৎলগা লল্লোনগে খল্লকপা মতমদু। মোবে চৎতুনা মোবেগী পোৎ চৈ কাববাব তৌবী লন্ধোনি লৈকায ওইজববসু সমাশখীগা অদুক হাক্না লোন্দিন্নবদি নত্তে। অদুবু উপায থিবকপদা থেংনকই। লন্ধোনীনা কাবনাবগী শেল পৃথোক পৃশিন তৌবা নুপাদুগী যম ককবাদা মাবু পুবীদুনা শঙনহর্নখি। নুপাদুনা যাম্না থৌজাল হৈবা মী অমগুম মাবু যাম্ন নুংশিবীবগী মতৌ অমা উৎলকখি। কবিসু থোক্লদবা মহাক্না বাবীনবগী অর্থ ইবৈ লৈতনা বাবীবগী মওঙদা হায্খি, "সমাশখী নঙগী লাইবকসিগী ঐ ওন্থোক্না বায। ফজবিবা নশক্লদা অদুগুম্বা পুক্সি অমা তম্নম্বসি ঐ ঈশ্ববু শাউর্নিংই।"

মহাকপু অদু যৌনা ফজবব? অব্রা অনা খাঙবদা মচু থোক্রবা মাগী মশকপু ফজৈ হাযখিবা নপাদুগী বাদা সমাশখী তৌযম খঙদনা শার্উনংখি। মাবু কবেম্নবনি খল্লি।

"অদুবু পাক্স হাযবসিদি অহোঙবা নাই।"

নুপাদুনা মখা তাবকই, "নোংমখক্তদা ভিক্ষাবীদগী বাণা ওইখিবসু অঙকপা নত্তেদনা।"

সমাশখী যাম্না হৈনখিদে। কাবনুংগী লাকচকবনো খল্লকখি। নুমিৎতুদি মচে লন্ধোনগী, নুপাদগী, মশাগা ইকাযখুম্নবা ঙাক্লবা তৃমিন্না হল্লকাখ।

অপীকপা কাববাবদু হৌদোক্লবগী মচে লন্ধোনিনা নুপাদুদগী পৃবাবকপা লুপা লিশিং মঙাখঙ পুদুনা হল্লকখি। অদুবু মহাঙগী নুমিৎমক্তদা মাগী লিশিং মঙাদু লন্ধোনদা হন্দোকহর্নখি। লন্ধোনিনা কন্নদি থিংখ যাম্না ফবা মীনি, লাগ্না লৌকনু। অদুবু মহাক্না যানংখিদে। অদম্না মোবে লল্লোনবগী মঙলানদু লোইশিনাখ।

নোংঙানবগা সমাশখী ফি শেৎচিল্লগা থোবকই। মাগীনি হাযবদা চৎলুবা যাবা মফম অমত্তা উদে। মঙোন্দগী হেন্না ফীভম চাদবা মৌপ্পাগাদা চঙলুদুনা কৈদৌন। মচেদুসু অদু ঙায, হৌজিক্তা হংলুবদা লিশিংগী বাদি হাযকনু চার্মাব চামঙা ফাওবা থিবদা কোযচেন চেন্নগদৌববনি।

ভাব মেন তাদনা থোঙজীন্দুদা লেপ্পুবে। কবিগীনো অদুক শাথানা

হঙ্গোইখিবা থোঙজীনসিদা ঙসি লেপ্লবিবা। মহাক্না চৎলুবদা নুমিত্তু গুম হবাও হবাও তৌবিবকদ্রা? মানা ইকাযবা পীদুনা শেল হন্দোকহনখিবা নুমিত্তু ঙসি ফাওবা কাউবমগনি হাযবসু থাজদে। শেলদুগী মহুৎ মানা কবিবু পামখিবনো? ঙসি মহাক্না হেক্তা লাক্লিবসিবু কবিগীনো? মাবু নুপাদুগী অপাম্বা পীবা ঙম্লগদ্রা? লন্ধোনিনদি হাযখি যাম্মা ফবা মীনি। মখোয পূম্বা মাগী শেল শীজিন্নবিবনি। মতম চানা শেন্দোয হুনবাবগা লোইবে। নৈত নৈত্রগদি শেন্দোয ফাওবা লৌবীদে। মহাক্না মদুবু থাজদুনবা লাক্লিবা।

অদুবু হৌজক্কী মতমদনু মশাগী অপাম্বা অমা নৈতনা নৎত্রগা কান্নবা ফংদনা কনানা শকখঙনদবা মীগীদমক তৌবীগদগে? চঙশিনসিবা চঙলোইসিবা ঙাইহাক হঙ্গানৈ।

থোঙজীন্দা খোঙ থাংজিনগে তৌবগা নুংশী খোঞ্জেল অমনা শাম্লকই, "কবিনো নঙনা তৌনিবসে। সমাশখী, নঙ নশাবু মীনমজবদ্বা নঙগী থৌনা?"

"ইশাবু মীনম্লা।" সমাশখীনা হংই, "মদুগী অর্থ কাবনো?"

"কাবগী হঙশিন্নাব্রবনো? মীনমজবতা নত্তে, মদুনা নঙগী আম্বাদবসু হাৎত্রাকচনবগী মনম ওইনকপসু যাউ। মদু নঙগী লম্বী নত্তে।"

কানশিল্লুববা খোঙদ কান্থোবক্না ভুং ওন্থোবকই। খঙহৌদনা নুপী অমগী খোঞ্জেল লাবকই।

"কনা উনবাগদবনো?"

তৌফম খংদনা খম্মী, "কনাসু নত্তে। হম ওন্নবমাল্লে।"

"উখ্রশুম তৌরে"

নুপীদনা নীংশিংলকপগী মওঙদা নোক্তুনা মখা তাবকই, "নোংমা ইচে লন্ধোনিগা লাক্লম্লদ নৎত্রা? ঐনা চাকশংদগী উৎহৌবনি।"

লকব তৌনা খম্মী, "হোয, থবক অমগী লাকপদা চঙলম্বদু ওইবমগনি।"

"ইচে লন্ধোনিদু লাকখ্রে। ঐনা থবক ইনখাং তৌনবা অঙাং অমত্তা খিবীনকউ হাযখিবনি। ফংদ্রবরা কৈনো?"

সমাশখী মপাক্লুংদা বাংবৌবকই লন্ধোনিনা মাগী মচাশিংগী মবমদা পাল্লমগদ্রা" নৈতে লাযবৈ হাযদুনবু কবম্বা মমা মপানা মচাবু মীগী যুমদা মীগী থবক তৌনবগী নৈহাম্লংদগে,

"চঙবীবকখো, চা থকখিসি। নহানমুক লাক্লম্বদুসু চাকখুম থাদোকপা যাদদুনা

উনজহৌদে।"

ইকায ইকায হ্মাং কাংনা চঙশিন্দুনা নহানমুক ফমখিবা কাদুদা ফম্লি। নুপাদুসু থোবকই। মাগী নুপীনা চৎনবী ওইনা শক তাকই, "নহানমুক ইচে লঙ্কোনিগা লাক্লম্বা ইচেদুনি।"

"কবি থবক লৈবে?"

যাম্না চীং লেম্না নুপাদুনা হংলকই। পৈশা হন্দোকখিবগী ব্রাদু হৌদোবক্কদ্রা পাখৎলকই। খুমফম খণ্ডদে। তৃমিন্না ফম্লি।

"শেল পগে হাযববদি মাল থমদ্রবদি পীদ্রে। নঙবু থাজদবগী নত্তে। নিযমসি ঐনা শেমদ যাদদুনা শেমখিবানি।"

"থম্নবা মালদি লৈজদে।"

যাম্না ইকাযজনা তপ্লপ্না খুম্মী। "শেন্দোয শোযদনবা হোৎনজগে।"

"মাল থমদ্রবদি উপায লৈত্তে। হন্দকসি শেল যাম মাঙখ্রে। অদুননি। নঙ শাটনু।"

"কাবগী মাল লৌকদগে?"

নুপীদুনা মাগী নুপাগী বা ইতা তদনা হাযবকই, "ইচেগী ইচানুপী অনী লৈ হাযদায। অমদি ঐখোযগা লৈমিন্নজবগে।"

সমাশখী হাইযেৎ মপাক্লং নুংশিবকই মাগী অশোনবদা হেক্তা পাযবেনা। সমাশখীগা মাযথোংদু উন্দা নুপীদুনা মখা তাবকই, "কবিসু বাবেইদা, থবক থোইনা লৈখা ডাই লৈবা নত্তে। অঙাং খবা শেন্নবা, থবক মচা মশু অমা অনী মঙায।"

হৈশিংনা ডাঙলিবা মাগী নুপাদুগী বাদুদা নুপাদুসু মঙক নোম্মি।

"হোযনে, অচাংদু হযেংমক হেক পুবীবক্লো। ইচামক্লুম নুনা তৌবীনিদা। নংগী শেলদুসু পুখ্রো।"

তৌফম খণ্ডদে সমাশখী। মচা থমজগে হাযদনা লাকপদু ডাযখ্রে। অদুবু মহাক শেলদুসু তশেংনা দবকাব ওইবিবানি। মাস নত্তবা অতোপ্পা উপাযসু লৈত্তে। মাগী নুপাগ বদি? মদুমদি সমাশখীনা অকবানি খন্দে।

যু ডাওবা মাগী নুপানা মচাশিংগীদমক বাবগবু অসুম্না সমাশখীনা কোযচেন চেল্লমগদ্রা? মহাভাবতকী মতমদু ওইবম্লবদি জুৱাবদা নুপী অঙাং ফাওবা থাদোক্লমগদবা মাগী নুপাগীদমক্তি সমাশখী কবিসু চিংনদে। অদুবু কবম্লসু মচাবু হেক শিন্নথোক্লুনি।

"মপাগা অমুক্তা তান্নজকখিগে?"

মানা হল্লকপগা মচানুপী অহলনা অঙাং অতোম্বদ্ মতম্বাক্তা পীশিল্লগা কপঙাঙ তৌদুনা হায, "কদায চৎলুবিনো? অঙাংনেনা পঙকপতা কপ্পী। মবূকসু লাম্লবনি।"

অঙাংদু লৌবগা হাযবকই, "থবক চৎলুবির্বনি। ননে মেমচাখোয লৌ খাওবগী কৌবমদ্রা?"

"কৌবম্মী। হাযবম্মু যাদ্রো? কুইনা ডাইর্গল্লি হাযদুনা য়াম শাউবম্মী।"

"ইবেম্মা নখোয় নতৈ ননাওনা ঙম্নসি ঙম্মীদা," বিমোলা ঙাঙ ঙাঙদুনা চঙলকই। "সমাশখী হৌজিকমক ঐগা সনাদু পুথোবকউ।"

ইঙক ঙক্লা যেৎলিবা সমাশখাগী মাযখোঙদা শাউনা যেংদুনা চৈবকই, "সনাদু বন্ধান থমদৈগী হৌজংপোৎ চৎপদা চিং হার্মজিংবগা বার্যবিবনিনে? মিলদা নচানুপীনা ঙবা, হাযবম্নদগী শোক্লোনা তাহৈদুনা চেল্লক্লনা ওম্লমদ্রবদি খঙবু খঙলম্লোইনে।"

"ইচে ঐদি কবিমঙা খঙদ্রি। চাউবদা থিন্নবা শিন্নবম্লগা লবুক্তা অদুম চৎলর্বনি।"

"পঙশিন্ননু। বাযবমদাইদদি নবা ওক্তে খঙলম্লোইনে। ঙবাং জুব্রাবদা শেঙ্গাও পাযবা যাম শাঘ্রে তায। নবল লৈতনা শঙ্গোম চান্দিংগনুনে ইবেম্মা, নঙনা সনা চন্দনা চৎপদা কনাসু নঙবু ঙাঙনবোই।"

ইস বাতাসিদি। মীবু লৈতে লাযবে হাযদুনবু অসুম্না হেক ইকাযবা পীবদুদ খবা খীৎ হেনমল্লি। সমাশখী মপূক্লিং নুংশবকই।

"ঙসিগী নুমিঙা সনাদু পুবক্লবা, ঐব্ যেঙে হাযনু। ইচানুপাসু মপাসু বা থোকহৌবর্বনি।"

ঙাঙ ঙাঙদুনা লাকাখবা অদুম ঙাঙনা ঙাঙনা চৎখি, "নতৈ ননাও চপ হেক মান্নৈ ঈকায খঙদবাদ।"

সমাশখী কাবসু খুমহৈদে কবিবু খুল্লান? অসুক শাথীনা ইকাযবা নংবাসিদা মমায মমীৎ মৈ হৌনা শাগৎলকই।

ফক হৌগৎলি। মচানুপা অহলদু লাক্লনা চংখৎলি।

"ঐনা সনা হিল্লু হাযবম্লগা নঙদি নপা চন্দালদুদা কমায পীর্কবিবা?"

"ঐনা ইনাওতোম্বীদা থিল্লুচো পীখির্বনি। ঐদি খঙদে।"

মচানুপী যায়মদুনা পেবি পেবি তান্ন।

"ঐনা সনা পুবগা থোবকপদা বাবানা মা খিল্লুগে লৌখিবনি। ঐঙোন্দা মিলদগী চেঙ ব্রাল্লুচো, সনা বন্ধান থন্নবগা পৈশা পীগে হাযযু ঙাসু লৈবক্কে হায়বম্বনি।"

সমাশখী মকোক ঙাওদুনা ফমথবকই। হৌজিকপু কদাযদগী শেলনা মীগী সনাদু হল্লুদৌবিনো ' শাউনিংবা ইকাযবা যাংদুনা মপ তানা ও' খো্না কপথোবকই। *মচাশিং ইঙক ঙক্লা চপ চপ লেপ্তুনা মমাবু যেংলি। কপখৈ কপ্লুবগা ফূক হৌগৎলকই।* উপু হাংদুনা ফি মযোম মযামদুগী মখাদা চেৎনা থমখিবা অমনবা চেনা যোমশিনবা ইখোল মচেৎতুগী পট্রাদু লৌথোবকই। মুন্না ফাক্তো ক্রুনা যেংলুবগা অমুক থূপচল্লগা মাগী অমনবা খাউদুদা হাপচিল্লি। মচা অতোম্বদু পোখৎতুনা খাউদু পাযবগা খোঙ্গালদা প্রপ প্রপ থোবকই।



শম্নদবা মরী

''নঙবু ঐ নীংশিংলিবনো?''

[illegible] 'শংনম প মাখানদাই।''

[illegible] ঐ [illegible] নয়নকপা পাক্লই

''[illegible] নঙ এন [illegible]''

[illegible] অসল্ক কুইর্নস মাংনপ অম [illegible] ঐনা নঙবু কাউবা লৈখিদে [illegible] 'খুমলবদি' [illegible] লম্বা অমভুদা চৎমিন্নরম্বা, পাৎ অমভুদা চাক্তামিন্নবম্বা উচেকশিং কনম কনম্ম মাযকৈদা পাইরাখিবা, কবম্বা মপাঙ থেংনদুনা কদায কদায যৌনকবনা। মতমাসদা এনা প উখমদ খুম্লবদা চান্নখিগদ্রা। মহাক্কা অমুকসু নোক্লিংবা পোক্লক্লর্নদে।

"করিমত্তা ইদ্রবরা? করি কবিনো খরসু ইয়ু। অতৈমক নংত্রবসু নঙনা খল্লিদুদা ওইরসু ইথোকউ।"

কবিগী ইদনি? য়েংঙু ঐগী কাগী উপু, ফমুং ফানুং, টেবল, চৌক্রি পূম্নমক্তা ঐগী মীৎযেংনা হেক তাকবা মফম খূদিংদা ইবিবনি। ঐগী চপথববা চাযকং, মমি শাম্লবা মাযথোঙসিদা য়েংঙু, ৱাবী কযা ইবিবনি মফমসিদসু। ইবিবা পূম্বা নঙগী ৱাবীনি হাযর্নাদি চীর্নাসিদগী কবম্লা হেক হাযদোক্লনি।

"হুম, নমীৎতু অদুম্না য়েংগনু।"

মহাক্কী মখূৎনা ঐগী মীৎ মপাদা হাইদুনা ঐগী মীৎযেংদু কাযহল্লি।

"ঙসাইদগী ঐনদা ঙাঙদুনা লৈবে, নঙদি পাউখুম অমত্তসু পীদে।"

চুম্মী ঐ মাগী বাহং অমত্তগী পাউখুম পীর্খিদ্রিমাল্লে। মাগী ৱাহংগী পাউখুম পীবা ঐ কি। অদুগা বাহং খূদিংগী পাউখুম চীগ্না পীগদবান হাযবা কবম্বা নিযম লৈবগে? খুমর্খিদ্রিবমক্কুসু পাউখুম অমনি। মসিদদি ৱাহং অমখক্কংগী পাউখুম চাম্মা খুম্লবান।

মহাক্না অমুকসু হাযবকই, "কবি য়েঙ্খাং চানিংই, ঙসিদি ঐগা চামিগ্নসি।"

মহৌশা মাগা ঐগা হেক হেক চামিগ্নখিবদু নীংশিংলকই। পূখম অমগুদা, কযাদা পুংশিনা কযাদা হবাও তযাম্না। মতমদুদা মহাক্না হাযখিবদু -

"ঐসে ডোক্টরনা প্রেন্টীন যাম্না যাওবা পোৎ চাগনু হাযবিবনি। অদো নঙগা চামিগ্নববাদ হেক্তা চার্শিল্লে।"

"নোংমা শিগদৈ লৈববা মীওইবান," ঐনা অখঙ অহৈ শাদুনা খুম্মী, "শিববু অদুক কিবা।"

"শিবা কিবগী নত্তে, হকচাং নুংঙাইতনা লৈববু ফববা?"

ঐনা ইপঙ পঙনা ঙাঙখিবদু মানা ইচুম চুম্না হেক হেক শেমদোকখি। নোংমসু ঐগী ইহৌশা মাবু ৱাবৌনা ৱাকৎখি, "নঙদি ঐনা নীংশিংলগা নীংশিংবা ওইনা তৌমাল্লে। ফোনগা শুক্তৌ তৌবক্তে।"

"নখোয যুমগী ওইবদি তৌবা যাবা। মীগীনিনা কৌথোক কৌশিন তৌবদু... মদুগী তৌবক্তবনি।"

ঐগী ইপঙ পঙবা ইতৌদুদা মহাক শোযদনা নোক্লীংলমগনি। অদুবু অদুগুম্বা ইঙ্গিৎ অমত্তা ঐনা উবা ঙমখিদে। ঐনা মাবু মতমদুদসু খঙবা ঙমখিদে। ঙসিসু ঙমদ্রি। ঐসিসু অঙকপনি ইশা ইতোমত্তা নোক্লিংলকই।

"কৈনো অদুম্না নোক্লিদুবু? মীনা কবি য়েঙ্খাং চানিংগে হংলগা?"

ওা ঐ খোঞ্জেল থোক্লা নোকখ্রমাল্লে। নীংশিংলোইগে যাদবা হৌখ্রবশিংদুনা ঐবু হেক হেক মঙলাক্লকখল্লি। হৌখ্রবশিংদ। হৌখ্রবশিংগা পাবাদুনান ঐবু হিংখল্লবা। অদুগা অমকসু হৌখ্রবশিংদুগী নীংবা কায়না ওইবা ফাইদবা কযাদু থন্দনা ঐনা হিংদুনা লৈরিবগী অর্থনা করিনো হেক খল্লকপগা হিংনিংলম্লক্লবা। অনী অহুম্লক্তি শুবমাল্লে ঐনা শিজনবা তৌকনদ। অদুবু মখোয়না ঈবু ওস্ত্রোক্লা চেকশিন্না শেনখ্রে। শিবা ফাওবা ইনীং তম্না শিজাবা ঙমহন্দ্রে।

"ঐনা হিংদুনা লৈনগা করিবনো তৌনগদগা? যাণী মানবা পুন্সিসে ঐ পুদুনা চৎপা বাশল্লক্লে।"

"অস নংগসিদ।"

মহাক্কী খোঞ্জেলদ, সবদু খবা হোংলগা হায়রকই, "নঙনা হায়দাইনে, পুন্সিসে যাম্না নুংশি।"

নোংমদি অদুম্না শল্লম্মা পান্সসে যাম্না কঠো, যাম্না নুংশি। অদুবু ঙসি ঐনা হিংলিবা মহৌং, লেপ্লিবা মওংলসিদবু পান্সিসে করম্না নংশা হায়গদৌরিবনো? মতমদগী শাসগা কযাদা খেংখ্রবনো? মতমদুদদি অশা কয়া লৈরম্মী, হঙ্গোয় পাক থম্না নুংশবা লৈরম্মা থাজবা লৈরম্মা ইশানা ইশাবু যাদাখি, এগা নুংশিনবা থাজাখি। মদুমক্লা, মদুগী মতৌনা করি ওইখবা? ইনোমতা হৈবাক্লা ইবা

"ঐখোযগী চাওখৎখিদ্রবা সমাজ সদা ওইহৌরবদা যাবরোইদবা অমদানি ঐনা মঙলাক্লবরসে। সুম মঙলাক্লবা, সম মঙলাক্লবা, মাকপ শুংখোক খোঙ্গনা।"

"হৈমা কদোমদগনো? অদুম্না নগা নাদনা ঙাও ঙাও লৈদু করিবগীনো?"

যাওনা ভাঙনা ঐগী ফমুংদা লৈলিবা যি মচা মশু অমা অনীদ থম্পার্চাল্লি। মাল লেন্ড খোং তৌবদুদা মাগী খওা শিরিব খুজিদ মখোল ঙ্ক্রং ঙ্ক্রিং থোবকই। মাগী খড়ুদা যেংলুই। মতম অমা নীং শংলকই। মহাক্না মখণ্ডু পাইনীংলকই।

"নহুগী থবক মযাদ যাম্না মাঙম চংকদনা অমা যাওখিবদাত। অমুক্তা যেংগে?"

মহাক মখণ্ডু তিংথোবকই মহৌশাশুম। অদম্না কযাবাক্ল ঐনা মাগী মখুঙ্গ পাযদনা যেংখিবা। থবাক মখি, নাশি যল ঐডোন্দা অদুক হাক্লা থাজবা নত্তে। তান চাকবদগী থবাক মযি যেংবগী লাইরিবক অমা থেংনকই। কৈবোগী *গাইদ টু দ হেও* হাযবা ওইবমাল্লে নিশা অমা ওইনা থোকখি। মহাক্তি থাজববা থাজদববা শঙদে। কবিগুম্বা রাবী অমগী মবঙ্সু এনা মাগী মখূঙ্গু হেঙা যেংলুই। অদুগা লাইবিক্তুদা যাওবা খবা নীংশিং নীংশি হায। কযাদা নুংঙাইখিবা মদুদা ঐনা।

"এ, হাযবকওদনা, মর্যিসদা কবি কবি যাওবিগে? ঐগী অচৌবা এক্সিডেন্ট অমা লৈ হাযখিদাই। কযাম বাৎলি হাযযুনে?"

লাইবিক্তুদা যাওবদু মহাক্কী খুবাক মাযদা যাওবা অমগা চান্নদুনা হার্যখিবা।। এক্সিডেন্ট হাযববু কাবনো? নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা খুদিংমক এক্সিডেন্ট নৎত্রা? ওসি মহাক্কা মযর্মসিদা লাক্লিব ঐগা উর্নবিবা খসিসু এক্সিডেন্ট অমা ওইবা যাই। অদুগা হাযকবগাদ এ [illegible] থোকাগবা থম্মোযগী এক্সিডেন্ট অসিদগী হেন্না চাংবা এক্সিডেন্ট অমমুক লৈবর্মখিগদ্রা? মাগা ফম্মিঃবা, বাবা শানবা, সাহিত্যগী যংশন যাওমিঃবা, টেলিফোন, চাং চামনবা মদুগী সংসাবদু নত্তবা অতোপ্পা সংসাব অমা এনা উবা ওর্মখিদে। মদুদা অসুম তাউথবা, লোইবা নাইদনা তাউথবা। অদবু ওখত খওহৈদা মাগ লুহো বগী পাউ লাকখি। এগী পান্সদা ঐগা বোক্তা অচৌবা এক্সিডেন্টং থোকাই।

"ইতে, এাদ ইকাউ কাউত"

[illegible] শন্দনা থম্লিবা মাগ মখতু চংথোকখিদুনা মহাক্কী বেগতদগী ফজনা [illegible] খপ্পা ল ইনিব অমা লৌথো ক্তনা পাবকই।

এগ [illegible] লাইবাক্ল। [illegible] পাবগা যঙে ফজদে হাযনক্কদৌনিকো।"

[illegible] এনা মাগা লাইবক্তা ফজদে হাযবা যাওব্রবগে? মানা ইবা বাইে [illegible] এ [illegible] দাদ ইযদা ফর্জগিবনি। ঐনা ইহান হান্না মতোন্দা মঙলাক্লখিবদু [illegible] ডম্রবা? থম্মোযসিদা ফাওবা, ঐনা [illegible] থোক্লবাদ তৈডদবা [illegible] অশেন অনা, লাযন অনংগী পুন্সিবু মিনুংশি লৈনা উখিবা [illegible] মাগা [illegible] নশক অমা ঐনা ডাথ। মদনা ঐবু ম[illegible]ডাল্লোমদ [illegible] ক্যাসু [illegible]শনাখমাল্লে। মাগা লম্না চাবা চাদকা অচৌ মচা [illegible] মতোন্দা পম্মিগী মকপ ওইস তৌবকখিবা নুপা কযাগী। বাব কযাসু লাখি। [illegible] এগা থম্মোযদ কবম্মা ঈথব তৌখবা

[illegible] বনো? ব'বনে সম যেংদুনা নৌবসবা, লৌবোসে"

[illegible] মাগ লাইবক্তু লৌশিল্ল। লাইবক্কা মখমদুদা মাগী মি, চাউনা হবিবদনা [illegible]লই। পান্সসে যান্না নোক্লই। হেন্না নোক্লিংলবনা মী ওইবগী পক্লিংনা। সংসাবগী বাহে খদিংমক্তগা মাগী মচেৎ মকাযদা কৌবা মিংদনা পুমহেন হেন্না ফজনা ডাথ। মদু প ক্লংগী মহোও থক্তবা মচৎ তুননা।

ঈশ্বরনা তাইবংপান শেম্নাবকপদা নুপা অমসু, নুপী হাযদুনা তোডান তোডানবা

মী মখল অনীখক শেম্বিবম্মী। মদুগা লোযননা নুপাগা নুপীগগী মবক্তা প্রকৃতিগী নিযম অমসু লৈ   অমনা অমবু শুমহৎনবা। অদুবু মবক মবক্তা ঈশ্বরগী খুৎশেমদসু অবানবা যাওই হাযবদা ঐ চিংনদে। ঐহাক ইশামক ঈশ্বরগী শোর্যখিবা খুৎশেম অমগী খূদম অমা ওইবম্নসু যাই। ঐগী ইফমদা ঈশ্বরনা শেম্নদা শোর্যখিবা মফমদু ঐগী পূক্লিং অসিনি। ঐগী পক্লিংসিনতা ফজনা উখিবা মবীসিগী মফম ঐখোযগী সমাজদদি লৈতে। শৃঙ্গতগী ফজদবা, মানা ফজনা উবা ছমদব', হঙ্গোযনবা মবী অমা নত্তনা। অদুনা অসিগুম্না থম্মোযগা ওইবা মবীসি মীনম্না মবী অমা ওইনা অদুম্মক লৈহল্লক্লি। ঐ খঙ্গিভ   সমাজনা যাবোইদবা মবাসি মাগী মযমদস শোযদনা হৈনদনা থোক্কনি। মতমদুদা মানা ঐবু তৃক্কৎচখিবসু যাই। অদুনা ঐনসু মাগী মফমদা মীনম্নসি অদুম খল্লক্লি। মীনম্নসিনা অসুম অসুম চাউখৎলকপগা লোযননা মহাক্কী পুক্সিনা ঐড্ডান্দগী ৎপ্পা তপ্পা লাপথোক্কখিদুনা নোংমা শ্নায মাংখি। অর্থাৎ নুংথিল চৃপ্পা ঐগী কোর্কাস ম তমদুদগী পোংবা শক ৎস্ল্লক্লি কবিনো খডদনা পণ্ডখন্দা থাল্লি, পণ্ডরাদা বায।

"ঐ চৎলগে, থেডখ্রে। পং হনীদা ফঙ্কশন অমসু লৈ।"

চৎলগদবা যে ও মাসস ঐগী কোকা ৎক্লিবেন্ট অমগুম থোক্লি। ডপার লৈতনা মাংযে, অমনা মগোন্দা যোংলই।

"ইচেম্মা বিমোলাদ ৎবাউ শম্না হংলে, মাবু ওক্কদৌবিবনি।"

কযাদ' ছকখ্রনা। অদুগা কযাদসু নোক্লংখ্রবা। ইচেম্মা বিমোলাবু খডবা, মাগা খাইবু খডবাদ মহাক্ক। ইচেম্মনা মনা যাংলক্কনি তাহনা মতমদুদা এখোয কনাসু থাজবা লৈখদে। অদব অসিগুম্না ওইথোকপা যাদবদা ওইথোকতনবদাদ এখোযগী সমাজনা অদম যাদুনা লাক্লি। মাদ্দা মহাকসু যানিংলবডাৎলা নোংমাদ মহাক্কা হাযখিবনি

"এখোযগী সাহিত্যগী থবকশিংসে যাম্না মোংলে অদব মাসদা এখোযগী উপাদ লৈতে। হযে, এখোযনা অমুক মতোক ওইবকালনা অপুম্না খাংনা তৌসি, অবানব অমও না ওইহল্লোইসি।"

কব চাউন আশা থম' শাগৎখিবা। মদা, মগু অমা ওইবা যাই।

"নাবা থনা ফবোকো। বাখলদু হৌঞ্জিনা খল্লুনু।"

নাংও, ঐন বাখল খন্দ্রবাদ কাব হৌদুনা লৈগদগে? শাংলবা নুংথিল, লোইবা নাইদবা অর্থাৎ কযানো ওম্না যাদনা, মবী মখোচ শম্নদবা বাখলতা খন্দুনা লেল্লক্লিবা। অদুগা মহাক্না হাযাব বাখল খল্লুনু। অগুকপনি হৌজিক ফাওবা মানা ঐবু খঙ্গদ্রববা? বাখল খন্দ্রবদি ঐ হৈনদে হাযবা মহাক খগুখ্রবনি। অদুগা মতমদুদগীদি হৌজিক্কা হেন্না

খল্লবনি। মীৎকুপ অম ওা মাঙহন্দর্নান এনা খল্লিবা। ঐগী বাখলতনান মগাক্কা ঐগগীতা ওইবা সংসাব অমসু শাগৎখিবা। কযাদা নুংঙাইবা সংসাব, ইবানীতা, অচীকপদা, থাবলদা, নোংলক্তা, মেঙলবা অযূক্কী মঙালদা। ঐগী মঙলান, ঐগী বাখলদুনা অসুম অসুম ওইথোক্নবোমদা লূপশিল্লক্কবা মতমদুদা মীযামগা ঐগা লৈনবা মবীস অসুম অসুম শম্নবা নাৎশিল্লকখি।

"থেঙলে থোবক্লো কৈদৌবগে?"

থংনবা কাদগী খোবকপা খোঞ্জেলদদা মহাক ফুক চৌগৎখি। চুসাই লাকপদ চাউমঃৎক্লম্না নপাদু ওইবমাল্লে। নুপাদু মাগী মপবোইবা শোন্দং ওইরাবর্গান।

"চৎ লগেকো, ফবোকো।"

মহাক ঐগা পাউখম খাইবমদ। চহ হাথ খোকখি মহাক্লা লাকখনা থাওদদা যেংলই। মাস ওইবমাল্লে লাপ্পবা লাপথে ক্লাখবা হাযবদো। ঐনা লোইনা মচোন্দা হায়খি, "ঐন্থায় অনী শুংলাপ লাপথে ক্লুবোইসিকো, অসম নক্লাস, পুন্সি চপ্পা।"

মহাক লোকায়। মহাক্ত হায়া খঙমাল্লে মদ ওইথোক্নবা হাযবা।

"...সাদ পুন্ন চপ হেক মান্নে।"

" হীডক্লপ প, কযা গাবগনে?"

মহাক্কী হায়খিলা, "খল্লিদা, হাদা চৌবনি"

"অঙাওবাদগা যাননু তৈনবনে। অসিগুম্না নমান্নবাদ কযা লৈনে? অমগা চুং নহাবগনি? নুপেল চেগংমপাউলাসিদা লৈবরবাশিংসি নুংগাতগা অমমম টনবরবাদি নঙদি নংগনা টপংলাস খমদম হৈনা যানা"

শানা মনা মবা চেংথবক্লনা মাগী নুপাদুগী পাউখম মহক্লা কাব খুমাখলনো চাব ফাখাদ্রে ঙাদুক্লেলদ লাপথোকখি বগা লোগলনা খঙলকই ঐগাসি সাব মহাক্কী সংসাবদগী তাংদুনা মা ওইবগী সংসাবদগাসু মবা ওৎস্ত্রে।



লমন

নোংঙানগদবা ফনা বাৎলি। অহীং চূপ্পা তূন্নুদবগী মশাদু ইচোক চোকথৈ। অদুবু মহাক তূম্মংবা ফ'ওদে। মাগী শিংলী নাউবী পম্না মিপাইবা চিংনবতনা মশাদু অসুক শাথীনা চোকথবে হায়না খঙদে। ফমুংদা কাখৎতুনা হেক হীপথবগা মাগা চিংনবদু শব্দক চান্মা হেক্তা হেল্লকই। ফূক হৌগৎতুনা পীক্লবা কাদুদা হনগৎ চন্দা চৎতুনা লৈবদুনা অহাংচূপ্পদু শাংলবা লম্বী অমা খোঙনা চৎপগুম স্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লি। মশাগী স্বর হোনবগী খোঞ্জেল অমদি মাগী খোঙথাংগী মখোলদুনা কাদু নে না তাদবা চবাঙনবা মফম অমা ওইহল্লি। কবিগুম্না শোৎ পেৎ হায়বা মখোল অমবু তাববদি চপ লেপ্পুনা স্বর থংবা তোৎনৈ। মনা থাঙ্গৎতুনা কবি ওইবম্বা যাবগে তাদুনা লৈ।

ঙবাংগী অহীংদ মানা অহানবা মীৎকপ থোবকপদু পুং অমম্মক্কা তাবল্লনি। মী অনীখক বাবী শানবগী খোঞ্জেলনা মমীৎ খংশিং শিংহনখি।

"হৌজিক কবি তৌসিগে' মদুতা খল্লসি।"

"যাবি'মখৈ থুনা পাঙথোকপা।"

"অদুদা তুংদা কায়নক্কদ্রা' মদুগীদমক্তি খনফম থোকই।"

"লৈবিবা লন থুমসি যামদবা নত্তে। ঐ খন্দুনা যেংলে। ঐখোযনা ফনবা শীনবা ঙমগনি।"

"অদুদা ফনবা শীনবগী মহুত্তা হেন্না খুদোংথীব তাগ্রবাদ?"

"কবিগী চিংনবিবনো? হযেংমক লোইশিন্দবা যাদবনি।"

"হয়েংমক? থুমল্লোইদ্রা?"

ভাগুলিবদুনা হাইফেৎ যানিংদনা হাযবকই, "খবগা খর্থখবনা ফবোইদ্রা?"

"নত্তে, মতম লৈত্রে। হযেংমক, খঙলেদনা?"

খোঙ্জেলদু যাম্না তপ্পবসু অহাং ওইবাননা মথেক শেংই। হৌগত্তুনা বা ভাগুনাববা মফমদু যৌনা চঙশিল্ল। দিনমনাগী কাদগীনি। লোল্লিবা খোঙদা মনা ংপশিন্দুনা লৈ। ভাগুনাবদু দিনমনীগা গোজেনগনি।

"কান্নদে থাম্বাবমখৈ অফবা ওইবোই।"

অহেৎপা খোনযমদা দিনমনীনা হাযবকই, "থুনা লোইশিন্নবা তৌসি।"

খোঙদা মনাকোং থমদুনা তবম্বদগী ফমথনকই। 'লোইশিনবা - মদুগী অর্থদি মী হাৎপা।' মখায় মী ফাওবা হাৎপগী বাখল খল্লবা হাৎকদৌববনা কনা?

"শ্রীনমত কপ তৌনদগী যানংদ্রবনি।"

দোগায়া মখা তাবকই, "মবী মচা অমা অদুক খোক্লবম্বগী তৌবনি। নাংত্রবদ।"

"মবা মচানমা মতোমতা খাল্ল অদুদ কনা? ভাগুনবিবা অনাদু মহাক্কা কবি খোকুনবগে? কথাম চানবা মবী লৈনবগে? মহাক তৌজক্কা খান তানকই। পাকখ্রবা, শনখ্রবা মবী মচা অমা ওনি। হক্কা খদৌনিংবা ন্নামৎতা পৎ খদৎলম্বদা কাবসু চিংনন্দাই লৈতনা। অদবু মহাক মশানদি খদৎপা ওল্লোই। মখোয উর্মিলাগী মমল যাম্লবা মশোশনা। পোংমতা বাকৎখিদবা, নোংমতা কবিস লবমদবা উর্মিলানা মাগী অবোযবা মাংকপ্পা তাযম্লান, "এদা কনাসু লৈত্রবা মখোয অনাবু সাপ্পা খক থম্বাগনুকো।'

মতমদুদগী মানাম খায অনাবু উর্মিলগী অবোযবা খুদোল ওইনা লৌতৌবনি। অসুক কুইবাং মখোযনা মহাকপু কবম্না খনবগে, মহাক খ্ভানংলুদে। খফনবগী তাঞ্জাসু যংখদে। মবর্মাদি যুম অমওদা লৈমিন্নদুনসু মহাক্কা মখোযগা বা অদুক হাক্লা ভাগুন শক্লদে। মশাগী মচানুপাদু উর্মিলা মখোয অনীগা অশেঙবা মচানপীদু ভসি শোল্লবা খবক্তগা পোখাবব মপাগা নাঙ্গা লৈবম্লবদি লন থুম মিহৌবগীদমক মান

হাৎনবগী লৌতুনবিবসি তৌবমগদ্রা ? মহাক্না যাদবা মফমদা ময়ূম পানখি হাযদুনা মচানুপীব্ চগুহনখিদে। অদুবু খঞ্জবিবনি চাউববা যূম ইস্কোলসিগী হকতি মচানুপীগীনি।

খোঙথাং মখোল অমা তাবক্নে। ঙবাং অহীং শানখিবা ব্রাবীদুগী থবক্তু পাঙথোকপা লাক্নমাল্লে। চগুশিল্লক্লে। খোঙথাংদু খজীক খজীক হৌবা হেনগৎলকই। মোনা মযাদা লৈবিবা থাঙ মচাদু পাযখৎলি। খল্লি—মসিনা কবি তৌগনি? মহাক্তি মতোমতনি। অহল ওইবে, পাঙ্গলসু যাওদ্রে। ঙসি অহীংসিদা মহাক শিবা তাববদি কনাগসু উনবগী তাঞ্জা ফংলবোই। মহাক্কী মচানুপীদু ফাওবা উনবল্লবোই। মহাক্না শিগ্নগা দিনমনীগা গোজেনগনা মাগী মচানুপীদা মহাক্কী লন থুম মচেৎ অমত্তা ওইববসু থুংহনবীগদবা ?

ঙবাং অহীং মখোয অনীগা অবোনবা ব্রাবীদা গোজেন্না হাযখি, "থবকসিনা পাঙথোক্লবদি বোমাদা পুন্সি চপ্পা "

গোজেনগী বাযমদু তবাই তবাই লৌবা যাদে। বাফমদুনা মহাকপু হেন্না চিংনহল্লি। বোমাগীদি মহাক অপোকপা মপানি হাযবা ইঙ্গিৎ অমা পীবিববা ?

খোঙথাংদু লেপখ্রে। মাগী কাগী থোঙজিন্দা মিনিট অনী অহুম লেপ্লগা অমুক কোক কোক লাউবা মখোলগা লোযননা থোকখ্রে।

থাঙদু হান্নগী মফমদা খল্লগা মবাযবক্কী হূমাংদু মখুৎ ওযনা তৈথোকই। অদুগা যাম্না তপ্না ফাজিল্লবা স্নব অমা হোন্দোকই। খাল্লি মখোযগী বাখল হোংখ্রবজাৎলা ? মহাক মখোযগী অপোকপা মপা নাত্তে হাযদুনস অদুক তমথীবা লিচৎ চৎপা হৌনববা ? মখোযগীদমক মানা তৌখিদবা কবি লৈবগে ? অদুদি কবিগী মাবু মতম চপ্পদা যেক্লবগুম খাল্লবা ? মবম থিকন্দা মাগী তপথকনবা মিহুন্দ অমক কনখৎলক্লে। মহাক্না মখোযগী মমাব্ মীবাগখি মচা অনী লৈববী, নুপা শিগ্রবী উর্মিলানা মাগী নুপী ওইনা লাকখিবা মীৎকুপত্তু হৈসি নীংশিংলকই। মহাক্না উর্মিলাবু নুংশিবা ঙমখিদে। অহল ওইশিল্লক্লবা মমাগীদমক তঙাযফদনা উর্মিলাগা যম পানমিন্নবা তাখি। মতমদু মহাকসু চহী ফনা যামশিল্লক্লে। মহাক্না কনাগুম্বী অমখকপু ঙাইদুনা লাক্লিবনি। উর্মিলানা মনাক্তা লৈবনদ ফাওবা মখোয অনী অদুক্কী মতীক লাপ্লখি। উর্মিলাবু মাগীনি খনবা ঙমখিদে। মশাগী থম্মোয পীথোকপসু ঙমখিদে। মদু উর্মিলানা খঙই। অদুবু মহাক বাকৎপদি তৌখিদে। মতোমতা তত্তনদি হংজবমগনি 'কাবগীনো ?' মবম কযাসু মতোমতা পীজবমগনি।

অদুবু থাজদনা নুমিৎতু লাকখি। উর্মিলাগী পূক্লিংনা তংখিবা বাহংগী পাউখুমসু

পীবমখিবা নুমিৎতু। অদুগা মহাক্নসু কুইনা ঙাইদুনতা লাক্লবা মীৎকৃপতু।

"মালযা' মাসবু মঙলা?"

"নত্তে।"

খোযথুম্নবা খোঞ্জেলদুনি। নোক্লা নোক্লা হায়বকখি, "চৈবাওবগী ফি অমত্তং থিল্লকপনি।"

চহী মাপলগী তুংদা চৈবাওবগী খুদোল। মখোযনা লৈকায অমত্তদা তৌমিন্নবকখিবা মতমদ্ ঙসি মালযানা কাউবমদ্রি। চৈবাওবা খদিংগী মাগীদমক কনিনো অমা হেক হেক তম্লকখিবদো।

"অসুক কুইবসি নঙবু কদাযদা লৈকনগে?"

"অমেরিকাদা।" হৌশাদনা সবদা খুম্নকই, "ছুটি থা অহুম্মুক লৈবদুদা লাকপনি। মতুংদি পাক হোবকপা ওমগদবসু মান্দে।"

মহাক্মতা পূক্নিংনা হংলুই সমুদ্র বাংমদা, অমুক হন্না উনগে চৎলুবসু ঙমদবা মফমদুদা নৎ ত্রবদি নঙবু যাদ্রবা"

মনাক্ত শান্নদুনা লৈরিবা মচানপাদু যেংদুনা মালযানা হংলকখি, "অঙাংদি সমত্তব?"

"হোয়, মব নানামসু লৈরি। চাউবে। অহলদু ক্লাস টেন তম্লে।"

হাংদবা মাংযে, অমা যেংলকখি।

"কনাগা মবং? ক্লাস টেন?"

"উর্মিলাগী মচাশিংনি।"

"উর্মিলা হায়বদি?"

মালযানা লুহোংখিবা মতমদুদদি মহাকসু যুম পান্দ্রি। মতুং চহী কযা ফাওবা পানখিদে মতমদু, মালযানা লুহোংখিবদু মহাক থাজখিদে। মাবু অসুম্না থাদোক্লম্নদু থাজনা ঙম্মখিদে। অমুক্তা উবানিংখি। ছুটিখি চহী কযা।

"মাস ত্রেনা ইচানুপীনি" মচানুপীদু চিংশিন্দুনা হায়খি, "উর্মিলানা মহাক্কী মমা।"

মালযাগী অচুকপনা থল্লবা মাংতুদা যেংদুনা হায়বকই, "যেংদো, নোক্লেংদ্রো? মচা অনী লৈরবা উর্মিলা, ত্রেগী ইচানুপীসিগীসু মমানি।"

মালযাদি ঙক্লা মঙোন্দা যেংদুনা লৈখি।

"ঙাইখো, নঙবু নোংমতা ঐবু নীংশিংদ্রবা?"

মালযাসু লকক তৌবকই, "কৰ্বিগী নীংশিংদনি। লোইনা নীংশিংই। লৈকাযগী হৌমিন কামিন্নবকপা ইমান্নবীশিং, স্কুল, কোলেজ তম্মিন্নবকপা মৰূপ-মপাণ্ডশিং, মবী মতা অমত্তা কাউদে। অদুবু কবম্না হেক লাকপা যাগনি।"

"চৎলুবনুদনা ?"

মালযাদ নোকথোবকখি। মহাকসু নোকখি। মাগী মহৌশা নত্তবা শকফমদু উবদা মালযানা হাযবকখি, "নঙবু যুগা থক্লববা ?"

"উম, কবিগুম্না অমা কাউগে হাযববদি যু থক্লে।"

"অদুবু ঙমদে মসিস্ হাযনৈ।"

হান্নগী সুবদুদগী খজীক হোংদোক্লুনা হংলকখি, "কবিনো কাউনিংলিবো ? নীংশিংলগা কান্নদবদুদি কাউখ্রো ?"

মালযাদু খঙলবসু খঙশিন্নদে।

"ঐবু চাক অমুক্তং কৌবাযুদনা, চৎত্রিঙৈসিদা ?"

"কলিগীনো হাযযু।"

"নহাল্বাই চাক কৌগে হাযখ্রগা অদুম কৌখিদ্রে।"

"লমন তোন্দ্রবাদ হেন্ত্রা কাউনখিনি। কৌদবনা ফৈ। মালযা, ঐদ নঙবু কাউনিংদে।"

মালযাদ কুইনা লৈবমদে। উর্মিলাদ্ ফাওবা উনবমদনা চৎখি। নুমিৎতুংগী তুংদ অমুক উনাখদ্রে।

অদবু উর্মিলাদি নুমিৎতুংগী নানা হৌখ্রে মালযা লাক্লুনা শনাখিবা বাবা পম্বা তাখ্রে হাযবা মহাকসু খঙখি। অদুবু মহাকস উর্মিলাবু থেমখিদে। উর্মিলা যাম্না বাবৌখি।

মতমদুগী নুপামচা অনীদুগী মাৎ জবা অনীদু ঙসি মহাক্না নীংশিংলকপদা চংনবগী শরূক চাম্মা হেনগৎলকই।

নোংমা দনমনীনা ৫ ৬ ওদুনা লাউখি, "লমন খমগনি। ঐ, ইমাগী লমন খুমদ্রিমখৈ লৈতাবা ঙম্লোই। ইমানা যাম্না নীংঙমদনা লৈখিদবদু ঐ কাউবা ঙমদে।"

মদু হওস্ নত্তে। গোজেনসু নোংমা মাগী নুপীদা বাবা শাবম্মী। তাঞ্জা অমদা মহাক্না তাকই।

"ঐগী পেন্দবা কযাসে, ঐ কনাদসু বাকৎনিংদে। অদুগা লমন পুবগসু শিনিংদে। নোংমা লানফম অমদি শোক্লবা তাবনি।"

"কৰ্বিগী পঙনিংদা নীংশিংদুনা লৈবিবনো ? কাউথোকপসু তম্মু।"

"কাউবা ঙমদে। ইমাবু থৌওইবীখিদবা, ঐ কাউবা ঙমদেনে। ঐখোযগী হক, ইমাগী হক, কৈদৌঙৈদসু লেম্না থাবোই।"

অদুগা ঙবাং অহীংগী অমম্বদা শানখিবা বাদু। মাগী মিহুলদু অহীংনা খেঙজল্লক্লিবা মখৈ খোঙজেল যাঙখৎলকই মশাগী থবাক্কী মিহুলদু মনাকোংদা তাবক্লে। ফমুংদা মমীৎ চেজেৎ উইশিন্দুনা হীপথবকই। কবিগুম্বদা থাঙ পাযদুনা নৎএগা মমায মমীৎ খুমদুনা চঙলক্কদ্রা? লমন খুম্মিংবগা ঙাওববা মখোয অনীগী ঙাওলবা মীৎশিং অদুগা লোযননা অপাম মিহৈবনা থল্লবা মখোযগী মযাম কানবা শক্তমদ মীৎমাঙদা উবকই।

তাবক্লে খোঙথাংদু অমুক। হন্দাক্তু মহাক্কী কা তম্না চঙশিল্লক্লে। চেৎনা লোল্লিবা থোঙদ মনা যেংই।

'কবিগুম্না খবা ইচানুপিদ ইবমচনা?' চে কলমদ লাম্না হোৎনৈ। নাকখিবনা কলম থিবা থঙদ্রে। থোঙদু নম্লক্লে।

"হোং হাংউ বাবা।"

মখোযগ মচান্দগী থোনাক্ল 'বাবা' শেমজিন শাজিনবা মিংগী, অদগা মপাক্লিংদা মপানি হনবা ঙমদবা। কৌবক্লি হন্না হন্না মানা তাদ্রিংদবা মিংগৌদু।

"বাবা কৈদৈবগে, থোঙ অমঙংহা উ।"

হাল্ল শিনসা হাংলবোই।

অদব হন্না হন্না থাল্লকপগী মখোলদুদা হৈগৎলক্লে। মতোমতা খল্লকই হীজবপ হানা হাংদনা কবিদু পোন্নবগে? ঙগা নৎএবসু লোংমদ শে যদনা মখোযগী খৎতে কাংনা ঙমা হোক্কদবা মবেনে।

থাং হাংদোকই। মমাংতা মঙাল অমা খংই যাশিল্লকই। মমীৎ খংউই উইশিল্ল

"অদক থোংলফাও হৌগৎত্রবা কানগানো বানা?"

খোঙজেলদু শাথানা হোংলে। মপান মহাক্কী যেক্লবগা খেঙজেলনা? মমা ঙম্না পাঙথা কুনা যে লকই। থঙদা বা চাউবনা, মশা মউ ফনবা লেনজেন লেপ্পুনা লৈবি। মাযকৈ পম্সু পমঙাল ঙাল্লম্লে।

"অসে মগী মাঙ্গালদা দাদানা বোমা পুব কুনা লৈহৌবে।"

ঙক্লা তাদুনা লৈ বাবগীনো মহেন না মাগী মচানুপাবু পুবক্লিবা?

"বা লোইশিন্নবল্লে।"

গোজেন্না অতপ্পা সুবদা তন্নকই, “বাবানা নুংশা থীগদ্রা হাযদুনা খণ্ডহল্লমদ্রে। বোমাগী নুপাদু নুপী অমা পুবক্লে। দাদা ইবানী অহীং চৃপ্পা অমা খন্নবে, সিদা লৈজবসনু।”

মহাক্তি বা মচেৎ অমত্তা খুমদনা তাদুনা লৈবি।

“অদুগা বোমাগী বাফম নত্তবা অমনা। ঐখোয কেস অমা শোক্লবা তাবি, বাবা?”

“কবি কেস?”

মাগী অঙকপা মাৎতা যেংলগা গোজেন্না হাযবকই, “ঐখোযগী অসোমগী কাকাশিংদুগনি। ঐখোযগী হক তানফম থোকই, বাবা।”

হন্দক্তি মহাক্কা যাংাং অমা পাবকই, “খৎনা চৈনবা তৌকবনু ইবুংঙো। ঐগী লৈবিবা লন থুমসি নখোযগীনি।”

“হওই, বাবা। অদুব নখোযনা ইমাবু তমথীনা তাক্লোবকাখ। লুপ্তাবী অমনা খাঙউমদবা মীচৈ কগা ও ইনাখ। ইমানা শিবমদাই ফাওবা কাউখিদবা কযনি। মদুগী লমন অমদি পান্নি নাব।”

হন্দক্তি গোজেনগী মমা নুংশিবনা তমগীহল্লবা, প্রঙাঙনা মীৎতুদা মুন্না যেংলকই।



ইপোম হৌদবা ঈথক

"কদায যৌগদবনো?"

[illegible] কন্দা [illegible]থরাক্লিবীদনা [illegible]কপা[illegible]। লম্না[illegible] [illegible]কন্দ [illegible]লিবিবা লৌবুক[illegible]শ [illegible] [illegible]লিবব [illegible]শংদ [illegible]দু[illegible] চৎপাস [illegible]গী [illegible]নবান। চথোক চৎশন্দা [illegible] [illegible]লববা মহৌশা[illegible] খৎশেমদ [illegible]বদা [illegible] চোকথবা কৈদৌ[illegible]দস [illegible] পক্লি যাম্না [illegible] ইবা [illegible] [illegible]দগা যাম্না [illegible] নুংশুক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]দা [illegible] পক্লং[illegible]স মখোযদা [illegible] লপ[illegible]নখি।

"[illegible] খুনৌ।"

[illegible] [illegible] [illegible]। বা[illegible]দগা [illegible] [illegible] লক্লিবাদুদা যেংলুই ম[illegible] [illegible]ক্লকই। [illegible] [illegible]ক্লুই।

"[illegible]"

"[illegible]"

"[illegible] লাপ্লাকো। বাবমগনি।"

মহাক্লা মবী মবী [illegible]লকই।

"[illegible] কদাযদগানো?"

"থৌবালদগী।"

"থৌবালদা ইন্দোমচা অমা লৈ। অচাং ওইবিবৈদা যাম লাক্লম্মী। ঐদি শাংজমেদগানি। বাংজিংদা চমান্নবা অমগী যুমদা চঙলুবে। বাবগাইদা ইচে অমা লৈ। মাগী নাকা চৎলুগে তৌবনি।"

মহাক্কী চঠাদু চপ চাবাদ তাযবা নমরে। মৌ নহান। হান্না ফজাবশ্বগী মমি মশক্কুদা তানি। অদুবু পান্সগী পোংলম কয়ান। নঙ্গবীবগী মাম অমদি মাগী মাগথোঙদা মযেক শেংনা তাব। মমাযগী অযাম্বা শন্দক মাযহা [illegible]।

"[illegible]ংশাস শাং[illegible] শা[illegible]গী চা[illegible] চাকুমদগী কুমাসনা অমুক্কা হেনবা মাল্লি। হেন্দ্রনে?"

ঐগা পাউখুম ডাইদনা মখা তানকই, "ঐদা[illegible]নে, নুংশা যাম শাবাস কোক হেক্কা চাকই [illegible] খলনা বাবনে, নংশানা শাবনে, ও[illegible]ক্কা নাখ্রে।"

অহানবা [illegible] শকখংলদ্রিবা মা চমদা বা অদক যাম্না ভাঙবদি ঐ অমুক্কা হে[illegible]নাশিদ। ম[illegible]দা হে[illegible]লই। মম [illegible] শক চল্লপ তৌবগী মখ[illegible] মবাযনক্কা নম্লাই কাবওই তৌদনা [illegible] [illegible] মহাক শাযদনা পোৎলম অমা পুদনা চৎলিবা ওইনমগ[illegible]।

"[illegible] দগী [illegible] ম[illegible] [illegible] [illegible], চাসিদা লৈবাদ ঈ, ঈং লাইদৌ মান্দ্রা?"

"[illegible]দা [illegible] বানি যাম্নদি ঈংল[illegible]ইদা," ঐনা হায়, "যাম্না কা হেং বাংখ্রবা, অ[illegible]সানগী [illegible], ম[illegible]দা লৈচাল থাবসে, অসিদি ঈংলমগনি।"

"কৌব্র চাংগী মতোন্দাদ লৈচালনা মাগী [illegible] হায়। হন্দক ঐখোয় লৈকাযগী [illegible] শং [illegible] ঐদ[illegible] [illegible]।"

"[illegible] ওহৌ ঐদি [illegible]?"

"[illegible] চৎপাদ হাযবনু, পল্লবদা হপাম যৌনি।" মানা নোক্কি [illegible] নোক্কি হায়, "ঐখোয় তামোদ [illegible] অমা। ম[illegible]ন্দগী ঐখোয় ইনেমবো কুনা [illegible]মুক্কা [illegible]।"

মপাক্কা যাম্না হজনা মখা তানকই, "ঐদি ঈনাং যাম তন্না ফংদেদা। চীং মান, লৌবুক লমহাংদা চৎপাস ঐদ যাম্না পাম্মী। অদুবু মখোযনদি মদু মতম মাঙনবানি খাল্লি। অমুকহক, লৈকাযগী উখ্রুলদা লমকোযবা চৎপদা যাওকই। হল্লকপদা ব্রা থোকপানিনে। নুমিৎ নানি। ইপামদা লৈকই।"

মতাক মীওইবা অমান অদুনা মশাগী অপাম্বা অনীংবা লৈফম থোকই হায়বসি মাগী অবোযবদা লৌববা মীওইশিংনা হেক হেক কাউই।

"এসে কনিগুম্বদা নোং চোৎলগা নুমিৎ চপ্প অমা কোযচৎ চৎনিংঙ। অদুগা চাংযাদা যুম গমা শাবগসু লৈনিংই। চীংযাগী লম্পাক্তা নুমিৎ তাবমদাইগী ঙাওলেনবা নুমিৎকা মস্তালদা অণা, মযাম শান্নবসু যেংবদা যাম্না নুংশিগনি, নৎএ।"

"অসা নঙাসদি শৈবেংগা ইগদৌবা মী মাল্লি।"

"শৈবেং, ও, ঐ শৈবেং যাম্না ইখ্রে।"

মচৌশাগী ফজবনা পমশুম শুক্ষৎলুববা শকফমদ্ খংহো, হোংখ।

"মদুব্ ঐগী ওইনা অমত্তা লৈখিদ্রে। ইবসু ঙমদ্রে।"

"কন[illegible]।"

"শেবে চাম্মাগা [illegible] ঐনা ইখনা। দাযাব অমদা পূল্লপ শিন্দোকপনি [illegible] ইমান্নবা অমনা শৈবেংশদ্ অমুঙা পাকপে হাযনা পুখিবদণা অদুম পাববখি দ্র। [illegible] শৈবেং অমাম্বা খবনদা কাদ্দা যাম্না যাওলকত্রে। ইমানবীদুগ মিংদা [illegible]না, অ[illegible] কং গুম্বাশংগা মিংদা খবা।"

"অওইবনা বা" ঐনা থাজদদুনা হায, "মদুবু হেক ওইথোকপা যাববনে।"

"[illegible]। মনাপাস ফংখ্রবা লাইবিক অমদস ঐগা শৈবে, যনা যাম্না [illegible] লাইবিক মমংদুদি হাযলেই। ঐ হবাহ যাম্না নংঙাইখিদে। কেস [illegible]। অদুবু তামোনা সকযা যদে। এবদুম ওপ্লোক্লা থানা চৈবীখি। মানা [illegible] থাজবীদবাসনি [illegible] ক্লাইদগী। হপ্লোম শোক্লবসি"

এ বং হুন্নানা [illegible] বাদ থাবু থাজসিবা যাবু থাজানাইসনা খন্দুনা তুমিন্না লৈ।

"[illegible] ইতোমতা শজবগে হাযনা অনীবক্লি তৌখবা। অম্মা[illegible] হোস্পিটলদা নমিৎ [illegible] লেকই"

"কাবনাকেন শদগে তৌকবর্বদি কনানা খঙা, তংদা যাম্না নুংঙাইব পাঙ্গ অমা তম্লম্বস্ মাওইবগী লাইবকপু তম্না ঙম্ববা।"

ইশানা হাযদোকাখবা বাদুদা ইশামক ঙকচনকই। কবম্বা মতমদগী ঐ ইশানা লাইবকপু অসুক থাজবকখিবনো খঙদে।

"ঐগী মপোকসে ঐ ইশানা খীজবর্বনি," মহাক্লা ঐঙোন্দা যেংলগা হাযবকই, "নঙাদ ওপ্লোক্লা নুংঙাইজবমর্গনি।"

